

মণিপুর শিক্ষা বিভাগকী মতেংনা কৌডজবা

educational
Edu..


# "পূসি-ঈচেল"

ভুবনচন্দ্র বংশাজাবী।

অফোঙবা—

লাইশ্রম অচৌবা

সোইবম লৈকাই, অম্বাংপল্লি।



১৯৭২

অহানবা খুৎনম—১০০০



হক পুম্বা অইবগীবনি

অমল লুপা ৩·৫০


মফম—ডি মণিপুর গীতা প্রেস, শিংজমৈ বাজার, ইম্ফাল।

## —ৱাহৈ খরদং—

চীংশাং পরেংনা খজিনবনা কোরৌ মশক্তি উদনা চীংখৈ হনবা মতমগী ডাঙ্রানর' মশেক্কুদবু উবগুম, ঐগী থম্মোয় লকাদ চীক্লা হুম থোক্লিবা সমাজগী মশক অহুদি নাল্লা ওইবা মতমগী চীংশাং নাপোম পাংথক্লরবা থেল্লবা থম্মোয়গী পীক্লব। রাখলনা খজিনবমা মশেক্কুতবু উবা ফংজবনি। থেল্লবা থম্মোয়গী পীক্লবা রাখলনা মশেক অহুতবু শক্তম ওইনা লাকচরুবা, লঙজবা পুম্বা ডাকপীগনি।

—অইবা।

ইম্ফাল,

তাং ৩০।৪।৭২ ইং।

লাইরিক্কী মরীদা মত ফোঙদোকপীরকপা—

ইবুঙো মংসাতাবম ভুবনচন্দ্র মৈতৈনা ইবা—"পুক্নি-ঈচেল" কৌবা লাইরিক পাজরে। লাইরিক মচা অসিদা লেখক্কী রারী নিপানখক পুনশীল্লি। লেখক মশামক য়াম্নমক নহা ওইরি। হৌজিক হৌজিকমক কলেজগী ছাত্র অমা ওইরি। রারী মচাশিং অসি হৌজিক্কী পুক্নিদা নত্তুনা চহী খরগী মমাঙগী হায়খদি মশানা হ.য়স্কুলগী ছাত্র অমা ওইরিঙৈদা স্কুল মেগাজিন্দা হাপখিবা রারী ফাওবা য়াওরি। লাইরিক অসি লেখক মশাগী ওইনদি মণিপুরী সাহিত্যদা অহানবা খুদোললনি। লেখকনা চহীদা নৌবগুম মাগী রারী মচাশিংগী থাকস্থ খরা মনৌরি। অহানবা শিন্দষগী থাক্লি। অদুমকপু নহা ওইরিবা লেখক অসিদগী ঐখোয়না আশা তৌনীংঙাই লৈতবা নত্তে মরমদি লেখক্কী ইবা মতংদা মতাং চানা অমম্লুং মফম খঙনা মৈতৈগী চৎনবী প্রমাণ-পাম্নে কয়া হাপ্নবা হোৎনরি, লোল মপুং ফায়—পুক্নিংগী রা মপুং ফানা ফোঙদোকপা ঙম্মী। লেখক্কী তুংগী আশা অমদি রারীগী বিষয় খনবা লৈবা অসিনি। হৌজিক্কী অনৌবা লাইরিক ইবা নহাশিংনা নুংশি-নুংঙলগী মরীদা ইবনা অহানবা শৈদম ওইগল্লি অদুবু নহা ওইরিবা লেখক অসিনা সমাজদা ওৎপী-নৈবীরবা মীনাই অমম্লুং মশাবু মাঙহন্নরবা নুপীগী" লমচৎনচিংবা কয়া য়েক্লি। মসিনা নৌনা খোর্জৈ পায়খৎলক্লিবা নহা অসিগী তুংগী মিৎয়েং করিনো হায়বা অপাবা মীশিংদা খঙহল্লি। ইবুংঙো ভুবনচন্দ্রগী খোর্জৈদগী সাহিত্যগী অনৌবা লৈচল কয়া খোরক-খিগনি হায়না আশা তৌরি।

তাং ১২। ৫। ৭২ ইং।

নীলবীর শাস্ত্রী।

The 2nd May '72

IMPHAL.

I never before known such a spiritual literature. :t seems to me as a soul-stirring instruction. This volume is a boon to all a spiritual aspirants who would be proud of owning it. Open any page, Shree Bhubon chandra's written, (Punshi-Echel) thrills our heart and on the other hand we find the personality of the youngest writer. This is a fine scripture that would be treasured for all time to come.

Dated, Imphal
the 2nd May '72.

Meino Das charan.

# মাওক্ষম তাকপা

মাসিবু ঐগী ইরাল্লবে !

# "পুসি-ঈচেল"

## 'মাসিবু ঐগী ইল্লাল্লবে !

(১)

**খগেন্দ্রনাথ** বাজারমঙ্কদনি। ঐনা তোংলক্লিবা বস অদু বেরা ভৌরদুনা ফনা কুইনা পন্দুনা লৈরে।' হায়রিবা বস খোঙচৎ অসি নোংমতুগীদি অরোইবা ট্রিপ্নি। অরোয়বা ট্রিপ্নি থল্লুবদা ইশা অসি হুমাং চনপ্লী কারকই। অসিগী মথক্তা অঙাং অদু কপমম্বনা অবোক্তু ঙহাক্তা লৈত্তাবা ফংলম্লরোই। রাখল অসি থম্বদা ইখুৎ মচা অনিসি থপ্তুনা ইয়ুম মায়কৈ পাংনীঙলক্লে।' অতৈ গাড়ী অমা অনিস্থু বেরা ভৌদুনা লৈরিবা গাড়ী অদুদগী অরোয়বা ওইনা হেনগৎলখ্রে। করিগুম্বা থবক-ইনথাং চৎলুবদগী হল্লকপা গাড়ী নত্তনদি পেশেঞ্জর গাড়ীকাদি মঙ মঙলুবা য়াবা জাৎ নত্রে। ঐ খোঙনা অস্থুম চৎখৎপা হৌরশিরদুম থল্লুববনি। রাখল অসিনা লাংতক লাককেম্বনা লুকমায় ফম্বী অমগী পোদোলগী অমুবা তেঙ্গালিগা লোম্বনা ফর ফর হাইরিবা মৈঙালদা চঙদুনা খুদাংদা শিরিবা ঘড়ীদু য়েংবদা সুমিদাংগী পুং ৯-৩০ তারে। মতম্না অস্থুম থেঙজিল থেঙজিল্লক্লগা ঐগী থরায়সে অহোইননা অরাবগী পংথৈদা নকশিল্লক্লে। বস অদুগী মী নত্তনা গাড়ী অদুদা য়াওরিবা মী হায়রবু মশা নাল্লবা মীয়ায় চল্লবা নিপা অমগা ঐগত্তনি। ঐ গাড়ী মখুংদুদা কুফা চঙদুনা লৈবা হৈনবক্কদুনা মথাদ কুমথদুনা গাড়ী শেম্লিবা অদু লাপ্তক্লা য়েংদুনা লৈরে। অহোকপনি। নোংস্ত্র থিংলি থিংলি চুথরক্লদুনা ঐ অমুক গাড়ী মথক্তা কাখত্তুনা কম্লুরে। ঐ ছুমিন্না লৈবা হৈনবক্লে, অদুবু করি উপায়দি লৈরি। মথক থঙনবা

নিপা অতুদা ব্রারী শাশি হায়র ঐনদি করম হৌরুনি, নিপা মানম্‌ ইবেম্মা অতুগা অদাগা হায়রকশম্‌ নত্রেরে়া, ওম্বোকপা খতৌ অমা হায়বতুনি। য়ুমলোমগী অমুক খল্লুরগা অবোক অতুনা খর ওল্লা কারক-উকো হায়রগা খেণ্ডঙংখৈ লাক্লিরী শুপীসিবু করি শুপীনোনে; ফো ওৎশুম হায়রগা চেঙ ওৎশুম নাম্বোকইদকো হায়দনা অমুক্তোইবা পেরে পেনা খোংদনা লোইরম্লদৌনি। অতুবু থোকঅবা হায়তুনি খল্লুবনা তুম্মিন্না লৈবম্‌ হৈনরক্লুবনা নিপা অতুদা ওম্বোক্লা হঙ্গোইনা ব্রারী শাবা হৌরুরে। ওম্বোকপা শুপী হায়’দুনে ঐসে, পাখঙ লৈশাবীনি হায়বম্‌ নত্তনা চহি ৬৫ রোম্ন গুরবী হনুবী ঐনম্‌ অমুক নাতোন গুমাংদা হুমাংকাম্‌ কারক্লি। ঐনা হংলুবা ব্রাহং খুদিংদা শৎ-শৎ পাক হেক খুমদোক্লকে, ম্রান্না ব্রাখল তৌনা খুম্নকা মাল্লি। অফাওবা দর্শনিক অমগী মজোনি। ইকায়থীজতুনা তৌবা ওইরম্বদি য়াই।

—তাদবু করি লম য়ৌবিগদৌরিবনো?

—ইবেম্মা ঐহাক শোইরম লৈকায় কাওবদংনি। মখুদাংদা শিরিবা কড়ীদু য়েংলতুনা খুম্নকই। অতুগা অমুক মখা তারক্লে—

ইবেম্মদি কদায় য়ৌগদবনো?

—তাদ ঐ খুড়াইদনে, টেলিপতি মমাঙদা।

—এঃ ওম্বোক্লা নক্লনা তাম্নরেদা।

ঐ নোকই মাগী ব্রাতাদা। ওহাক তুমিন্না লৈনরুরবা মতুংদা ঐনা অমুক—

তাদবু মী কয়া চাবীরিবগে?

—এঃ ইবেম্মা মীগী ব্রাদি য়্যামগ্রে, মরী খক্তনি। ইমা হনুবী, পাবুঙ হনুবা, ইনে হনুবী, অতুদগী ঐ, পাখঙ শরী।

ঐ মাগী ব্রাতা কৈদাশিং অসে য়াম্না নোক্লীংলক্লে। মাদি নোকপা লাকপা তৌদে। ঐ বোক্লগম্‌ খীংবা ওয়ত্রহনা নোক্ল-নোক্লদুনা ক্লিপাক্লরা—

—অদুদি তাদ, তাদখোয়গী ইমুং অদুদি হনুবা হনুবীগী ইমুং হায়বদু ঙাক্লেনে ?

হনুবা হনুবী পাখঙ শনী হায়নীংলম্মনি, অদুবু মঙমক্তি হেক্তিনা হাটৈ ওইগদ্রা খল্লুরনা হায়রুদ্রে। ঙহাক লৈরগা অমুক এনা—

—নত্তে তাকপীরিবশিবু তাদখোয়গী ইনম্মক্লাবু .... ...

ঐ মথা তানা হংগদবা ঙাঙম্মদরদু রা:পৎপী থোরৈতবী তারক্লা খন্দুনা তোকখোক্রে।

—ইবেম্মা মসিগী রা অসিদ্দি থমখিবনা হেন্না ফরনি।

অসি হায়বগা লোয়ননা নিপাদু পুঙাইতবা মওংদা লুকথখিবদু এনা উরবদা লাংতক্লরবা রাখল অমগা লোয়ননা—

নত্তে করম্বা খুদোংথীবদগী .... ... .... ?

—পুন্সিগী খুদোংথীবা অমদগীনি ইবেম্মা।

ঐ মাগী রা অসি ভাব তাবা ঙমদে। চামরক থোক্লা খল্লে অদুবু ঐ ভাব তাবা লৈতে। এনা খল্লুরিবনা পুন্সিগী খুদোংথীবা হায়বসি অশি-অনাগী ভাব পুরুবনি, অদুবু মদুস্থ নংল্লমদ্রে। মুল্লা কুপথনা হঙ্গদবস্থ ইকায়খঙদবী তারক্রা খন্দুনা তোকখোক্রে। ঐ মাগী রাহৈ পরেং অমনা কোক অসি তাঙহনগদৌরে। ঙহাক তুম্মিন লৈরুরগা নিপাদুনা—

ইকায় হঙ্গোইদনা হায়রবদা মসি পুন্সিগী ব্রহ্মচার্য্য ওইগে রাশকচখিরননি।

—করম্বা নিংবা থুংবীদবদগী ?

—মীওইবগী পুন্সিদা করম্বা নীংবা থুংবনুদি লৈরগে ? অদুবু পুন্সিগী নীংবা থুংদরশিংগী মনুংদা অচোবা নীংবা থুংলবা অমনা এবু পুনশিন্দুনা থমগ্রবনি।

মাগী রাপ্পী অসি পুংঙাইগদবা রাপ্পী মওংনি খল্লুরনা ঐহ হংবগী অরেপ্পা, হংবগী ইকায়বা লৈশিন্নরে। নিপা অসি চুমগী ইমুং মঙ্গগী কোইনজবা মীওথ শল্লক্রে।

—হোই মন্নক মরক্তা অসিগুম্বা মখলগী ব্রহ্মচার্য্য পাঙথোক্লিবা মীশক কয়া থেংনজে। অদুবু মৈতৈ মচাশিংগী মরক্তা ব্রহ্মচার্য্য পাঙথোক্লিবা মীওই অয়াম্বদি অরাংবা থাক্কী ব্রহ্মচার্য্য কয়া থেংনজদে। ভারতকী ফাওরবা সন্ন্যাসি কয়া ব্রহ্মচার্য্য পাঙথোকখি, মথোয়না ঈশ্বরগী মুক্তি ফংননবগীদমক্তা, সমাজ সংস্কারগীদমক, অমদি অচুম্বা পাউতাক-কৌদমক, বেদগী অচুম্বা অনৌবা অর্থগীদমক! অদুবু মৈতৈমচা অয়াম্বদি মুপীগীঙাক অরাবা থাঙলম্বা ওইনা তৌই। নিপা হায়বসি তরাগী মপুনি হায়নৈ, অদুবু খরদি কায়নরবী; থুংনহৌদ্রবী মথোয় খরদুক্তগী ওইদুনা তোক্লমাল্লে।

অচুম্বনি ফিবম অদুমক ঐঙোন্দনি। ইবেম্মনদি মদুম্না হায়বীরি। ব্রহ্মচার্য্য ওইরিবা মীশকশিংগী মফমদা লাংলিবা মৈশা অসিগুম ইবেম্মনম্বু লাংলম্বা থোক্লবা নত্রগা মৈশা অদুগী শরুক খরদং ইবেম্মনা লাংলম্লবা থোক্লবদি মদুম্না খক হায়রোই।

ঐ নিপা অসিগী পুন্সিদা কাউবা ঙম্লরোইদবা দাগফম অমদি কনাগুম্বী অমনা শুকশোয়-শোয়দনা হকলম্লগনি হায়না খল্লুবদগী থোইদোকপা রা মথা ভারুদরে। খল্লিবৈ তাঞ্জাশিদা নিপাদুনা রারী হৌরক্লে। নিপা অসিনা করিগুম্বা হঙোইবগী মতৌ অমত্তবু উদখদা রাখল অমা তৌবা জাৎলা খল্লকই। অদুবু ফিবম অদুনা মতুম্ মান্দে। তৌববুদি থম্মোয়মুংগী মৈচাক অতোপ্পগী মফমদা লীথোক্লগা মন্নেং খর তাবোই খন্নরি। মসিগী মতাংদদি ইকায় হঙোইবা হায়বদু পোক্লদমাল্লে। সুংঙাইমন্দ্রদুনা তমথোরকপা ওইরমগদ্রা হায়নম্বু খল্লি।

—ইবেম্মা সুংশিবগী চৈফু অসিদি ইফু-ফুদনা ওম্থোক্না নাথ্রবা চৈক্লুনি। তাপ্রিবা সুংশিবগী দাগফমদি কুইর-কুইরগা থোইনা হেমদুম মন্নেক লাথোরকপা জাত্তালি। মসিগী রাদি হায়রকদুনবু কায়দে, ইবেম্মম্বু হম্মুদনা অহুম্মক লাকপা নত্তে। পুন্সিগী অমুক্তংদগী হেন্দ্রবা বসন্তু নীপুম খুদিংনা হকথেংনরক্তবা নৈত্তে। অমুক হন্না লাক্লরোইদবা [illegible] ভাবনা পুন্সিগী বসন্তবু ঙাইনবমঙ্কদি। মহাক্লা ঐথোক্লনু

মতম থরদং নমথাক তৌবীরম্লগা চৎখিবমক্কনি। মহাকী নমথাক্তা রাখল থলহৌদ্রবশিং অদুতনা মখোয়গী পুন্সি অদু অরেম্বা লৈরাংগুম চোইজাইনবা কেন্দবা নত্তে।

ইবেম্মনদুম হেন্না থত্তবীরম্বা য়াই। শাথামবা লেংমামবা কয়াগী অকনবা তমথীরবা চৈকূ কয়া থাত্তব ওম্মী, অদুবু সুংশিবীগী নাশোয়না থরদং নানথিবা চৈক্‌ূদ খাত্তবা তমজত্রনা ব্রহ্মচার্য্যগী মরুম থুপচরিবনি।

হায়স্কুলগী পুন্সিদা লৈরিত্তেনি। নোংমা মাগী মকমদা হায়কম থোকপদু হ য়বগী অধিকার লৈবনা হায়কবা মতমদা, হৌগৎপা য়াম্রবা রাঙাও কয়ানা ইথক্তা মরোল মরোল নম্সিনখ হৌরক্লে। অদুবু ঐহাক শাউরুদে। ইকায়ববুদি ঐনা থিগ্দুনা লৈবা ঙম্বা নত্তে। ঐ অমদি মহাক অসি লৈরক অনিতনি থন্নরিবা, য়ুম্লেং পন্নেং অমত্তনি, লৈকায় অমত্তনি।

নিপা অসিগী রারীনা মৈ চুরক্লবা মতা অসিদা ঐ হুমাং অনম্মা কারক্লে। করিগীনো। ৎম্মোয়স্ত মপান নাইদনা শোম্বরাক্লে। মাগী রারী তান-তান হকচাং ওসি অমুক্তা চুম্না কম্বা তমশিন্নক্তরে। মতম কুইনা থাজিন্দুনা থংলুরবা পিরংগী পনস্ত ওসি নোকোননা নিথ্মায়বা হৌরক্লে। হকচাংপুম্বা তুজুং মাত্তু‚ই, লরাইগী শম অসি চপ-চপ য়ুংল-বোই নীংই। অকী অথত্তগী রারী থোইদোকপা নত্তে, অতবু করিগীনো মসিবু! রারী লেপহনী‌লবনি, অদুবু ঐগী পাগল লৈত্তে।

লৈকায়গী মচন-মবুং অমনা সুংশিনরিবা অমদি লৈনরিবা মরী অদুদগী কয়ম্বা অমুক নোংনোনবা সুংশিবগী মরী থম্বা পাম্বীরিবগে? ঐবু সুংশিবিদবা ওম্বীরোই হায়বীরবস্থ লৈকায় মচন অমা ওইবা সুংশিবীয়ু।

মথা তারকপা অদুদি ঐনা নঙোম্বা কয়ম তমগনি, ক্লোঙমরুম্বা সুম্বংলনা অহুমক লৈহনখ্রসিরা। মাগী অথীবা মীচৈ, তমজীরবা রাঙাক কয়াদুনা ঐবু কপসিন্না, শাউশিন্না, নোকসিন্না মকম থত্তহনথিদে।

অদুবু ঐ কপসু কপখিদে, শাউসু শাউখিদে, নোকপসু নোকখিদে। মুম্বংননা লৈখি।

মথংগী য়াম্না চীং-লেম্না থম্মোয় কায়না তল্লিবা য়াগ্নী অসি তাবদা ঐগী থম্মোয়দা নীংঙম্নদবগী মৈরী অমা চাউনা হৌগৎলক্লি। চেম্থরিবা অয়ৎপা লৈত্রবা পিয়াংবু ঐনা লোম্ন-লোম্ন তৈথোকচরি। মহাক্কি লৎপা লৈত্রবা পিয়াং মরক্তা নীংবা কায়বগী থোম্থাং অমসু হাপ-কৎলক্রে। ইকায়-খুম্নোইবা হায়বদো মশাদা অমত্তা পকখিদরে। মথাদ গাড়ী শেম্লিবা নিপা অনিদু মথোদা মায় ওনশিনবনা ঐখোয় অনিগী কুম্মৈ উবা নত্তে।

বস মপুং অদু মৈনা ইঙান ঙাম্না থাল্লি। মৈঙান মৈয়ক অদুদা ঐনা মূন-মূন নিপা অদুগী মশকপু য়েংদুনসু নিপা অদুবু মশক খঙবদি লৈত্রে। মাগী য়াম্নীনা, মাগী থৌদোক্না ঐগী ইকমদা হৌখিবা থৌদোক অমবু নীংশিংহন্দুনা মাগী মশক অদু ঐনা লাকশিনবা মঙাম্নরে। মীবু মশক খঙবা হায়বসি খঙদ্রিবৈদদি খঙলমদে, খঙলক্রবা মতমদদি মীশক অদু মাল্লকই।

মহাক্লদি ঐবু নোংমতসু নীংশিংবীরম্লোই। অদুবু কদায় 'ঐদি। ঐগী হৌখিবা পুন্সিদসু মাগী য়াথলতপ। ঈরোয়ননা মপুঙ মরৈ ফারক-পনি; ঐগী লেমহৌরিবা পুন্সিসু মাগী য়াথলতনা লোইগনি। মাগী মীচৈ কয়ানা ঐগী লমচৎপু শেম্না হৌখিবনি ঐগী লমচৎপু শেম্না হৌখিবদি মহাক্তসু নত্তে। মহাকী লোয়নবীশিংগী মরক্তগী অমবুসু মরুওইবা থোদাং য়ারি। মহাকী লোয়নবী অদুনা ঐগী ইন্নুংপুম্বা অয়ানবা পাউদম কয়ানা য়োম্থোকপীখি। মসিমসু ঐগী থম্মোয়দা হকখিবা কাউবা ওয়রোইদবা দাগ্‌কমশিংগী মরক্তা অমনি। মহাকনে, মহাকী লোয়নবীনে মথোয়গী মীপুংশি খঙত্রবা থৌদৌ কয়ানা ঐবু খিলহৌ খিলহৌ ইকায়বা লংজহনবনা ময়ম ওইরদুনা মীরৈবাক তম্না চহি কয়া চুম্না ইহৈ-ইশিং তমদুনা ইকায়বদু থাগুজরম্রে। অয়াবনি; ঐনা মীরৈবাক্তগী খোয়কপদদি মহাক্কি সংসারগী অনৌবা লম্বেন্দা খোক

থাংজিনবা হৌরয়ে। নোংমা ঐনা মীরৈবাক চৎলমদাইগী মতমদা খাগীলৈহাও মখোঙগী পুগ্রী ময়ামক্তদা কোল ফেঙ্ডুনা লৈরম্বা থেংনখি। ওথোকপনি। তমখোকপদা হঙোইবা য়াফঙ্গি! কনাগুম্বা কনাগুম্বী প্রেমিক-প্রেমিকা অমা ওইরম্লবদি মতম কুইনা উনররোই খন্দুনা মিৎকী পিরাং শিন্থনহুনা থম্মোয় থম্মোয় পাউজেলররগনি। মহু ঐগীইকমদদি থোকখিদরে। ইথন্তুগী থম্মোয়না ইথন্তা থম্মোয় পাউজেপ্পররগা অদুম হল্লক্রে। পুমিৎ অতুদগী চহি ৪০ হেল্লক্রবা মতম অসি ফাওবদা নোংমতম্ন উবা ফংদরি। উরুবগীস্ম কাম্নবা লৈতে। মানা লৈগ্রিবদু খুড়াইদনি হায়নৈ, ইবেম্মবু খঙ-লাকপ্রা?

— মাগী য়াহং অসি ঐদি করম খুমগনি খল্লিউদা অমুকম্ন হংজিল্লক্রে—

—ইবেম্মবু উইবীরব্রা?

—উইজ'ড্র খুড়াইদদি কয়া'মম্ন পাল্লকই, কয়া'মম্ন পানখি— কদায়দগী কনা ওইরবনো?

—ওঃ, ঐ ভাব অমা তৌরুরে। লৈকমদি হায়া পঞ্জরবদুনি ভূবনেশ্বরী কৌবনি। করিগুম্বা লৈমিন-লাকমিন্নবা থোক্লমদুনা ঙসিগী য়াকম অসিমক লম্বী য়ারী ওইবীরুরবদি লওজবা পুম্নমক ঐগীনি তম্বীয়ু।

নিপা অসিগী য়াম্বীনা লোইশিন লোইশিল্লকপগা লোয়নবা ঐগী নীংঙমদবগী মৈচাক অস্তুম অস্তুম হেনগৎলক্রে। থাম্বা ঙমদনা শিন্থরিবা পিরাংত নত্তনা ঐ থোঙ্গেল থোক্লা কপ্লকখি। অদুবু মসি মফম অমদি মতাং চাদবা হায়বদু থোকপনা মিৎকুপ অমগী মনুংদা ফাখত্তুনা থোঙ্গেল থোকহনখিদে। নিপা অদু ঐগী ইতৌ ইওং উবদা ঙকচান-খিদবা নত্তে। নিপা অসিনা হায়রিবী সুনীলো ঐনি হায়বসি খঙজ্রি-মাল্লে। মতম কুইনা উনরুদবনা মরম ওইরত্তুনা ঐগী থোঙ্গেল অমখি মাংখোং মহাক্লা লাকশিনবা ঙমখিদরে। অদুন ওইরক্লবা মতম অসিদা থোংলিবা ঐগী শককমসে কয়া য়াবনো। ঐ ইশানা নিপা অসিমু

অথৌবা মীচৈ কয়ানা ভুহৎশ্রবনি। ও! ঐ অসে কয়াদা থম্মোয় কনথ্রবীনো? চুম্নতা মী অমনা অনীংবা মথম্মোয়গী মপাউথোলবু ভয়জবদা করিগীদমক ঐনা অচুক ওৎলুরিবা? খঙদে! ঐ খঙদে। ঙসি নিপা অমগী মাঙলবা পুন্সি অমা ইমাঙদা লৈরিবসে কনানা মাঙ-হনবনো! মী অমা শেমগৎপদি লৈবাক অমা শেমগৎপনি হায়রৈ, মী অমা মাঙহনবদি লৈবাক অমা মাঙহনবনি হায়রোইদ্রা? নত্তে, মহাকী পুন্সি অসিবু মাঙলবা হায়বদুরা?

ঐ রাখল মচোইবা কয়া খঙ্গুরবা মতুংদা নিপাদুদা ওনশিন্দুনা—করি থবক্তি তৌবিরিবগে?

—ইবেম্মা, পুন্সি হিংবা ঙম্নবগীদমক পোষ্ট মচা অমত্তং পায়জরি।

নিপা অসি নীংব' থুংদবা কয়াদগী মীরৈবাক্তগী মণিপুরদা তোয়না থোক্লক্লে হায়বসি মথা চথবা র,রী কয়াদগী ঐনা খঙবা ঙম্লে। অদুগা মহাক মশামক হৌজিক হৌজিক কেন্দ্র সরকার সুপ্রীম কোর্টতা এড-ভোকেট ওইরি হায়বসিমসু মথা চথবা রারী কয়াদগী ঐহাক খঙলে। করিগুম্বা ইমুংগী থবক অচিনবা তৌদবা য়াত্রবা থরা লৈদ্রুনা মতম থরগীদমক ছুটি লৌরকপনি। অসিগুম্বা অচঙবা মচা কয়াবু শেমগৎ-শাগৎপা ঙমগদবা মীশক অমবু করিসু লৈত্রবী ঐ অমনা মরম ওইদুনা মাঙহল্লে। মপা কবনা মচাসু ফগনি হায়নীংঙাই রাবুদি লৈত্তে। শেমগৎ-শাগৎপা ঙমগদবা মীশক্তি হায়বনি। রাখল অসিনা লীচিং ওইরদুনা ঐহাক খর মরক মরক্তা ফুনগৎলকই। অসুম তৌরি-ঙৈদা গাড়ী অদুসু য়াররনি চৎলসি হায়দুনা থোবা হৌরক্লে। নাক-য়েত্তা হৌরিবা উপাল'রক্তা য়েংদুনা মসিবু ঐগী ইরাল্লনে' হায়না মিৎলুদগী অরৎপা লৈতনা শিন্থরক্লিবা পিরাংবু অকনবা য়ালংগী হু হু হুম্লিবা শংদম্না হুমদোকখি

( A. S. Magazine—1968 )

Academy

---

## "খুতাম্চা"

( ক )

অচুম্বক নীংথিরবী শককম অতুনা ফেযম অহু ওইরকনি হায়বদি থনম্ব থম্লুদে। শুলাপকী লৈরোনগুম তঙাংলবা চিনবান্দগী থাজরবা ইশৌ লাংবগী রাহৈ থরহু কনান খঙগান অতুম্বা হায়দোরকান য়াবা। অদুক ঈং-তপ্পবী মহাক্না শৌ-শৌ লাউগনবী, ঈংবা হৈজরবী, নম চেত্রবী সুদীগী থম্মোয়গুম মনাকীহু ওইরমগনি হায়বসে কনানবু হায়বা ঙমগনদগেনে! থুংশেমগুম থোই-থোইনরবা থা-মচেৎকী পিতুম রজনী অমদি মিৎস্না থবাল মানবী অতুদগী অহুগুম্বা ঙক্কোক্রবা অবীরবী মীৎয়েং অহু উগনি হায়বদি থাজরুদে। অদুবু মহাক্তি পুম্মক থাজবগী মায়য়োকনি। ঈশিং য়োংপা উগদবমখৈ নীংথিরবী চরয়দগী লেমববা হৈজরবী রাহৈ থরহু কনানবু ঙক্কবা ঙমগনদগেনে! অদুবু মহাক অমাম্বু মঙমদা বাবুমচাগী মকমদমক ঙমবীবী সুদী অমা ওইনা উহ। লৈ লৈয়োজা। অতৈ লৈনাশিংদগী থোংপা মেঙবা হেক্লি: অদুবু নীংথিরবী সুশিচুগী থম্মোয় অঙ্গুদি লৈয়োনগুম নৌরমজে। অদুবু বাবুমচাগী পুরাংদা ঙমবীবীহুবু করি ওইনা থনথিনগেনে! করিকিদমক্তা অদুক ঙমবীরবী সুশিনা বাবমচাতম্ব লেমহৌরিবা মপুন্দিহুবা নীংথিনরবা লৌরবহু

প্রকৃতিগী সুৎশেম মমকুম্ব অশোম্বা থাওবা মত্তে। লৈবাংগী লৈরোনশীহ মেজা শোং-শৌরবী মহাক্তৌহ কন্না ঙমবীদুগী থম্মোয় য়াথনবা। লৈথনা অশোম্বা থাওরবী নীংথিরবীদো থম্মোয়নুবী সুৎশেমদা লৈবাক্তম নৌরমজে।

—খুড়ামচা মতমগিবু ইখও থওবীত্রব্রাও। চাক ঊশিংবী মতমগিবু কয়ামুক ওলিবগে? নমং নখুৎনা লাখা কংলক্রবা. চৎকদবা লমী নশিৎনা উরক্লকাওবদা অমুক তাক্লহনা লৈখিগত্রাও! মীনাইনা মীনাইগী মখৌ মশক খওত্রবদি মপোক পুদিংদা মীনাইত্তা ওইদুনা তোক্লগদবনি মনিমদি খওজৌ খুড়ামচা !!

মীংথিরবী তখারবা চিনবাক্লগী খোক্রক্লিবা যুমুরেনবীগী থাজত্রবা ইশোৌলাংবগী য়াহৈনি। অহল ওইরবা বাবুমচা যুমুরেনবীগী য়াক্লবা খোনকমচু তাবদা মকাকী মাযখোক্লা ইকায়বগী মখি নত্তুনা য়ায়োবগী মখিদি তাখিবা নত্তে। অওকপনি ঈখয় নকাকী থুৎশেম! নকাকী থুৎশেম ময়ক্তা অমগা অমগা লোয়নবা য়ানবগীদমক বাবুমচাগুম্বা কয়াগ্গ নহাকী থুৎশেম ময়ক্তা নাচোম ওইনা লৈচল চানা হাপ্পীরম্মীদকো !!

চিনবাঙ্খোংলদি যুমুরেনবী জানেশ্বরীবু অত্থুক যুমুরেনবী অমা ওইনা শুংশিবগী য়াহৈনা চীয়োনগুম কাওখোকলুত্রবগু বাবুমচাগী থম্মোয়-সুংদা জানেশ্বরীবু শুংশিজবগী থম্মোয় ঈকৌ অঙ্গদি তক্তনা লাক্লি। জানেশ্বরীনা মহাকপু খীনা খীনা ঠৈজরগছুম বাবুমচা পেজবগুম তোই। যুমুরেনবীগী অখীবা খীচৈশিংদা বাবুমচা নোংমতস্থ পীগুম তুকখিব্রে। যুমুরেনবীগী য়াহৈ তাবদা মবুতো নক্সবাবুনা—

কবি তোরবগে জানে, সুমিৎ চুমগী ইশোৌদা লাংতুনা লৈরিবত্তবু! সুগী হায়বসিদি তপচর-ঈংজরগদা লেখনিদা। নওস্থ খম্মুনা য়েংডু কৈলোবগে—; খুড়ামচা অওাং নত্রে, অহল হায়বচ্ছ ওইশিনক্রে। অমুক য়াখা ইমুংগী থবক অসি অহল ওইরবা মহাক্না কনা লোমজহুনম্ম মতমজা হৌজিনশিল্পনা তোক্লে। মখোয়মু অওবা নত্তে খয়দি অহল অনিবা শীনা য়াইনা। খুড়ামচানে যেহিন নত্তেনে যেহিন …. ….। মখোয়মু মীশুংশি হায়বছু ইপক পজুত্রাও। খুড়ামচানে নও-ঐগী অহলবক্লি থমগদবনিনে জানে।

—হো খল্লরে, খওজরে। মপু-মনাই চপ হেক থারবা জাৎনি। হায়ক্লবদা ঐবুতা ককনী, ইশোৌ-লাংগদবনী, চীনগদবীনা হেক ময়াখা;

মীনাইনে—, মীনাইগী মথৌ তৌবা ভায়েদনা। ভলব পীক্লুনা থক্লিবসিবু করিগীদমক্কো? ভলব পাম্নবদি মক্লুগী মতিক ওকপা থবক তৌবা ভারেদনা। ঐখোয়গী য়াম্না য়াবা পেল ভানবা কাংদি। মাকৌনা পেল ভাম্নবদি মী পুম্নমক কৈদেনা য়াজরুনি।

পৌ-পৌ লাউবগী জ্ঞানেশ্বরীগী য়াহৈদিং অসি ভাবদা নম্ব কা মসুংদগী থোক্লকুনা—

ভলব পীক্লুনা থম্বা মীনাই ওইয়বদি নহাক্কা থুড়ামচাগী মতিক চাবা ভলবদি পীবা ওমত্রা অতুনি? খাদা লুপা কুশু অসিবু ভলবদা হায়বা, হানে মসিবু ভলবদা হায়বা?

হেনমক্লবনি! চাবস্রি কিকেংস্রি নোংমগী থবচস্রি ইমুংগী পেজাওদগী! হঃ কনানবু পু-থাং ওমজরুগবনো!

অসি হায়রক্লগা জ্ঞানেশ্বরী কেৎ হাইদোক্লুনা চংক্লিক্ক নম্বাবুনা থায়রুনা—

ঙাইখোনে জানে, নহাক কিজৎখিগুনে। অহল ওইরবা থুড়ামচাসে ধর্ম্ম কায়জদবনিনে। করিগীনো নহাক্কা চাক-ঈশিংগী মতম থরুদং খেঙথিবগীদমকপু অহুক ইপৌ লাংলিবনু? নোংম কাপোকস্রি মতম নংনদবা হৌরৈনা। মপাকস্রি নত্ত ঐগুবনি। অরাবা লাকই, চোকথবা লাকই। মসিদা করি পাউনীংঙাই লৈবকেপ? মহাক মীনাই অমনি। অদুবু মহাক্কা মীনাই অমা ওইদুনস্রি ঐখোয়না মহাকপু মী অমা ওইবগী নক্রগা ইথকথোংবা অমল অমা ওইবগী ইকায়খুম্নবা অতুনি ভাকথোক্লুরা? মহাকী অসিগুম্বা কিতম অসে মহাকস্রি খঙনীংবা নত্তে। ঐখোয়স্রি কনানা থঙগনি, মতমগী অকনবা নোংলৈগী শাহ্মনা হুক-লিলকুনা থুড়ামচাগুম ঐখোয়স্রি ওইরকপা য়াই হায়রবদে। মীওইবা পুখিংমক শিবা থারবগী নমম অসিদা তোপ্পুবা লৈরবনি। কীকুপ থরুদং হিংমিন্নুনা সংসার অসিদা লৈমিন্নরিরৈ চাক-চিজনা, পুংশিংবা গানমিন্নদি কৈদোম্বগে? থুড়ামচাসে কনাবু কুইনা হিংদুনা লৈখি-দবগেবে? মহাক্কা করিকীনো থুড়ামচাবু অহুক ভমখীরিবা। থুড়ামচাগী

অতিংবা থম্মোয়, অচম্বা পুান্নং, শাভনা হৈত্রবা রাশল পুন্নমক অসিবু নোংমা নহাক্না নীংশিংলকপা মতমদা অমদি নহাক্না চৈ-থাংথ্রিবা রাহৈশিংভু অমুক্কং থম্বনবগী মতম লাকপদা নীংঙমন্নবগী চৈনা অমা নহাকী থম্মোয়দা ফাওরক্লোইদ্রা ? হায়য়ুনে জানে! খন্দুনা য়েংঙু নহাকস্থ, খুড়ামচানা নহাকী মীপুংশি পকত্রবী রাহৈশিং অহুদা লোংমতা অশাউবগী কিজম উংখত্রা ?

—খঙদেকো ঐগীদি হায়রিবসিনি, হুইনাওবু চাল্লগা লৈতোল লেকই হায়বহু কাউবীরব্রাও? ঐভোন্দা আইনগী নমুনাকা তৌবিরকনু।

—মী খুদিংমক আইনগী মথাদা চৎপদি য়াম্না ফবা রানিনা জানে।

—আইন, আইন!

—ইমুংদা চৎনরিবা লোনচৎ থূদিংমক রাজনীতিনি। রাজনীতি অমা হায়বসে আইন থরদংতগী ওইরবস্থ মথা পোনফম থোকপনি। রাজনীতিবু কায়ত্রবদি ইমুং কায়বা হৌনদে। অচুম্বা মওংগী রাজনীতি চথরিবা রাজ্য অদো অঙ্গংবা পুয়কনি, মুংঙাইবা ফংগনি। অন্তুবু কদায় ঐথোয়গী ইমুংদি রাজনীতি য়াওত্রে। ঈথক থোংবা মীশক অমদা ঙাঙ-গদবা রাঙাক্ত, চৎকদবা লমচৎ পুন্নমক অমত্তস্থ তাত্রে, অমত্তস্থ উত্রে। মসি রাজনীতি য়াওদবগী থূদম নত্রা ? রাজনীতি য়াওদনা করম্না লৈবাব ঙাকদোরিবা, করম্না য়ুম্বানগদোরিবা! ইমুং অমা হায়বসে রাজ্য অমনি, রাজ্য অমা হায়বদি ইমুং অমা হায়বনি মসি কাউগনু। রাজ্য অমা লৈরবদি মপুঙফাবা আইন লৈকম থোক্ত্রা ?

অসি হায়রম্লগা নন্দবাবু মাগী কাদা অমুক চঙঞ্জে। জানেশ্বরী মখুংথোরু মুমা য়েংত্তুনা রাহৈ মচেৎ অমত্তা হায়দবমথৈ লেপ্তুনা লৈহৌই করিগুম্বা রাখল থর থল্লববগী মতংদা জানেশ্বরী মাগী কাদা অমুব চঙঞ্জে।

মুাথং অহু নন্দবাবু লৈত্তে। অহল এইরবা থাবুকচা শাজক ইথোক থোক্তনা মুংশা মরক্তা ইথোলগী মনা-মশিংবু ঙাকথোব

শেন্দোক্লবগীদমক শম্বল খাবা লাক্লরি। কালেম্বাগা ওইবনে অহলগী মতমগা! ওইবনে চোকথরবা বাবুমচা ঙহাক পোত্থাগে থন্দুনা ফমথরক-পদমক ঙায়রিই—

খুড়ামচা। খুড়ামচা! হাজিরা থুংশূরো? মতম লেমনবগীদমক শূবা থবক খুংশু ওইরবদি ইমুংদা ঙ্গুংঙাইনা পোত্থাবীরোলাও নচা সেবা তঙগে মীনাইনি কাউবীরবাও?

বেরেন্দাহ মথক্তগী নোথ-কোথনা ঙাঙলবা তহল ওইরবা বাবুমচাগী অরাববু উদ্রবী, মীঙ্গুংশি থহদ্রবী জ্ঞানেশ্বরীগা রাইনি। ফমথগে তৌরম্বা তোবথোক্নুনা জ্ঞানেশ্বরীগী মনাক তম্না তপ্না চঙ-শিল্লক্নুনা য়াম্না তপ্না—

অদক য়েংবদা ঈং-কপানী, নীথিরবী যুমগী মবেম্মা অমনা শৌ-শৌ লাউরবী রাইশিং অঙ্গ ঙাঙবদি পকচদেদা। অচৌবগী মতৌদি তকোনববু থীনা তৌবিবা নাত্তে। তকোনববু য়োকখৎপীবনি।

খুড়ামচাসে ঙসিদি মচিনগাস্থ খুমজ-লাকচ তৌরেনা। অহুনিদনা মহীকচাবী খুংরেনবীগী মতিক চাবা মীনাই হায়বদো। কলিদা মী অপাঙবা নৈ থল্লুবদি লাল্লমনেদনা। রা ঙাঙববু ফনা মচিন থোরগ্রেনে। নপুনা চানি অসিরো? হায়, রাঙাঙ নরায় লুবচৌ; এনা য়াদবা ঙ্গুমিত্তা লোইরবনি।

— মবেম্মা, এদি হান্নদা ছুটি ফংববু পামবনি। অহলগ ওইরকপা। মবেম্মগী সেবা ননীং থুংহনবস্ত ঙমদ্রে। ইমুংগী থবক ইনথাংস্ত নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমদ্রে; মীনাই অমা ওইবগী মতিক চাদবা হায়বদু এ ওইরে। রা অসি মবেম্মনা নন্দদা থর নাহৈথোকপীগদ্রা?

—চৎলোনা, নঙবু ছুটি ফংহনবা হায়বসে এখোয়নদুম হেন্না পামবনি।

—অদুবু নবুংঙো নন্দতদি ... ।

—খুড়ামচানা থঞ্জরিবদুবু মহাক লাক্লবদি খুড়ামচাগী নরালশিংদু কোকপীগনি অসিরো? এনা য়াদ্রবদি রা লোইরবনি। এসে কনানো হায়বা খুড়ামচাসে থঙবীদ্রমাল্লে, এসে য়ুম্বুরেনবীনিনে, য়ুম্বুরেনবী!

য়াক্লবা খোনফমগা লোয়ননা মথবাক্তা দক-দক য়ৈরত্নুনা বাবুগচাগী মফমদা হায়রকই। তাঞ্জা অসিদা নন্দবাবু কোম্হোংদা কারগী হোর্ন খোংলকই। হোর্ন মখোল তাবদা বাবুমচা পরপ পরপ চেম্হোবক্তুনা কোম্হোং হাংদোক্লে। নন্দবাবুগী কারদু তপ্পা থৌজিল্লক্তুনা গেরোজ য়ৌদ্রিবগে ইংখোলগী মচীন্দা খায়দুনা অহল ওইরবা বাবুমচানা নী থিনা খাজিল্লবা শম্বল অদু থোক থোক নোমদুনা হয়াওনা য়েংলয়গ গেরোজ তপ্পা অমুক কার অদু থৌজিল্লক্লে। বাবুমচা নন্দবাবুগী তুং ওইরপ ইমদুনা করিগুম্বা খরা হায়নীংবগুম, চিংখৌবগুম, য়াৎহৌবগুম তৌদুনা লৈ। মথ্বাই কয়া মুংঙাইনা উদে। মায়থেং অদু তশেং তশেংদে। মদু নন্দবাবু খঙদবা নত্তে। য়াসিবু হায়সিরা হায়নুসিরা হায়না ফনা কুইনা ফুম্বংনরুরবা ভুংদা—

ইবুংঙো, অহল ওইরবা খুড়ামচাবু মতম খরদি মীনাইফমদগী ছুটি ফংহনবীগদ্রা ?

—করি তৌরবগেনে খুডামচা ? হায়রিবত্নবু কবিনো ?

অহল ওইবনা শোঞ্জিল্লক্লবা হকচাংগী পাঙলনা মবেম্মা অমদি মবুংঙোগী সেবাদা নীং থুংলমগনি হায়বসি খুড়ামচানা উবা ফংদ্রে। অহল অমা ওইবগী ঈশ্বরগী নাম তাদুনা লৈবা পায়ক্লে। মীনাইফম থাদোক্নীংলবনি।

অফিংবা, শৌ শৌ লাউরবা য়াহৈ মচেৎ অমত্তা য়াওদনা জ্ঞানেশ্বরীনা মবুংঙোদা ওনশিল্লদুনা—

ঐখোয়সু খর খন্থবদি চুম্মীদা! অহল ওইরবা মীশক অমবু মীনাইশীংদা চলহনবসি ধর্ম্ম নত্তেদা!

কয়াদা পকচত্রবা শক্তা চুনরবা য়াহৈনো! বাবুমচানা জ্ঞানেশ্বরীগী চিনবাম্হোংদগী অসিগুম্বা য়াহৈ নোংমতসু তাবা লৈখিদ্রি।

—অদুদি জানে ···, অহল ওইরবা খুড়ামচাসে চহি কয়া য়ামিয়-রক্লবনি খুড়ামচা মীনাই অমগুম থম্বসি ঐহাকসু পায়জে। খুড়ামচাবু ইমুং অসিগী অহল অমা ওইনা থম্লসি করি কায় ?

—নত্তে ইবুংঙো মতুম্না তাকপীগনু। ঐ ···

মরক থৎলদুনা নন্দবাবুনা—

নত্তে খুড়ামচা, মতম কুইনা রাগিম্নরক্লবা ইপা-ইচানি, নচাগীদা অমুম্মক পুন্সিচুপ্পা লৈমিন্নবদা খুড়ামচাগী নীংবা থুংদবা করি লৈবীবগে? খুড়ামচানা নচাগী য়ুম থাদোক্লুনা চৎখ্রগা মফম বদাম্বদা খুড়ামচাগী পান্থুং ওইরুগদৌরিবনো হায়বত্ন ঐহাক খন্নবা ঙমদে। নচাগীদা অমুম্মক ···।

—করিনা হায়বীরিবগে? মী অমবু মী অমগা মথা পোন্দুনা পুন্সিচুপ্পা লৈগ্নি হায়বসিবু কননবু য়ানীংগদগে? খুড়ামচানা অপাম্ব-ডুমক তেংজসনু কৈদৌবনো?

অতল ওইববা বাবুমনা য়ুগা রাখল তৌদুনা লৈ। নন্দবাবুনা বাবুমচাদা ওনশিল্লদুনা—

খুড়ামচা নচাগীদি হায়জরিবসিনা লেপ্লবনি। খুড়ামচাগী রাখলদবু ঐনা হায়জরিবসি ইয়ামক য়বিনীংদ্রব্রা?

—ইবুংঙোগা তৌবিমল পুন্সিচুপ্পা কাউজারোই! ইবুংঙোনা খুড়ামচাগী মাঙলনবা বৈনৌনুংদসু তৌরোই হায়বদি খুড়ামচাসু খঙদবা নত্তে, খঙডি। মমাংদৈদসু তৌখিদ্রি, মতুংদসু তৌরগাই খঙ্গে। ইবুংঙোগী অপাম্বত্ন ঐহাক্তসু অপাম্বনি।

বাবুমচাগী রাহৈ তাবদা হরাওরবা মায়থোংনা জানেশ্বরীদা য়েংলদুনা—

তারেদনা নহাকসু জানে! নহাক্লসু হাংখ্রে "খুড়ামচানা অপাম্বত্ন তৌজসনো কৈদৌবগে" খুড়ামচাবু, নঙ-ঐগী অহলনি হায়বদা চিংনবা লৈত্রেদনা।

অসি হায়রয়গা বাবুমচাবু নন্দবাবুনা ইমুংদা পুশিন্দুনা চঙ-মিন্নখ্রে। মপু-মনাই অনীডু জানেশ্বরীনা মুম্না য়েংদুনা লৈংহৌই।

সরকারগী হুকুম মতুংইন্না মুমিৎ থরনিগী ওইনা নন্দবাবু দিল্লি তম্না চৎখি। নন্দবাবুনা চৎখিবা হুপ্লি কোনবদা য়ুমথংননা লৈবা

ডাঃ সোরাবজীনিগী সনা মুহর অহুম-মথায়গী লীক অমদি খুদোংপ খর মাঙলে। থোক্লিবা থৌদোক অসিগী মরীদা অহুম থিগৎনরকপদা সোরেবজীনিগী মচানুপী অত্তানবী চহি ৭/৮ শুরক্রবী অদুগী মচীন্দগী জ্ঞানেশ্বরীবু ইন্সপেক্টরনগী খবক খরা পাযখৎপা তারে। পুলিস কর্ম্ম চারীশিংনা মখোয়না তৌফম থোকপা মথৌ খরা তৌবা তৌবকে। অঙাং অদুগী স্টেটমেন্ট মরীক চুনে। স্টেটমেন্ট অদুগী মতুংইন্না মীপুম খুদিংমক জ্ঞানেশ্বরীতবু চিংনখে। তুমিৎ কযানি পুলিস কর্ম্মচারীশিংনা য়াম্না চেকশিনা কৃপথনা ইনসপেক্টর ...বদগী থোক্লিবা ঘটনা অদুগী মকওইবা দাগীশদ জ্ঞানেশ্বরীনি ...নবনি খঙলে। আইনগী মতুংইন্না জ্ঞানেশ্বরীবু খবক মখা চখবগনা ফারে। অদুগা মকওইবা থৌদোক অমসু সনাগী ইনসপেক্টর লোইবমদ ইগী অহিং অমদ ডাঃ সোরাবজীগী মচানুপী অত্তানবী হান্না মরীচ ...না। স্টেটমেন্ট পান্না ...চ... মথক থংবা কদা শিনা লৈরমে। ...শন চাবা ...থ... ...দ মপোপ কায়দন লৈরমী। কা অদুগী ...কো... মী চ... ...না। ওম্বগী ওইথোকপা কায়বত্র লৈতে। থনথননা থোক্লিবা থৌদোক অদু অত্তাবা মীশিংনা মিপাইনখিদবনি ...। অঙোনবদা থোক্লিবা থৌদোক অসিগীদমক অমুক লেঙোননা পুলিস কর্ম্মচারীশিংনা অকনবা এক্সন পায়খৎলে। ইন্সপেক্টরগী খবক্তা হন্দক্তি কথা মরীক চুম্বা ওমদ্রে। জ্ঞানেশ্বরীতা নত্তনা মরী লৈনবা চিংনবা মীশক কযাসু পুলিস কর্ম্মচারীশিংনা অকনবা এক্সন পায়খৎলরে। শিরিবী মুপা-মচাদু জ্ঞানেশ্বরীগী অরোনবা মীশক খরনা খুদোংথীবগদা ইনশিনবনি। মরাল লৈত্রবা মীওই কয়াদা অমদি মবেম্মা জ্ঞানেশ্বরীদা তারিবা দশা মতৌ করম তৌরগা খরনং কোকপা ওনগদগে হায়না বাবুমচা হন্না হন্না খননা হৌরক্লে। মহাকপুদি অহলগী মতমগা ওইশিল্লকপগা অমদি

গীসু মথক্তা মহাকী মপুনচেল ফজবা, নোমুকপা ময়াম অসিনু মীপুম খুদিংনা খঙবনিনা হাযরিবা দশা অদু বাবুমচাগী মথক্তদি তাদ্রে।

চহি কয়ামুক্কী মমাঙগী য়ানি। মবুংগো নন্দবাবুনা এডভোকেট ওইরিঙৈগী য়ারীনি। মতম অদু সহরগী মচী মচী থুদিংদা হূয়ান-চীন্থিগী মরমদা ঈরাংত হৌদুনা লৈরম্মী। শেঙ্গাও পায়বা কারবাররাবা অমদি অতৈ অতোপ্পা মহাজনশিংদি মিকুপ অমত্তা ফানা পুক্নিং লৈতাবা ফংজরংদে। অমুম্না মতম কয়ামুক্কি হূয়ান-চীন্থিগী ঈরাং কয়ামুক হৌদুনা লৈরম্মী। মরাল লৈজদ্রবা মীশক কয়াসু অরাফমদা তাদবা মক্তে হূয়ান-চীন্থিগা নক্তুনা মীহাৎ মীপুনগী থবকসু তোয়না থোকপা হৌবক্রে। অমুম্না ঈরাং হৌবনা সহরগী মকম কয়ামুক্তা লৈতাবা ওম্মকদ্রবা মতুংগী নোংমা অহিং অমদি হূয়ান'-খুৎপুগী লুচিংলম্বা মীশক খর পুলিস কর্ম্মচারীশিংগী মখুত্তা তারে। মখোয়গী মরক্তা জানেশ্বরীসু লুচিংবী অমনি। পুলিস কর্ম্মচারীশিং অমদি এডভোকেট কয়ানা মতম চঙনা লৈনরবা মতুংদা জানেশ্বরীগী মরাল করিনো অমদি মতৌ করম্না মহাক্না অসিগুম্বা থবক অসিদা মায় ওনশিল্লুবনো হায়বদু চপ চানা খঙলে। অদুগা মসিগী মমাঙদা জানেশ্বরী লোম্না অথেঙবা অহিং অমদা চেল্লক্তুনা পুলিসতা সরেণ্ডর তৌজগ্রবনি। অদুগা তশেং-বসু জানেশ্বরীগী উপায় থরনা পুলিস কর্ম্মচারীশিংগী পাঙ্গল ওইখিবনি। ডাকুশিং অদুগী মীয়ুংশি পক্তুবা থোদো অমদি থোদোক কয়ানা জানেশ্বরী পেল্লক্তুবদগী থোদোক অদুদগী মায় ওন্থোক্লগে খন্দুনা লোম্না পুলিস কর্ম্মচারীশিংগা য়াতায়রুনা ফজ্রবশিং অদুবু মখোয়গী মতিক-চাবা দণ্ডি ফংহনবা লম্বী জানেশ্বরীনা শীল্লকপনি। অসিগুম্বা মরম কয়াদগী জানেশ্বরীবুদি অরাবা দণ্ডি অহু ফংহন্দ্রে। মসিগী মতুংদা পুলিসকী তেংবাং পীবা হৌখিবনি। মতম অদু জানেশ্বরী মপান্থোংগী মীৎয়েংদদি অমদি চৎনবীগী মতুংইন্নদি লৈশাবীনি। মতম অসিদা এডভোকেট নন্দবাবু জানেশ্বরীগীবু মরমচৎ চুমথোক্তুনা মহাক্কী লোয়নবী অমা ওইগে খনখিদবা নত্তে। য়াথলগী মতুংইন্না নন্দবাবু নহা ওইবগী ফাথবা ঙমদ্রবা য়াথলগী ঈহৌ অমগা লোয়ননা জানেশ্বরীবু লোয়নবী অমা ওইনা লৌশিনখিবনি। নন্দবাবুনা জানেশ্বরীগী লমচৎ চপচানা

খুঙদবা নত্তে। অদুবু মীওইবা পুন্সী থম্মোয়গী মথা পোনবনি। মীওই-
বগী রাখলগী ঈথৌবু কনানা থিংদুনা থম্বা ঙমদ্রবগে ?

আইনগী মতুংইন্না জ্ঞানেশ্বরীগী মথক্তা এক্সন পুন্সী থোক্লিবা থৌদোকশিং অদুগা মরীদা পানশিন্রে। মদুগী মতাংকচাবা দাগু অদু জ্ঞানেশ্বরীনা যংবদা তাদে। পাউ অসি তাবদা বাক্‌মচা মথং [illegible] শোক্লা সুংঙাইজদে। নন্দবাবু খোকখিবা থোকলোক অসিনা সরানা খুঙইনখিবা নৈতে।

অমাবস্যাগী অহিংনি। মঙ্গনা অসিনি হায়নাইঙাক নৈন্রে। অসি গুল্লবা মতম অসিদা যিজোলতনা শবলোইনবা নিপা অনৌগা [illegible] নৈতনা বিজুলিগী মঙাল রক্তা চংশিন্‌লবা মথনগী [illegible] তশেং তশেংনা উরে। মতমদা বরিগুম্বা অথুকপা [illegible] থম্মোয়দা ফাওদে। মখোয়না লান্নিবদু [illegible] হায়না মীগী মচান্দগী খঙনবনি। মখোয়না লান্নিবদুগী অহিংনা [illegible] অমা ওইনা থোঙ লোনশিন্দুনা থম্বদু বাক্‌মচানা [illegible] অদুম্তু হাংদোক্লুনা থম্বা থোঙ অদু ফাওনা মথকথবা [illegible] ইমুংগী লেদরদা গপ-গপ কাপ্‌ইন্নে। মতু উবদা বরুমচানা চাং লেম্না—

নখোয়না লান্নিবদু নবেম্মা জ্ঞানেশ্বরীনা শীনস্সা থৌরাং অদু [illegible] থোক্লবগীদমক নত্রা ? ঈ তৈরবা ঐগী মঙ্গলনবা [illegible], ছুবা কনায় ঐঙোন্দা পীযু। নবেম্মাগী থৌরাং অদু ঐনা [illegible] য়ারি। য়েংঙু, য়েংবতা কল্লু অহল ওইরবা ঐহাক্কী থৌরাং। থৌরাং অসিগী মবেম্মাগী অরাবা কোকপা হায়বদু ওইগনি। অদুগা ইংলেন্দর বানয়গী মফমদা ঐগী মায়মোক্তা রাকথলম্মু।

অসি হায়বগা লোয়নবা বাবুমচা মিংশেল মচেৎ পায়দুনা মপাম্মোন অনীদু ঈহং নাইহং শানা খোত্তংলে। মপাম্মোনগী খোত্তুৎলিবা শদোং মচেৎ থরগা কা অদুদগী থুনা চেপ্লোকখিদুনা তাং সোবোক্তানিগী থাজিলিবা চেকপল অমগী মথক্তা খ দিবা [illegible] থম্লুরে। ঈ দ্রোপ থরদু চেকপল অদুগী মথক্তা [illegible] হনে। [illegible] ঈ ইঙবা

ফীজোল অতুদগী পাম্বী-কামথী মরক্কী থবক ইং লাংহল্লে। হায়রিবা চেকপল অসি মনীং-ময়া ওইবা পাম্বী-কামথী মরক্কী চেবপননি। পুলিসশিংনা ইন্সপেক্টর তৌবা মতমদা মফম অতু মৌশিনখিদে হায়বা বাবুমচানা খম্বনা থবক অতু মফমতুদা পাংথোকপনি। বাবুমচানা হঙ্গিল্লকপা মতম অতু ফাওবা ডাকু অনীতু বাবুমচাগী মতৌ য়েংতুনা লৈরম্মী। অহল ওইরবা বাবুমচা মবেম্মা অমদি মবুংঙোগী ইজ্জৎপু কন্নবগীদমক তৌবিবা থৌরাংশিং অতু উক্না য়েংলম্লগা ডাকু অনীতু রা মচেৎ অমত্তা ঙাঙলমদনা অদুম কনপ্রে।

পুলিস কর্ম্মচারীশিংগী মফমদা থোক্লিবা থৌদোক খুদিংমক অহল ওইরবা মহাক পাংথোকপনি হায়না রাবহলরে। ঈ তৈরবা ফীজোল খুঁর পুন্নমক থৌদোক অতুগী মরী লৈনবা পোৎশক্তি, মবেম্মা জ্ঞানেশ্বরীগী মরাল কারিসু লৈতে হায়না রাবহলবে। নুপীমচা অদুনা শিরন্নিবা লাতুম্ মহাক্কী থারাংনি। মহাক মশামক্না পাংথোকপনি হায়না চেক পালদ লৈরিবা হকচাংগী শতুম, ঈ পুন্নমক পুলিসশিংবু মীৎয়েং তাহল্লে। পুন্নমক অসি নুপীমচাতুনা শিখিবা অহিং অদুদা থোকখিবা অমনি লৈহৌবা খুদমমক্নুনি হায়বা উৎলে।

রাকৎ মতুংইন্না অমদি মরীক চম্লবা খুদম কয়ানা জ্ঞানেশ্বরীবু মরাল লৈতে হায়দুনা খাদোরক্লে। জ্ঞানেশ্বরীগী মকোকথক্তা নপ্রম্বা তরাবা পোৎলুম অতু অহল ওইরবা বাবুমচাগী মফমদা থোংগৎলরে। মবেম্মা অমদি মবুংঙোগী ইজ্জৎপু কনবা ঙমজরবদা বাবুমচা মে লোন নোকচখিদবা নত্তে। বাবুমচানা অরাফমদা তখিবা নুমিৎ অদুগা মথংগী নুমিৎমক্তুদা নন্দবাবু থুংলরে। নন্দবাবুনা য়াম্না থি হয়বা মতুংদা থৌদোক অতুগী মরূ ওইবা দায়ীত্বদি জ্ঞানেশ্বরীনি হায়বা খঙলে। মসি খঙবগা লোয়ননা জ্ঞানেশ্বরীবু ময়ুমদগী মপুন্সিচুপ্পগী ওইনা তান-খোন্নগা বাবুমচাবু খুদোংথীবা অতুদগী কঞ্জরগা লৈমিন্নগে খল্লে।

মসিগী মতুং লোংমদি বাবুমচাগী মফমদগী নন্দবাবুনা চিঠি অমা ফংলে। মবোলদি —

মবুংঙো—

ঐ ঙসিগী থানা ৭ নি শুরে মযম অসিদা লৈরিবসি। ইবুংঙোনা অশেংবত্র খঙবীরদুনা ঐবু লৌথোকপীগে খল্লিবদো করিবু তৌরুগবনোদা। মবেম্মা জ্ঞানেশ্বরীবু অরাবা পীবিরুগনু। ইবুঙোনা ঐহাকীদমক্তা শেল অরেম্বদা তিংংনবীগনু। ঐনা ইবুংঙোগী সেবা তৌদুনা লৈরিবেঁ অফংবা শেলদুগী লেমহৌবা খর খরদং তুংশিঙ্ঙদুনা লুপা চহুমদং লৈবত্র মথোং-মরম খঙখিদবা তারে। ইবুংঙোনা মদু খর শীজিন্নথোকপীয়ু। চাকখুমগী ফৈরা অমা লৈবদুগী লৈগী পোলাং অদুদা য়াওদুনা লৈগৌরে। ইবুংঙোগী য়াইফবা ওইসনু। ইতি—

নহাক্কী,

বাবুমচা।

চিঠি অদু পাবদা নন্দবাবুগী পুক্নীং অদু পুমওন ওনখ্রে। অরৎপা লৈত্রবা পিরাংগা লোয়ননা বাবুমচাতবু নীংশিংদুবা লৈখ্রে। বাবুমচাগী থম্মোয়নুংদগী থোক্লকপা মপাউখোল মতুংইন্না জ্ঞানেশ্বরীবু অমুক মমুমদগী তাম্থোকে খন্দ্রে। বাবুমচাগী রাখলদা করিগুম্বা খর অম্মুম খন্দুনা লৈরিবেঁ জ্ঞানেশ্বরী চঙলক্কুনা—

খুড়ামচাগী কেশ অদুবু ককথৎপীখ্রবা?

—নহাক্না নহাক্কী তুকচ্চরবা লমচৎ. শাজৎ, রাঙাও-শাঙাও অদু হোংদোক্কে হায়না রাশক্লিমখৈদি ঐহাক খুড়ামচাগী কেশ ককথৎপা ঙম্লোই।

—ঐনা হৌজিক রাশক্লবদি!

—অদু ওইরবদি খুড়ামচা হৌজিকমক পুরকপা ঙমগনি।

—ঐহাক্না নহাক্কী নশা পায়দুনা রাশক্লিবসীনি—মতীক চারবী সুপী অমনা চৎকদবা লমচৎপুম্বা ঐহাকসু ঙাক্না চচ্চগনি। মসিবু করিগুম্বদা কায়রবদি মপুরোইবা অমগী মকমদা হায়কম খঙদনা লংজরবী সহধর্মীনি অমনা কংকম থোকপা প্রায়শ্চিত অদু কংবা ওইসনু।

— কয়াদা রাশি লৈরবনো। মহুম্মা নহালমথৈ বুন্দুরেনবী অমনা [illegible] থোকপা রাগাড শাজিন্নবা [illegible] ?

জ্ঞানেশ্বরী [illegible] নদবাবুনা মথুদাংদা শিরিবা [illegible] জ্ঞানেশ্বরীদা হঙ্গৎনা য়েং- [illegible]—

[illegible] থোকপা চৎকদৌরিবনি। [illegible] ওইশিন্নরে, চৎননবা [illegible]।

[illegible] গোয়শনা ইম্মাল [illegible] তৌরম্বা [illegible] মতুংদা [illegible] [illegible]

[illegible] ১৫ [illegible] [illegible]।

[illegible] [illegible]।

হৌজিক জ্ঞানেশ্বরী হৌরিবা মতাক্কী [illegible] অদুগীদমক নিন্দা ত্তৌবা হৌরক্লে। রাইহেশিং [illegible] মিবুম [illegible] জ্ঞানেশ্বরী নীঙমদনা হায়বা মৈগী বুগুন্দা [illegible] লংশিন্‌দ[illegible]। "কনা লৈজদ্রব অহল অগদা লঙজরুবা ইরালগী চৈরাক হংলপদ্রা ঐঙাকপু! হন্দক্কী মপোক্তস্থ ইমা ইপা শক খঙদরে, লমমো-শারা ওইররে। হয়েংমুক্কী মপোক্তস্থ ঐবু ইমা-ইপা শবখঙগনি ঘাঙদ্রে। অহুবু পূকচেল তপ্লবা খুড়ামচা। নচাগী ত্তৌবিমল খঙদ্রবা রাইহেশিংদা

নহাক নোংমতা রারোখিদে। ওসিস্থ নচাবু রারোবিগনুকো। হন্দক-মুকী মপোক্তদি ঐগী সেবা তৌদুনা নপুন্সি লোমখরে: হয়েংমুকী মপোক্তদি নহাকী নচা অমা ওইনা সেবা তৌজববু ফংহনবীয়ুকো।"
অসি খন্নবু জানেশ্বরী মীৎলু পিরাং কংবা লৈরক্তরে।

---

# "খঙ্গরম্নবদি !"

## ( ৩ )

মতম্দু [illegible] লৈমিল্লে। মা পুম্নমক শিথরবা মৈকু কোন্দুনা তুম্নীংবনা [illegible] চংদুনা মচিং চাউনরবা মতম্নি। মুংশিংস্ [illegible] রিলিরি তুমি। [illegible] ইংলনা মনম্ তত্তুদা পারবা [illegible] তুপ অমনা [illegible] ইংেশি মালিকচু [illegible] মখা ড্রা মুংশিংমী [illegible] তুম্ব। [illegible] তুমদ্রবা পোদোন অমগী মৈরীগা [illegible] [illegible] । মরক মরক্তা ইংেশি মালিকাচু খোঙ [illegible] । [illegible] ইংলবা মুংশিংনা [illegible] লাউ। [illegible] মৈরাক্তু মরক মরক্তা [illegible] থঙ্জিল্লি।

— য়েক্কম য়োনবীগী লৈবীবা [illegible] শিকি [illegible] য়োনবীতুনা লৈখীবা হরাউথরাক [illegible] [illegible] লৈখীবা হরাউ-[illegible] পৈশা কয়া [illegible] ... ...। উংাক রাখল [illegible] [illegible]— [illegible] লুপা অমা মথায় : চকু য়োংবীনা [illegible] পাচং [illegible] শিকি অমা, [illegible] কয়া খোক্লু [illegible]— [illegible] উংাক রাখল তৌরবা [illegible]— পুম্না লুপা [illegible] থোকপ্রা, মত্তুগী অনা অমদি তোংলে। লেয়ম্লিবা এঙ্গাং [illegible] অনিগাদ [illegible] তোংগদ্রা ? মোংমদা চেঙ সের অনী থর [illegible] বংলিব এরগী ইমুংদা এঙ্গাং নাপী য়োম্লুবগী শেন্দোং মথ য় অংগিনা কয়া তোনগনি। থারিকথগী মচে থরোগী লুপা ১৫ তোনবদু [illegible] পীগনি হাংদোকপগা। শেল শাগৎ-পমজ্ঞদা চেঙগকাম্ব অমত্তা রাম্লক্কে। লুপা মচাশিংগী ফিশামন থৌরুবম্ব ফি শিত্তে হায়দুনা পায়ক্কে, মচিং মচিং লোমনা তৌরব্রা কৈনে। ফি হেক [illegible] এগা খিনুদগী [illegible]

পুন্না মচিৎ মচিৎ লুপা হুক্‌ন্দি স্থগেসে। লুপা মঙাখক্তা ঙায়রবনি ফিশামন লোইগদবা। মচিৎ মচিৎ লৌবদা হঙোইরদুনা মরক মরক্তা লংফেন য়োম্বোকপমক্তদা লুপা ১০, অমস্থ শোকচিল্লবনিসে, মহিনা অমুক কদায়দগীনো তৌগদৌরিবা! কিদি ওখ্‌ায় খরদমক হেন্না চঙ-শিল্লকপদা মঙায়রি।

অস্থম্না শোন্ন-শোন্না পোদোল অত্থ নাকচেপননা পায়রগা শেঙাউ অত্থুদা হুমজিন্দুনা শেল থী—। মনুমদগী শেঙোই ওইনা পুবনা কয়া, শীৎলিবা শেলশীৎনা কয়া অমমম ওইনা পূনশিল্লকই। লুপা অমা হোৎনা লৈরিবদু উবদা মালিকাদেবী ওলাংথাগী যাঙবদা শাংৎপী লৈরাং মালিক-শুম মশাত্থু নাউশোন্নবা হৌরকই। চৎলম্বদগী চপ লেপ্তুনা মুঙ্গ রাখল তৌই। করিদা শোয়খিত্থনা, কনাদা হেক্তিনখিন্দুনা হোম্নিব নুপাগো। তক্তনা খল্লি। কাইনথংদা, কৈথেল বুম্নমদাই ওন্নক্তা কানিয়া মচা অমা হোবে হোবে লাক্তুনা শেঙোই কায়খিবদা কৈথেনথিবা ওইরম্বা তাই খল্লকই। শেঙাউত্থ মখক মখা থোক থোক হেক ওম্বোকপমখৈ মখায় চৎপী অনীখক য়াওখিবত্থ হন্না হন্না য়েংলকই। কৈথেলগী ঙাল্লবা মৈঙাল মরক অত্থদদি ইনেশি মালিবানা মখায় চৎপীশিত্থু পৈশা কুন-চৎপী ওইনা উরক্তরমান্নে। থৌজিক্তা মখায়শিংত্থু মমিত্তা শং-শং উরকই।

—লমশিগী মচাগী কানিয়া মচা!

অস্থম্না চৈর চৈরত্থুনা কোম্বোঙ লানশিল্লক্লে। ইনেশি মালিকাদি পোৎ লোইশিল্লমদাইনি শেঙোই কায়বা তৌহৈদে হায়ত্থুনা ফনা য়াক্তদবনি। অত্থবু কানিয়া মচাত্থবু ইনেশি মালিকাগী শেঙোই নল্লবদি অতৈ পোৎয়োনবী অমদি ডুকান্দারশিংগী শেঙোইনা শেঙোই নত্তবশুম খল্লবা কৈনো, ইনেশি মালিকাদগী নম্লৌ হেক লৌথি।

মাঙোল দাড়ী কাথক্তুনা থোঙজিন হেক কানশিনখিবদা মালিকা বিভুলা অমা ইচু হেক চুই। মমুংনা ঙল্লবা কা অত্থদা থাউ য়াওদবনা কংলবা দোবীনা তাঙ্গোই তানা মুৎলি মুৎলি ঙাল্লম্বত্থ থেংনরক্লই।

মাগী পোদোল অদু ইমুং য়ৌরকপদগীদি কা অদু মমিৎ মমায় খর পাঙবোই নীংই। ইমুং অদু মমা মালিকানা পুরকপা এঙ্গাং-নাপী, চেঙ-হরাইনা থোং-থাকনি খন্দুনা সুমিদাংগী চরা লাঙলমদ্রি। মী তুম্ন-হিপ্নগ্রবা মতুংদা চাবা থকপা হায়বসি মখোয়গী ইমুংগী হৌনবীনি। মরমদি এঙ্গাং অনৌ-অপেৎ খর তীকচরগা মদুবু য়োল্লুদুনা ফংজরকপা খরদুনা মখোয়গী জীবিকা ওইনরিবনি। ইয়োঙদগী ফংবা শেলনা মরক্কী অহোবা মেন্নবা হায়বদুনি। মীরোল লৈতবনা ইয়োঙস্তু কুম পুই। মমা ভাইবা ওইনা মালিকাগী মচা নিঙোল অনীদু ফমুংদা হিপ্তুনা লৈরম্মী। পিবা য়াওদে। মমাগী মখোল তাবদা অনীমক চপ-মান্ননা হৌগৎলক্কুনা মমাগী পোৎয়োম যাক্লে। অতোপ্পীদুমদি রাহং পাউহংলম্বা তোদনা হান্নগী মতৌগুম চাকখুম তন্না মফি-মরোল হোংদোক্কুনা পরপ পরপ চঙখিদুনা মৈ চুখৎপা কন্না হোৎনরি।

ইনেশি মালিকা মপুংরাইবা কায়নরবী, মরায়বক থীরবী লুপ্রাবীনি। মহাক্কী মতেঙ পাঙবীনবা হায়বদু চহি ১৬/১৭ হায়রক্লবী মচা নিঙোল অহন্দুনি। অতোনবী তদুদি মমাগী মতেঙ পাংগে হায়বা রাখল পোক্লি। মালিকা থোইদোক্লা অহল ওইদ্রি। ফিভমনা য়াদ্রবননি। মচা নিঙোল অহন্দু যমুনা কৌই। মহাক্লা খর জ্ঞান তাই, শেগ-মাইগা ভাথোক-তাশিন্নবা সুংঙাই, ইমুংগী লৈত-লায়র খঙদি। অতোন-বীদুমদি অঙাংদ অঙাং কায়বদুনি। খর মীকি-লাইকিদনা হৌরকপী হৌজিক লাকপা রাখল তৌজিকমক পাঙথোক্কে কায়বা মীওইনি।

যমুনা মমাগী পোৎয়োম ফাকলুবদা সুমিদং থোংননবা চেঙ চরা য়াওরমদ্রবদুদা মনাওসুপীগী মতৌদুবু ঙহাক লেপ্তুনা য়েংলম্নগা তুমিন্না মপান চোকখ্রে। ইনেশি মালিকা রা-লান ওাঙশা লৈতে। মচা অনীগী মতৌদু থম্মোয় কায়না য়েংলি। ইমুংগী ওইরিবা সমস্যা অদুদা যমুনা মুন্না খল্লুবা হোরক্লে। ইমুং অসিদা মপাবুংনা লৈরিঙৈ মতমদা ওইরম্বা সুঙাই-য়াইফবগী মওং অদু শান্নবা মঙাল অমগা লোয়ননা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অদু চাংদমদুনা নীংশিংলকই।

চাংদমদুনা

মনাওনুপী গঙ্গাগা মমাগা নরিগুম্বা খর ঙাওনরিবদু যমুনা নাশোয়না তায়। চেৎগী নত্তনা অতৈ ওইরম্লোই হায়বসি খল্লদুনা ঙংখৎনরিবা রাকৈশিং অঙ্দা থোইদোক্লা যমুনা পুক্নীং লূপশিল্লুবা তৌদ্রে। মহাক্লা খনগদবা রাখল অমদা য়াম্না মপুক্নীং সুংঙাইতনা মাঙ্গোল উথোক্লেন অমদা ঙাক্লুনা অস্থম লৈ। উয়ান কায়বা 'কোক' লাউবা মখোলদুনা যমুনাগী রাখলা পুম্না লেং কল্লে। মুমিদা চরা মংদেবগী গঙ্গাগী ষ্ট্রাইক তৌরিবা ওইরিগনি হায়বসি যমুনা খঙদবা নত্তে। নাশেবা মাপুম খুদিংমক চরাম্নবা লোংশাগুম্মী হায়বগি যমুনানা হংলুনম্বু—

গঙ্গা, নঙ অসি ফনম্ন জ্ঞান ওবা য়ারবাংদে। উয়ান অসি থুগাইরগা নহাক্কী অরাম্বংবু কোকদে। নহাক্লা ওই চরা অমা শোয়বগী শাউদুনা ইমুংগী পোৎচৈ পুম্না মচৎনা তাকহনখ্রগনি। মচা অবাব অদুদি কনাদা তাকোগনি হায়বা নহাক খঙলদ্রা? লোকবগী চাপ চরা শোয়রিবা নত্রা? লৈরবদু মমা মপা ওইবা নঙনা মচাশিংবু পীজনীংদবা কনানে? ইমানা পাই অমগুং মতো নরম লৌরগা ফংগদগে খনবদা চরম কংলে। অদুগা নহাক্না ইমাগী অরাবসি উশনখঙজনগেদি হায়রদুনা রাবনা চরম কংলবা ইমাগী মথক্তা অমুকস্ত অরাবগী পোৎলুম থোংগৎলিবা নরিগীনো? ইমুংদা তারিবা, নঙনা ঙসি চেগাই ওইহল্লিবা উয়ান অসি উয়ান্রি হায়না খনব্রা? মসি নহাক্লা উয়ান অমা ওইনা উরবস্তু মসি উয়ান নত্তে। শাল্লবী ইমাগী হকচাংদগী শিন্থরকপা, রাখলতনা কংলবা ঈরাঙনা ওইথ্রিবনি হায়বা নহাক খঙগদবনি। মতৌ করম্না ইমাগী মতেঙ থরদং ওইরবস্তু পাংশিনসিগে হায়না খনগেদি হায়রদুনা নহাক্লা ঙাংশিন্নরিবা করিগীনো? মতুং-মনাও মদুম্না তৌরবসি শোল্লবা ইমাগী কংলবা চরমদা থরদং পকচরিবা ঈরাক অসে নহাক্লা হিংচাবীগী মতৌগুম চূপলবনি হায়না খনগদবনি মহুগী প্রায়শ্চিত্ত অদু নহাক ফংবা ওইয়ু।

অশাউবা শকফম উত্রবা যমুনাগী রারক রাকৈনি। হিংসাগী মথক্তা অহিংসানা জয় ওইবগুম শাউবা লৈত্রবা মচেগী রারক রাহৈদা

গঙ্গা মায়থীরে। মহৌশাদি চোংশিন চোংশিন্দুনা মচেগী চীঙ্খক্তা অরং-অরংননা থুরম্মনি। অদুবু ঙসিদি মমিত্তগী মপিগা লোয়ননা লুকথদুনা মমিৎ হুক্কৎচদবনা গঙ্গাগী লমচৎ ওইরে। মচা নিঙোল অতোনবীগী কোংলগ্নিবা রাখলগী মকৌ. অমদি যমুনাগী ঈংলবা রংরক রাকৈ, অনিগীস্তু মথক্তা কুংশিজংবী অনীতা ঙায়জরবী মচা নিঙোল অনীবু চানা শেৎপদা মনীং থুংংবা ঙমদ্রুনকো হায়ব, রাংল মথাঙ্গা লৌনি ওনবদুনা, মালিকা কেবী লৈরাংনা য়াচংবগী মংমদা হুন্নিবা মালনা লেশোকগী শেংনদোনবদা ঈরৌক শিঙ্গনা নাংঙমদ্রবা থম্মোগ, লেংমননা কেথা নাওইবগুম ইনোশি মালিকা শুৎ শুৎ ব'চা।

খুনাং অদুমা মালিকানা কৈথেলদগী লৈরকপা ঙামোক থর মং, ওংবা মক্ক থেমজক্কদুনা চাক্লবগ লেঙ্গগে থংবনি। অদুবু মচাশিংগী মতৌদুদা ওু থাইরমান্ন, নৈথেলদা য়েহ্যবগা কেম্নকপা এগাংনাপী থরদু পুবদুনা হুদা হুদা থারিকথাগী নাক্তা লাক্ল। মতমদু থারিকথাদি তুমগদবগী ফমুং কাথৎপামকপু মঙায়রি। মালিকানা থারিকথাবু কৌরদুনা—

থারিক, থারিক! তুম্বরাও?

—করি হায়বগে ইনমশি, তুমদিরে। তুমগে ঙৌরনিবা।

থারিকথনা তম্না হোংগৎলক্লুনা থোঙ হাংদোন্নরে। অদুগা—

হৈমা কবিনো ঙৌরিবওদি ইনমশি?

এঙ্গাংনাপীদু থারিকথাগী মমাঙদা থল্লগা চেক ফমথৈ, অদুগা মালিকানা—

ইবেম্মা, শেল-থুমগাদু হয়েং ইনমশিনা নৈথেল কারমদাইদা পানরসি; ইনমশিস্তু ঙসিদি ওন্তোকপা মকৌ অমা হায়বদুনি—চেঙকা অমত্তা রাল্লক্লে। শিকি অমত্তং ফংনবা লাক্লবদা লপা অমা কোরে। কুদায়দগীনো কৈথেল কুম্নমদাইদা কানিয়া মচা অমা লাক্লুনা শেঙ্গোই হেক কায়ররে। এস্থ হোবে হোবে থেঙরে খন্দুনা। ঙৌবদা মথোন্দা

হেঞ্জিনগ্রমাল্লে লুপাদু। শেঙ্গাউদা মথায় মথেক অনীথক তরক তরক য়াওবগুম তৌবনি, য়াওরমদ্রে। নমৌন্দুপী অতোম্বীদু সুমিদাং চরা শোয়বগী অমুক্তোইবা লাল হোরে। চেঙ চরা অমত্তদি পীদবা য়াদ্রে। হয়েংনিসে নচে থরোগী লুপা তরামঙা পীগে হায়নগ্রিবদু। কুমশি য়াউশঙদুদা লুকমায় পানবনি হায়দনা পাল্লুবদা নোংম-নোংমগী চেঙ রাম্থোকখিবদা শেন্দোংসু-শেল্লেপসু পুমপুৎ পুথগ্রবনি। কদায়দগীনো তৌগদৌরিবসে। (শোম্থাংননা শোল্লি)।

—হাইমা ইনমশি, লৈত-লৈত হোৎনজবদা করম্না হেঞ্জিনগ্রিবা শেলনো?

—খঙদেদা থারিক, লৈতবা হায়বসি বুদ্ধি লৌশিংগা ইফক ফকচিনবা জাৎনি। ঙসিগী চেঙ চরা লৈহৌদ্রিকো থনবদা শূফম-চৎকমকা অমত্তা খঙদে।

—খঙদ্রে ইনমশি, লাইনা ভম্বা হায়বদুদা তারে। এঃসু ঙসিদি চেঙ চরাকা অমত্তা শুহৌদ্রে হকচাংসু কয়া ঙমদ্রগনা। সুমিদাংরাইরম অঙাংশিং মিলদগী চেঙ অতকপা লৌরুচো থারুববু মৈ লাক্তে হায়দুনা তকপীদ্রমাল্লে। চেঙ হায়ববু ঙসি সুমিদাংগী থোংনগ্রগা মেরুকমুক লেমদুনা লৈরম্মখিগনি, মদু পুবিখিগে হায়বা মঙায়রে।

চেঙ-চাক রাত্তনা কুবেরগী মতৌগুম সুংঙাই-য়াইফবা থারিকথাগী ইমুংনি। মালিকাগী মপুক্লীংদা পীনীংদদুনা তৌরিব্রা থনখিনি নীংল-দুনা চেঙফুগাদু গোরো গোরো ওত্তুনা লৈত্রে হায়বা তাকই। লৈতব-লায়রবা, তোল্ল-তারবা হায়বসিমক্তবু মহৌশানা থর পুক্লীং সুংশিগল্লি। মপুকচেল অমদি চুমজবা থারিকথানি। মীবু পীজনীংদবা রাখলদু থারিকথাগী লৈত্তে। লায়রনা হৌরকপী থারিকথানি। লৈত-ল য়র মশক থঙভি। লায়রবগী মৈচাক ফংঙি। পোঙজবা হায়বদু থঙজদে। মীবু পীজ-পীথকপা য়াম্না ফৈ।

—লৈত্রবদবুদি কমদৌসিগেদো। অরৈবা থরদু পুগ্রবা হায়বদুনি। মচিম্মনাওগী; মদুনা থর ওৎপীরুবা তারে কমদৌনিগে।

অরৈবা চেঙ খবড়ু থারিক্লগা পুখোক্লুনা পীরে। মালিকা চেঙ খরহু পুরক্লগা চৌবীমচা অমদা ওৎপীররে। চেঙ খুয়া'ডুমা মৈথক্তা থাঙ্গৎ-থাঙ্গৎনা মালিকা মপূক্লীংদা মওন মওন খল্লকই— 'মশা ইনখৎ-লকপগী চানীং-থক্লীংলক্লবা মতম অসিদা চেঙ মেরুক মচা অসিমনা মখোয় অনীগী চখোপ্পু ফাগদ্রনে তৌরিবসিবো! মসি পুম্নমক অসে মখোয়গী স্নাখ্বাড়ু লৈরম্লখদি থোক্লম্লোইদবনিকো! ইগা নিঙোল অনী-'সিঙুম চয়াকেনবী, মরায়বকথীবী ওতে কনা কনা লৈরমখিগদগে? লমশিনী মচা! কনিনু তৌজক্লগবনোটে, মীবু অস্থুম য়াড়ুনা নংড়ুনতা লৈরগদ্রা, ঐহাকস্থ থোইদোক্লা হন্দবীমক্তি নক্লিদনা, পাঙ্গলসে থেক তেংপমথৈ নোমড়ুনা ইচা অনাসে মপূক্তদি থলহনবা ঙমগনিদনহে! মতাচাবা অফবা অমনু লৈরবদি ইচান্নুগী অহক্সে কোক হেক থাজ-থোকয়গা লোইরে। মতুম তৌরবদি মহাকস্থ শেৎপা চাবগী মনীং খুদবা লৈররোই; অড়ুগা ঐস্থ খরদি শাফবা য়াইনা! অড়ুদা— হোজিক মতমগী থাজ-য়োঙ্গবনি হায়ড়ুনা তৌনরিবসিনা লায়রবা, অযুক চারগা খুমিদাং হেনবা ঐথোয়নদি মত্তো তম্বা ঙম্বা নত্তে। ইমুং অসিদা অরংবা পুথম অমত্তস্থ লৈত্রে, তেঙ্গোৎ অমত্তস্থ তাদ্রে। করিনা অওং-অউন তমড়ুনা ইচা নিঙোল থাজগদৌরিবনো? তোয়দা—, অড়ুবুদি উচেক অচৌবগীনা মতম অচৌবা, অপীকপগীনা অপীকপা! অওং-অউনগী য়াদি লায়রি! পু-পাং ঙনা নাউয়োক্লবা, ফিদপ অনীত ঙনা মনমদা কূপচবা ফংজদ্রবী ইচা নিঙোল, অসিগীস্থ মথক্তা লৈত-লায়রবগী মৈখুতনা কৃষ্ণনা শক-চু থোক্লবী, অফোৎপা গিজোলতনা ফিরেল ওইরবী, বৈথেলগী অঙাওবীগুম্নবী ঐগী ইচা নিঙোলবু কনানা মচা-মমৌ ওইনীংগদগে! কনানবু ঐগা ঙাই-শেন ওইনীংগবনো! ঐগীদা চঙলকপবু করম্বা জুৎ চাবড়ুদি চঙলকদগে! মরুলৈবা, মহৈ হৈবতনা শাগৈ-জাৎ অফবা শররবা মতমসিদা কনানা ইচা নিঙোলশিংবু স্না ঈনি, জাৎ অফবা মচানি হায়ড়ুনবু মচা-মমৌ ওইনা হায়বীরগদগে? লৈতবা লায়রবা হায়বসিনা তোল্লিবসি তোল্লিদকো! ইচা নিঙোল

থাজ য়োঙ্গবদা ফাওবা হেক শীৎলিদা। ইচিল ইনাও, শাগৈ-নাতৈ, বারী-সম্বন্ধ পুন্নমক শেনদা লৈরেকো।'

মমিত্তগী মপি তাখিবা থংহৌদে। মুমগী হোরবা মাঙলেন্দা মুশি মুশি ঙাল্লিবা থাবল মঙাল 'রক্লা অমুবা লৈচিলশিংনা মাংনা মাঙনা পাইরিবদু মালিকানা হল্লৎনা য়েংখৎলবপদা উই। মাঙলেংগী হোরবা মরক অদুদা মৈখুনা লিরি লিরি কাপ্লি। "নো বু ওইগদৌরিব্রা, লৈচিলবু ওইগদৌরিব্রা." শোঞ্জে।

ফনা খেঙজিল্লক্লে, অহিং মমৈ ওইশিল্লক্লে। কনা 'মত্তগী খোঞ্জেল তাদ্রে, হূই হৌনো থরত্তগী মখোল নত্তনা। মচা নিঙোল অনীদুবু কৌশিন্দুনা অশাবা চাক অদু মপান তৎলবা পুখম অমদা শন্দোক পীদুনা পীজরে। মমা অমনা মচাশিংবু কয়ামুক নুংশিবগে হায়রবসি যমুনানা হান্না খংজদুনসু ঙসি অমুক নৌহৌননা হুল পোক্লা চত্তুনা পাই অমত্তং ফংনরবা লাক্লবদা রারবী মালিকানা চব হেনবমখৈ মচাশিংবু পেন্নবা হোংনরিবা মতৌ অদু উবদা হান্না খঙলম উরম্বগী শকক চামা হেন্না উরক্লে। রারবী মমাগী মতেঙসে করম তৌরগা খংদ ওইরবসু পাংবা ঙমগদগে হায়না হন্না হয়া খনবা হৌরক্লে। মাগী মতেঙনি হায়বদা কনা লৈজদ্রবী মমাগীদমক খল্লুবদা যমুনা থম্মোয় পুবা য়াশিল্লক্লে। চখোম অনীত-শুনা হুকচবা ঙমজদ্রে। গঙ্গাদি চখোম থন্নথন্ন অশাবা চাক অদু মতৌ ময়া কাবমখৈ নম্বা লাক্লরি। লৈত্রবসু লৈতনা, য়ামদ্রবসু য়ামদনা মমা মচানক পুন্না চামিন-থকমিন্ন-রন্নবদি যমুনা পেল্লমগদবনি। যমুনানা মমাবু ফনা কৌশিঙ্গদুনসু মচাশিংগী থরদং ওইরবসু মনীং থুংনবা হোংনরিবা মালিকানা য়াবা লৈখিদ্রে। রারবী মমানা চরা হেনগদবা মতৌদু খঞ্জিন-খঞ্জিন্নরগা মিৎলু-নাপোম অনীদু পিরাংনা থুক্কৎলদুনা চাক্লুক মপান্দগী যমুনা হৌগত্তুনা চৎখ্রে। মমা মালিকানা যমুনাগী মপুক্কীংদু খঙদবা নত্তে।

কেথোরল্লবদি ইনেশি মালিকাসি ফনা ফজবা জাংনি। মখোন কাবক্লিবী লৈশাবীশিংগা চাংদম্নরুদ্রবসু অনদি মৌ নহাশিংগী মরক্লা

য়াওরুদ্রবস্তু মীয়ায় চল্লবী মৌশিংগী মরক্তদি শীংথানীংঙাইনি। পাখঙ শরী কয়া ইনেশি মালিকাবু মিতাদবা য়াওখিত্রা? মালিকাদবু শোয়খিবা ঙাক্নি। সনা কৈথেলগী নুপী পোৎলক্তা, য়োৎলী মখোঙমক্তদা এঙ্গাং-নাপী য়োল্লম্বস্ত তোবথোক্তুনা সিনেমা হোলগী মমাঙগী গলিদা কায়োংবী ওইরে। মরক মরক্তা মচানিঙোল অহল যমুনাগা লোয়ননা পোৎফম ফম্লম্বস্ত থেংনৈ। যমুনাস্তু লুকমায়গী পোৎথা ওইরত্রা খঙদে। মায়গী চন্দনদি ইঙৌ ঙৌনা থিল্লহুনা অমদি নিতিগী নাচোম মপোপস্তু কায়দং। ইনেশি মালিকানা পোৎফম ফম্বদু য়াশী ফরুবনরা পোৎশিং ওস্থাক্লা ফথরে, অতৈগীগা মায়দে।

ইনেশি মালিকাগী ইমুংসি হায়গীদু নত্রে। ফিবম অমদি হোংলে। ময়ুমদু ইনা কৃপচরবস্ত হায়গুম থাবল মঙাল চঙলক্তরে। তনান তনান য়ুম অমা মওংদু চপচানা তাবে। চাব-থকপদি য়াত্রে, শেৎনীংবগী মনাং থুংলে। অহুবু হায়া লায়রনা লৈজরমহুনস্তু মতম অদুদা মীনা মখোয়বু নুপী অমা ওইবগী উৎপীরম্বা সন্মান অদুদি পুম্নমক মাঙত্রে। কাকৈ থাংবা হৈরকপা অঙাংমরুফাওবা মখোয়গী মমা-মচাবু লক্লনীংবা পোক-লক্লে। মালিকাগী লায়রবা হায়বহুমদি খর খর কোকচরে। অহুবু লায়রবগী মশক্লা খর খর তামথোকখিবগা লোয়ননা নুপী ওইবীগী ইকাইখুম্নবহুদি নোংম-নোংমগী লাপথোকপা হৌত্রে।

পুকচেল তপ্লবী, ঈংলবী, ইমুংগী লৈত-লায়র খঙলবী, জ্ঞান ভারবী যমুনাদো মমাগী লমচৎ খর-খর তম্বা হৌরক্লে। মচা নিঙোল ওইবী-শিংনা মমাগী মিংশেলনি। মমাগী লমচৎ অদুগী মখি মচা নিঙোল ওইবীশিংদা তাদবা নত্তে। মচা-মমো হায়বদা মমা ওইবীদুগী লমচৎ-শাজৎ মুম্না য়েংনরিবসি মসিনা ওইরম্বা তাই!

গঙ্গা হৌজিক চহি ১৫/১৬ হায়রক্লে। মথোন কাখৎলকপগী হৌবশা ফজরিবস্তু মী, লাইনা কল্লক্লনীংঙাই ওইরবা মতম্নি। মমা অমদি মচেগী ওইরক্লিবা লমচৎ অদু উবদা গঙ্গাদি হায়ফম-ভৌফম

খঙলক্তরে। মহাকপুন্সু অদুগুম্বা লমচৎ অদুদা মশা শাগল লাক্লুনা চিংথবীরগদ্রা হায়না মিপাইদবা ঙমদ্রে। নোংমদি মথ্বাই তশেংনমক শোক্লমাল্লে গঙ্গানা মচে যমুনাদা ঙনশিল্লদুনা—

ইচে নহাক শেল য়াম্না পামব্রা ?

হংদোক্তনা হংলবা মনাওন্সুপী গঙ্গাগী রাহংনি। যমুনা ইবায়বা পোক্তবা ঙমদে। অদুবু রাখল অমরোমদা পুথোক্লদুনা—

শেল পামদববু কনা লৈবগেনে ? শেলনা মরূনে খঙলব্র' ?

—ইচে ঐন্সু খঙঙি, শেল পামদবা কনান্সু লৈতে হায়বসে। অদুবুনে ইচে অরানবা, চুমদবা মওংনা তানবা শেল'দুদি থরায় য়াঙদ্রবা লক্ষ্মীনি। শেল হায়বসিগা ইজ্জৎকা করম্বনা হেন্না লুনা খনখগেনে ইচে ? শেল খরদং ফংননবগীদমক ইজ্জৎপু য়োন্থোকপদি কে ফু য়োন্থোক্লগা তুম্বা লেপ্পা নত্রা ?

—হে অঙাওবী! শেল লৈরবদি ইজ্জৎ লৈবনে। ঙৌজিক শেলগী যুগনে।

—ন্সুপী ওইবীগী অমত্তা ঙায়রবা তাঙলবা ইজ্জৎতি মাঙখিবা ন্সুমিত্তা লোইরবনি। পুন্সি'সিমগী হোৎনদুনন্সু হঞ্জিনবা ঙম্রোই। অদুগা ইজ্জৎপু য়োন্থোক্তুনা মদুদগী ফংলকপা শেলনা কয়াবু কুইনা তুঙদুনা লৈবা য়াগদগেনে ইচে ? ইচে ঐশাক্তি অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সিদগী ঙাওনা মথোং মরম খঙদনা হৌরকপী অমা ওইরবন্সু ন্সুপী ওইবীগী ইজ্জৎ হায়বসিমদি য়াম্না কিনা লুনা খঞ্জে। ইচেখোয়গুম্বী মোন্না শেঙ্গাও লাকপীশিং অসে ঐদি ঙকচগ্রে ওন্থোক্লা! মশাগী ইজ্জৎপু করিন্সু ওইদনা খল্লি। মমল য়াম্লবা তাঙলবা ন্সুপীগী অমত্তা ঙায়রবা লল ইজ্জৎপু ইচেনা য়োন্থোক্লিবদু ননীং থুংনা ফিজেৎ লৈতেং খরদং তৌবা ঙম্নবগীদমক্লা ? ন্সুপী ওইবীগী লৈতেং ওইগদবা ফিজেত্তি ইজ্জৎনি, আদর্শনি। মমল য়াম্বা দুকানগী ফিশিংদু নত্তে। মীওইবগী ফজবা হায়বসিন্সু মথল য়াম্মী। শক ফজবতবু ফজবা কোদে। থম্মোয় ফজবন্সু ফজবা মথল অমনি। ঐন্সু ওক্তবা থবক্তা য়াওরবনি। ইশানা

ওক্তবগী লম্বীত্তদা চঙশিল্লদত্তংস্তু নখোয়না অয়ানবা চুমদবা মওংনা তানবা অকংবা শেল খর অদুন। ঐস্তু ওসি ফাওবা হিংলি কোক ডাওরবা সংসার 'সিদা! য়ারবদিনে ইচে, অচুম্বা মওংদা শেল তান-সিবা। শেল তানবনা ইক্ষৎপু ঈপাক'থক্কী কোঙ্গোলগুম তাক-হল্লোইসি। শেল তানবনা ইক্ষৎপু য়োবথৎসি মী অমা ওইনা পোক্লগা করিগী অদুক চোপ্পা শেল তানগদগে? ইমাদস্তু মসিগী রাফম অসিমক কোরেন শোয়দনা হায়গনি।

—অঙাং নথোঙ্গম তোরুচো! নঙনা ঐবু রারকপীবিরাও? নীং-খা তম্নবা সংসারদা মহাক মহাক্লা অপাম্বা তোবদা থিংবীনবা কনাস্তু লৈতে। নহাকস্তু নহাক্লা অপাম্বত্তু চথবা য়াগনি।

—ইচে, ঐনা ঐগী অপাম্বা পাঙথোকপদা মীনা অদুক থীনা ডাঙনরিবসি বরিগীনো নহাক খঙলত্রা অদুদি?

—মথৌ লৈতত্তুনা; রারেম ডাঙবা পাম্নদগী।

—মথৌ লৈতবা নত্তে ইচে, নহক্কী অপাম্বত্তু পাঙথোকপদা মীবু শোকহনবননি। ইশাগী অপাম্বা পাঙথোকপদা অমদি থম্মোয়বু পেন্নবা হোৎনবগীদমক্তা মীবু শোকহনবা হোনদে।

—ঐগী অপাম্বা পাঙথোকপদা ঐনা বনাদা করি অকায়বা পীরত্তুনা!

—মৈতৈ লুপী ওইবীশিংদা অবায়বা পীরিনসিদি। মৈতৈ লুপী-শিংগী ধর্ম্ম'চুদি নখোয় খরনা মাঙহনখ্রিবা নলা?

—গঙ্গা, নহাক রা রাম্না ডাঙদবা ফৈ নহাক কনাগী চেঙ চারিবনো হান্নবত্তু খক শীংশিংত্রা?

মচেগী রাহৈ অসি তাবদা খাঙবা ওমদ্রবী গঙ্গানা পিরোয়নরবা খোম্মাংনা মচেবু য়েংলত্তুনা—

ইচে ঐহাকসে নহাক্কী ঈরেমখাক্লি। ঐনা ইচেবু রারকচবস্তু ইতিক নচদে।

মরক থংলদুনা যমুনানা—

—ও! মদুমদি নত্তাক খঙব্রা?

— ... .... অদুগা ইচে, ঐহাক লমচৎ নাইদবী; মশানা মশাগী ইজ্জৎকী মমল লেপচবা ঙমজদবী, নুপী ওইবীগী ধর্ম্মবু মশক খঙজদবী, হকচাংগী কুরাংবান মথক্তা ফজবা অরংবা ফিজেৎনা লৈতেংলগা নুপী ওইবীগী লেমজনফম্নি খঙ্গ্রিবী অঙ্গুণসা মালিকা অমদি যমুনাগী চেঙ অদুনি ঐনা চাজরিবসি

মনাও নুপীগী লেপ্পা লৈত্রবা রাহৈশিং তাবদা যমুনা খঙবা ঙমদদুনা গঙ্গাবু মখুৎ পেন্না মমীৎ-মমায় খঙদনা ন্নরে।

—ইচে অচুম্বরু অরানবনা মতম চৎখদা নপুনা থম্বা য়াদবনি। নোংমা নত্রগা নোংনদি ঐনা হায়রিবশিং অসে করিগনা হায়বত্ত খঙলক-পিগনি। মতম অদুদা পূন্নমক নীংশিংলক্কনি। লায়রনা ফৌমিন্নরকপা ইমা, ইচিন-ইনাও ঐখোয় অত্তম্নি। ফত্তবা লীচৎনা করিম্নু লৈত্রবা রাহৈ থরনা ঐখোয়বু কায়নহনবা ফত্তে।

অসি হায়রল্লগা গঙ্গাদু মমিৎ-মমায় ঙাপাম পোন্নদুনা ইনুংদা চঙখ্রে। অরোইবা গঙ্গাগী—

“লায়রনা ফৌমিন্নরকপা ইমা ইচিন-ইনাও ঐখোয় অত্তম্নি। ফত্তবা লীচৎনা করিম্নু লৈত্রবা রাহৈ থরনা ঐখোয়বু কায়নহনবা ফত্তে” হায়বা রাহৈশিং অসিদা যমুনা চিংনবা পোন্নদুনা গঙ্গাবু কুপশেন শেন্নদবা নত্তে।

*　　　*　　　*　　　*　　　*

থাবলম্নু লাংকপ থোক্লি। অহিং ঈচিক হুনবা মতমনি। মালিকা অমদি যমুনা মঙ-ওই হা-ওই—

ইমা— ইচে ইজ্জৎকা শেলগা য়াম্না খেন্নে, নুপীগী ইজ্জৎতি অরংবা কৈথেলগী মমল য়াম্বা ফিশিংদু নত্তে— ইজ্জৎনা ফিজেৎনি আদর্শনা থরায়নি।

রাইৈশিং অসি তাবা ফংখি। অদুবু গঙ্গাদি অমুক হন্না উবা ফংখিদরে। অহিংগী লিরি চুম্বা মালংনা অমদি লাংকপ থোক্লিবা লৈচিল্লকী থাজনা গঙ্গাগী পোৎলোইফম তাক্লিবনো পঙলবী মমা মচানা খঙবীখিদ্রে। য়াংগংলবী নুংগায়্রকী তুরেল ঈচেলনা তাঙলবা গঙ্গাগী লমচৎ শানবা পুংনা য়েল্লি সুজা ওইবীশিংগী মকা তম্না।

# "মচিন মৌপা"

## (৪)

পরম পুরুষ অমস্থং পরমা প্রকৃতি অনীগী খুদোল, মীওইবগী শুক্ষৎনিঙাইগী মশক ওইরবা হকচাং পোলাং অনীদুতবু থুংনবনা স্নুংশিবগী ঙমখৈরা ? নত্রগা কায়নবনা স্নুংশিবগী শোয়দ্রবা লমথুংফম্না ? অদুগা স্নুংশিবা হায়বা পোৎশক অসিনা করিনো ? ওইরবদি করিগুম্বা কায়নবনা স্নুংশিবগী পন্থুং, কায়নবগী পল্লেপফমদি কদায়দা-কদায়দা…?

রাকচীং থাগী ঈংলবা অহিং অমদা বীনোগী মফমদগী অথীবা মীচৈ ফংলদুনা চোকথরবা শরৎচন্দ্রগী থম্মোয়না থাবলগী ফীজঙ মথাদা অমদি লাপ্না তামনা শন্দোকখ্রিবা উপাল কয়াগী মরুমদা, নীংবা কায়রবী লৈরাং অমগী নাক্ত, ফুম্বংনরবা রাখলগী ঈরৈ মরক্তা অহিং অতুমা বীনোবু নীংশিং-নীংশিংনা লেনখিবদু বীনোনা উখিদত্রা ? অদুগা শরৎ-চন্দ্রনা মতৌ করম্না লমচৎ নাইদ্রবী বীনোবু মহাক্কী পুন্সিগী লোয়নবী অমা ওইগে খনখ্রিবা, অমদি ওইখ্রিবা ?

নহা ওইবগী ফাথবা ঙমদ্রবা থম্মোয় ঈথক অমগা লোয়ননা পুন্সিগী খারবা মহাওবু করম তৌবগে হায়বা রাখলগা লোয়ননা অমুক্তং চাং য়েংগে খল্লদুনা ঈনখৎলকপা হোৌরক্লিবা পাখঙ মচা শরৎচন্দ্রনি। শরৎচন্দ্রনা নহা ওইবগী লেপ্পা লৈতনা পুন্সিগী ঈচেলদা হোম্থরক্লিবা চোকথরবা থম্মোয়গী পোথাজফমদি বীনোনি। পুন্সিগী অহানবা অমস্থং অরোইবনি। বীনোগী মঙলান্দা তাউজবনা শরৎচন্দ্রগী পেম্নফম্নি অমদি পুন্সিগী পুঙমদ্রবা রাখল কয়াবু খনবদা চোকথরবা শরৎচন্দ্রগী রাখলনা বীনোগী রাখল হিদেন্দা পোথাজফম্নি।

বীনো কনানো ? শরৎচন্দ্র খঙলত্রা ?

নোংমা সুমিদাংরাই রাজেশ্বরগা লোয়ননা শরৎচন্দ্র বীনোখোয়গীদা কোয়থোকলুই। সুমিৎ অসিদগী হৌনা শরৎচন্দ্রনা বীনোবু অমদি বীনোনা শরৎচন্দ্রবু ফোঙদোক্কবা সুংশিবগী লম্বীদা শকথঙনবা হৌখি। শরৎচন্দ্র অমদি বীনো— বীনোনা চহি মরিমুক্কদি হল্লমগনি।

ফাথবা ওমদ্রবা কামগী ঈনোৎ মরক্তা কামগী ময়াইবু খোরাংবনা খোগংলবা মীওই কয়াগী অরাম খোরাংববু কোকহনবীরিবী সুপী ওইবীগী ইজ্জৎ, ধর্ম, আদর্শ হায়বদু নোংমত্তা নীংশিংলুদ্রবী বীনোনি। সুপীগী ধর্ম্মগী রাংমদা, ইজ্জৎকী মাবলদা অমদি আদর্শগী নম্মোন্দ লৈত্রনা মশাগী ইকায়থুম্নববু মপূক-চাক্কীদমক য়োম্থোক্লবী বীনোনি। অদুবু পুম্নমক অসে শরৎচন্দ্রনা খঙখিদত্রা?

সুমিৎ অদু ওক্টোবরগী তাং ৫, নিংথৌকাবা সুমিৎনি। সুমিং অসিমদি শরৎচন্দ্রনা রাজেশ্বরবু লোয়নদ্রে। সুমিদাংরাইরমগী তারমদাই সুমিৎকী চোকথররবা মশেক্তা মালেমদা ঙাল্লিবা মতম্নি। নীংথিরবা ফিজোলশুনা লৈত্তেংলদুনা পাক্ল-চাউনা শন্দোক্লিবা নীংথিরবা লম্কাং অমগী ময়ায় শমদুনা তপ্না কাইদ-কাইদ চৎলি শরৎচন্দ্র অমদি বীনো। শরৎচন্দ্র অমদি বীনোগী নীংথিজরবা শককমশিংদা ঙাঙ্ানরবা চোকথরবা সুমিৎকী মশেক্তা য়ৈবদা কয়াদা নীংথিজবা! পাক্লা চাউনা শন্দোক্লিবা নীংথিরবা লম্কাংগী সুমিদাংরাইগী দৃশ্যদো তোয়না উরবী বীনোগী থম্মোয়দা সুংঙোনবা পোকহন্দ্রবস্ল শরৎচন্দ্রগী মফমদদি মপুন্সিগী অমুক্তা উদ্রিবা পূক্নীং সুংঙানহল্লবা দৃশ্যনি। সহরগী সুমিৎ খুদীংগী তাবদা চোকথররবা কারখানাগী য়োৎ-সুডথংগী লূম্নবা খোঞ্জেল, ফেক্টরিগী মিৎকুপ কাংদ্রবা হুইসেল, মিলগী মায়কৈ নিল্লবা ইঞ্জিন মখোল অসিগী মথক্তা মদুগী অকোয়বদা শীৎলিবা উফুল থাংলবা, মনম নমথীরবা সুংশিৎ মরক্তা ঈপোম নাইরবা, য়াক্লবা খোঞ্জেলশিংগী মরক্তগী লাকপা শরৎচন্দ্রনা মতৌ করম্না অচীকপা তাইবংবু পায়োইদৌরিবা অমদি সুংশিরোইদৌরিবা। পাক্ল-চাউনা শন্দোক্লিবা তারমদাই সুমিৎকী চোকথরবা মশেক্তা য়ৈবদা নীংথিরবা প্রকৃতি ইমাগী শককমশিংদো শরৎচন্দ্রনা মীৎয়েংগী অনকপদা, অমাম্নদা

কোয়না অমুক্তং মুন্না য়েংলুরগা বীনোগী নীংথিরবা মায়থোংদা চিংনা য়েংলদুনা —

বীনো, অদুগুম্বা নহাকী লীচৎ অদু থাদোকপা ওয়রোইদ্রা ?

—নহাক্কবু পায়রবদি ঐদি করিস্ত হায়দে।

—অদু ওইরবদি বীনো, অগুম্বরা লীচৎ অদু অমুক হন্না নহাকী পুন্সিদা চৎলরোইদ্রা ?

—ওয়গনি।

—ওক্কবা লীচৎ থাদোক্লনা অমুক মুপী ওইবীগী আদর্শবু নীংশিংবা ওয়গনি হায়বগীদমক অমদি মতুবু পাঙথোকপা ওয়গীদমক ঐহাক্না ঐহাকী মমল য়াওদ্রবা হকচাং পোলাং অসিবু খুদোল ওমা ওইনা নহাকী নফমদা পীবদা নহাক অমুক করি খল্লিবগে ?

—নত্তে শরৎ ..., মতুন হায়দুনা ঐবু লংনরিব্রা ? ঐহাক নহাকী মমল য়ায়বা খুদোলদু ঐনা লৌবদা ইতীক চাদে। পুন্সিগী মরোং মরোংলবা অরানবা মায়কৈগী লম্বীদা চঙশিন্নুরবা ঐবু নহাক্না ঙসি অচুম্বা মায়কৈদা লমজীংবীনবা লাক্করি নত্রা ?

—অচুম্বনি বীনো, নহাক্না তৌগোরকপা অফবা থবক্না ঐহাকীস্তু অফবনি থনগনি। নহাক্না পুন্সিগী অচুম্বা মায়কৈদা চৎলগা ঐহাক্কস্তু চৎলিবনি থনগনি।

—শরৎ ...!

—হায়য়ু বীনো।

—ঐহাক্কি সহরদগী তাম্লবা খুৎং অসিদা লৈগী মীশক অমনি। অদুগা অসিগী মথক্তা ঐনা ঐগী শিনচম মতুংইদা ইশাগী ইজ্জৎপু য়োন্থোকপনা ঐবু হঙোইনরবা সমাজ্ব অসিদা থোংমতত্তু ঐনা চিন্নুদে। সমাজনা হঙোইনরবা ঐবু অমকপা রাখল য়াওদনা মুংশিবীবা মীংঙ্রেংনা য়েংবিরিবা মীশক্তি শরৎচন্দ্র নত্তনা কৈ ওইরোই। অদুন্নে শরৎ ..., ঐনা মসি খঙলবস্তু ঐনা য়াবা পামদেনে। করম্না সহরগী চৎনবীগী মঙাল অদু ঐগী ইফমদা মপুংফানা তাগনবগে ? অদুগা নহাক্কি সহরগী

চৎনবী কয়ানা কুয়োম ওইরবা হৌরক্লিবা পাখঙ অমনি। অসিগীস্তু মথক্তা নহাক ঐগা য়েংনবগদি থোক্তোক্লা অঙাংনি। নহাক্লা ঐহাকপু মুংশিরম্বা তপেংবমক্তু ওইরবস্তু মতুংগী রাখল অতু থাদোকউ। ঐদি ওক্লবীনি। মুপী ওইবীগী ইজ্জৎ, ধর্ম, আদর্শ য়াওদ্রবীনি। মসিব য়াওদ্রবী মুপী অতুদি থগ্রায় য়াওদ্রবী হকচাং পোলাংগুম্বনি থল্লুনে, শরৎ। নহাক ঐহাক্কী রাখলদা মতম য়াঙকন্নগনু। নহাক ছাত্র অমা নত্রা? নহাক্কী নোরবা লৈরাং লৈয়োন্দগী হেন্না থোৎলবা ছাত্রগী পুন্সিদা করিগীদমক মুংশিবগী তৌন্না চীকহনবগে? অতুগা ঐহাক্কি নহাক্কী লোয়নবী অমা ওইবদা মতীকচাবী অমস্তু ওইদে। নহাক্কীনি হায়না নমাঙ থাতুনা পুখনা লেমঙ্গাংঙাই চাউথোকচনীংঙাই ওইদ্রবী মতীক চাদ্রবী ঐ অমগা রাখলদা নহাক্ক পুনসিগী মমল য়াম্লবা রাখল অমদি মতমবু মাঙহল্লিবা করিগীনো?

—নত্তে বীনো, মুংশিবা হায়বা অসিবু পুন্নমক অতুগী মখা পোল্লরনে?

—পোন্দে হায়বা ঐহাকস্তু খঙডি।

—অদুদি বীনো … …

—ঐহাক নহাক্কী মতীকচাবী ওইদে হায়বনি। অদুগা শরৎ, নহাক্লা ঐহাকপু ঙসি অচুম্বা মায়কৈদা পুশিনবীতুনা মতম কুইনা নীংশিংলুদ্রবা মুপী ওইবীগী ইজ্জৎ, ধর্ম, আদর্শ পুন্নমক অসিবু নোহোননা নীংশিংহনবগীদমক ঐ পুনসি অনিদা নহাক্কী নকমদা হায়কম থঙদনা য়াম্লবা মমলগী লমন অমা তোন্দুনা লৈরবনি। নহাক্লা ঐগী ইকমা ঐনা মুপীগা ওইবীগী ইজ্জৎ, ধর্ম, আদর্শবু অমুক নোহোননা নীংশিংবা ঙমগীদমক থুদোল ওইনা নহাক্কী মমল য়াম্লবা হকচাং পোলাং অদো পীগনি নত্রা? অতুগা ঐহাক্লা নহাক্কী নকমদা ঐখুঁ অচুম্বা মায়কৈদা লমজীংবিবগীদমক তোম্লিবা লমনতুগী মচেং অমক্তং শিংবা শকপা ওইনা অমুক নহাক্কী, মমল য়াম্লবা হকচাং পোলাং অতু পীরবনি য়ায়োগনুকো শরৎ … ॥

—ঐগীদি হায়রিবসিনিনে বীনো? ঐনা হায়জরিবসিদা নহাক্না করিগুম্বা থৌজালগী ঈরীক অমত্তং খোগংলবা ঐহাক্কী থম্মোয়দা পীবিদবা থোক্লবদি ঐগী থম্মোয়না করম্বা ফিভমদা ওইখিগদবা হায়বত্তুস্থ খন্থদবা তৌবিগনু। ঐহাক্না নহাক্কী রাখলদা পুনসিসে মাঙবস্থ মাঙবা, নহাক্কী নফমদগী ঐগী কংলবা থম্মোয়না থৌজালগী ঈরীক অমত্তুফাওবা ফংদত্তুনা পুনসিসে খাঙ্‌'থক্কা কেম্বস্থ কেম্বা, করম্বনা হেন্না কৈ কায়য়ু অদুদি বীনো? নহাক্কী থৌজালগী ঈরীক অমফাওবা ঐগী কংলবা থম্মোয়দা তাদনা ঐবু অস্থুম্মক খাঙ্‌থক্কা হায়রিবা ফিভমশিং অসিনা পুনসিসে লোমগ্রো হায়ব্রা?

—ফরে অদুদি শরৎ....! নহাক্না ঐবু মুংশিবগী ঈপাক্তা চিংথ-বীরগা হয়েং ঈপাক'য়ায় য়োরক্লবা মতমদা ইদোম ইথন-তরক হুন্দে.ক-পীরম্লোই হায়না রাশকউ অদুদি।

শরৎচন্দ্রনা খোঞ্চেল পীক্না নৌনা নোক্লদুনা—

বীনো, রাশকউ হায়বা। করিগুম্বা ঐহাক্না ঐহাক্কী থম্মোয়দা লৌনম্বগী লাংনা কৃপ্পম্নবা— অদুগা নহাক্কী নফমদা ঐনা নহাকপু থাজহন্নবগীদমক মশীং নাইদ্রবা রাশক কয়া শক্লবা, অদু ওইরবদি নহাক থাজগদৌরিনে নত্রা? নখোয় মুপীনা রাশকপবু অদুক পাম্লিবা করিগীনো? রাশকপা হায়বসে লৌনম তৌদুনা মীগী মমিত্তা উৎ চাইদুনা পঙথহন্নবগী মচাক অমনি হায়বসে নহাক খঙদ্রমাল্লে। ঐগীদি থম্মোয়নুংদগী থোক্লকপা চমলবা রাহৈ খরনা নহাকপু থাদোক্লোই হায়রিবসিনি। মসিদগী হেন্না কনশীনব রাশকপা অমা ঐগী লৈত্রে। অদুবু নহাক্না পেম্নবগীদমক ঐহাকস্থ ওসিদি মহৌশা লাইরেম্বীনা সাক্ষী ওইনা থমদুনা রাশকপা হায়বদু পাঙথোকপা তারি। কদায় নহাক্কী খুৎশাশিংদু.... .... ....।

ইকায়খবা শকফমগা লোয়ননা তনৌরবী বীনোগী মায়খোংদু খজিক্কুং লৈথোকচরদুনা হাইমোন মীনোক্কা লোয়ননা শরৎচন্দ্রগী মফমদা

খুংশাশিংদু লাম্থোকখ্রে। শরৎচন্দ্রনা তনোরবী খুংশাশিংদু মথুং অনীনা সুংশিনা পায়রদুনা—

বীনো, ঐনা ঐগী পুন্সিগী ঈচেলদা চোকথরবা থম্মোয়না নহাক্কী নকম থুপচরনি। নহাক্কী রাখল হিদেন্দা ঐগী রাখল হিনাউনা পুন্সিগী ওইনা পাঞ্জরনি। ঐনা নহাক্কী হিদেন্দা নত্তনা কনাগী হিদেন্দসু পনবা পাম্মদ্রে। নহাক্কী হিদেন্দা ঙাওথংদুনা ঐগী রাখল হিনাউনা মনীং তম্বা শাম্নদবনা ঐগী ওপেনবনি। মসিনা ঐগী অহানবা অমসুং অরোইবা পম্বু ওইগনি। প্রকৃতি ইমানা সাক্ষী ওইসনুকো বীনো।

লৈনমগী মচাক ওইরবা রাশকপা হায়বসি শরৎচন্দ্রনা পামদবনা বীনোগী মফমদগী রাশক লৌখিদে। শরৎচন্দ্রগী রাশক লোইরকপদা, মথং চিংশিনখিবা মথাংদা বীনোনা হাইরপ মশেন মরাংলবা শকফমদা কংজাং তাড়াংনা নীংথিরবা শরৎচন্দ্রগী মেৎকী খুনমদা পীক্কক কোয়না থু লিবা মেয়েক লাবব, চাং ওড্ডু উরে। মত্তু উবদা বীনোগী থম্মোয়দা মশেন-মরাংলবা নীংশিংবগা মশেক্কা তত্তনা জগোয় শাবা হৌরক্লে। চীংনবগী পথ্যেদা ওগুনা বীনোনা চিংশিল্লি। হৌখিবা স্মৃতিনা অমদি কুম্মডুনরবা চিংনবগা রাখলনা বীনোগী মীৎলু লাপোম অনীদা পিরাংনা থুম্বৎলদুনা খেং খেংল হাইরক্লা—

শরৎ! হায়যু নহাক কনানো?

—করিনো বীনো, চিংনরবা শকফমগা লোয়ননা পিরাংলক্কা অদুগুম্বা রাহং ঐগী ইফমদা ···?

—খুম্মুনে শরৎ, নহাকপু কনানো? নহাক্না ওসি ঐহাকপু তশেংনা সুংশিবীরবদি ঐহাক্কী থম্মোয়দা চিংনবগী নীংশিংবা মশেক্না তত্তনা জগোয় শাররিবা অমদি কুম্বংনরবা রাখলনা চিংনবগী পথ্যেদা অহোইননা নকশিল্লক্লিবা অসিদগী ঐবু অমুক্তা কল্লুনে শরৎ!

—বীনো, নহাক্না ঐহাকপু মতম অসি য়ৌরব-ফাওবদা চিংনবগী রাখল কোক্তি নত্রা? চিংনবা হায়বা অসিতনা সুংশিবগী লম্বীদা ওইররিবা অচোবা পল অমনি হায়বসি বীনো নহাক কাউরব্রা?

অদুগা বীনো, ঐহাক্কি বীনোগা পুনসিচুপ্পা পুনসিগী অরা-মুংঙাইগী লম্বীদা চৎমিন্নগদৌরিবা পুনসিগী লোয়নবা শরৎচন্দ্রনি।

—বীনোনা শরৎচন্দ্রগী মফমদগী পাম্লিবা পাউথুমদি মদু নত্তে।

—মসি নত্তবা অতোপ্পা পাউথুম অমা .... ?

—উম, মদু নত্তবা অতোপ্পা পাউথুম অমা।

—ঐদি মোনোলিশাগুম নীংথিরবী বীনোগী থম্মোয় পোম্লুংদগী মিৎকুপ অমতম্ভ পাইথোক্করোইদবা শরৎচন্দ্রনি।

—ব্রাহ্মংগী তায়ওন্নরবা পাউথুম বীনোনা শরৎচন্দ্রকী মফমদগী কৈদৌনুংদসু পানদে।

—অদু ওইরবদি বীনো পুনসিচুপ্পা বীনোগী মফমদগী লেংবা লৈররোইদবা শরৎচন্দ্রনু নহাক্না কনানি হায়না খনবগে ?

—অতৈ রা শাংথবা ঐ পামদে। ঐনা পাম্বদি নহাক কনাগী মচানো, করম্বা ইমুংগী মীশক্নো হায়বা অসিনি।

—ওহ! মতুগীদমক ওইরবদি নোংমা মতাংচাবা অমদা শোয়দনা মরীক চুন্নবা ঐহাক্কী পুনসি-চরিত্র অদু নহাক্কী নফমদা তান্নখিগনি।

মুমিৎনা তাখিবগা লোয়ননা শরৎচন্দ্র অমদি বীনো হক্তিল্লক্নে।

শরৎচন্দ্র অহিং অমতা মপুংফানা ময়ুমদা হক্তিন্দরে। অকলশিংনা ফনা চৈজ-থাংজদুনসু মনা ওইনা হাপতে। বীনোগী নাক্তা মতম লেঞ্জবনা শরৎচন্দ্রগী পেঞ্জবা হায়বদু ওইরে। অদুগা বীনোসু মহোশা-গুম কামগী নেশাবু খোরাংলবা মীওইশিংবু তরাম্না ওকপদু তৌদ্রে।

বীনোগী রাখলদা শরৎচন্দ্রগী চিংনবা অদু তং-তানা খঙবা ঙসি ফাওবা ঙমদ্রি। শরৎচন্দ্রদসু বীনোগী মফমদা মহাক্কী পুনসি-চরিত্র অদু তাকপা লৈত্রি। বীনোনসু করিগুম্বা রাখল খরগী মথাপোনবনা অমুক হংলুবা তৌদ্রে। নোংমা মুমিদাং বীনো অমদি শরৎচন্দ্র অনীনা মুংশি-লৈপুন লাংথিবা মুমিত্তা বীনোগী লু-হেন্না লৌতেংলবা কা অমদা বীনোনা চাউরাকপা মওং অমদি শরৎচন্দ্রগী

মক্কমদগী খঙলে। অহুবু তশেংনা বীনোনা পাল্লিবা রাকম অমদি খঙবা ঙমদ্রে।

বীনোনা চহি তরামাথোই শুরক্লবা মতমদা চহি তরেংকা ঙায়রিবা মৌপা সরোজগা লোয়নন্না ইমুংগী মী খঙহল্লমদনা সন্দোক্নচাখোয়গীদা লাকপদা থকনবা নোংমৈ-ম্যুংশিং অমা হৌরক্লুনা মহৌ করম্বা মচীন-মৌপা বায়নখিবা, অদুগা বীনোনা সংৌ বরম্বা মকার, জ্ঞান তারক-পদা সক্করদগী তান্নবা লমদমগী অতল ওইরবা লম্লোনবা নীপা অমগী মযুমদা চৈকন্দা হায়বনচিংব মশেন মরাংলবা থাখলগী পরেং কয়াবু না শিংনবীশিংলুবগা শরৎচন্দ্রবু বীনোনা ইচিং চিংনদবা ঙমদ্রে। সরোজ হায়রিবা চহি কয়াগী মমাঙদা কায়নখ্রবা বীনোগী মোপাস্ত শরৎচন্দ্রগুম হৈরবী থনমদা চাঃ ৩ ই। শরৎচন্দ্রগী শকফম, থাংলিবা থুংমগী চা, অসিবু উরগা বীনোনা শরৎচন্দ্রবু কায়নখ্রবা সরোজনি হায়না খন্দবা ঙমদ্রে।

নোংমদি শরৎচন্দ্র সহরদা চংখি। মুমিৎ অসিদা শরৎচন্দ্রগী কোটকী ফুনাংখাউদগী অনান হনাত্রবা ডায়েরী বীনোনা চেনা কাঙদুনা য়েংলুবা মতমদদি হায়রিবা বীনোগী কায়নখ্রবা মোপা সরোজ হায়বদু শরৎচন্দ্র ওইরমে। বীনোনা অম্মক কুইরবসি নোংমতম্ম শরৎচন্দ্রগী মফমদা চপচাবী রাহং কংখিদে! মরমদি করিগুম্বা রাহৈগী অশোয়বা খরদগী বীনোবু মচেনি হায়বা শরৎচন্দ্রনা খঙখিবা থোক্লবদি মদুনা শরৎচন্দ্রগী মক্কমদা পুন্সি মাঙবা য়াবা খুদোংথাবা পুরকপা য়াই হায়না খল্লুবদগী ডায়েরীগী মনুংদা ইরবা শরৎচন্দ্রগী হৌখিবা কয়াগী পুন্সি রারীশিং অদু বীনোনা মমুৎতানা য়েংলে। শরৎচন্দ্র কনানো হায়বসি খঙলকপগা লোয়নন্না বীনো অমম্বগী লাংনা মহাক্কী থম্মোয় অদু কুপশিনবা হৌরক্লে। রাখলতদা বীনো অঙাওবীগুম্লে। মৌপা ‘সরোজগী পুন্সি কনানা মাঙহল্লিবনো’ হায়বা রাহং অসি বীনোগী লোম্নোক্কী থম্মোয় তম্মা তঙুনা হংলিবা রাহংনি। ঙসি

মপুন্নোইবা অমগুম লোয়নচুনা লৈরিবা শরৎচন্দ্রনা মৌপ্বা ওইরম্লবসিদা বীনোদি মণ্ডলানগী তাইবঙদা মঙফাওনদবা হায়বচু ওইরে।

শরৎচন্দ্র হায়বসি বীনোগী মমানা খ্বাইদগী হেন্না পামজরবা মিংনি। অহানবা সরোজ হায়রিবা মিং অসিগী মতুংদা শরৎচন্দ্র কৌখিবগী মরম ডায়েরীদা মযেক শেংনা বানোনা থেংনরে। বনোনা হৌখিবা থোদোকশিং অমদি কৌজিক ওইবিবা ফিভমশিংচু নীংশিং নীংশিংনা কপচবা নত্তনা বীনোগী উপায় লৈজদে। খঙ্জিন খঙ্লুরগা কোকচাউবী বাবা, জ্ঞান মাঙবা নত্তনা বীনোগী অতৈ পাঙ্গল লৈতে। কপচবত্তনা মশিঙ্গাং, হিকচবত্তনা মথোদাং ওইরক্লে।

মুমিদাং ওইবল্লবদা শরৎচন্দ্র সহরদগী হল্লরে। বীনোসু মণ্ডল মণ্ডলগী রাখল কয়া খল্লুরবা মতুংদা শরৎচন্দ্রগা মফমদা বীনোনা মহাকপু থাদোক্তুনা চৎখিনবগীদমক হন্না হন্না হায়বা হৌরক্লে। শরৎচন্দ্রদি মঙগুম্লে। বীনো শরৎচন্দ্রগী মচেনি হায়বসি শরৎচন্দ্র শকবা নত্তে। বীনোবু থাদোক্লম্লবদগীদমক শরৎচন্দ্রগী মফমদা তুকচ্চবা য়ারবা খুদম, নুপাগা তত্তনা তোংথন-হিন্নবগী থৌওং কয়া মথংগী নুমিৎ কয়াদা শরৎচন্দ্রগী মফমদা কয়ারক হন্না উৎলবনি। অদুবু পুন্নমক অসি অরেম্বনি। মসিত্তনসু শরৎচন্দ্রগী মায়কৈদা অহোংবা অমা পুরক্তুবদা রাকচীংথাগী ঈংলবা অহিং অমদা বীনোনা নুপা ওইবগী মফমদা হায়বা হৌনদ্রবা রাকৈ কয়ানা চৈ-থাংদুনা শরৎচন্দ্রবু মহাক্নী মনাক্তগী তাগ্লোক্লে। মসিগী মরমদি মৌপ্বা শরৎচন্দ্রবু অকবা পুনসি অমা ওইহন্নিংবদগীনি! নীংবা কায়রবা শরৎচন্দ্র বীনোগী মমাঙথংবদা লৈরিবা লৈকোল মচা অদুদা চঙদুনা থাবলগী ফিজং মথাদা, লাপ্না তান্না শন্দোকখ্রিবা অঙৈবা লীক্লাতনা কুপ্লবা তিংথৌগী মথক্তা, নীংবা কায়বনা চোইজাইনরবী লৈরাংগী লৈনাবু শীৎ-নাল্লদুনা ঈংলবা রাকচীং থাগী অহিং অদুদা তুম্বক তাশিন্না লৈরিবদু নীংঙমদ্রবা থম্মোয়গা লোয়ননা শরৎচন্দ্রনা লৈরিবদু বীনোনা মিত্তুৎ-থোংগী পর্দা হাইদোক্তুনা শরৎচন্দ্রগী নীংবা কায়রবা শকক্মদু থাজগী

মঙাল মরক অদুদা য়েংদুনা লৈ। লূরবা থাবলগী কিজং মথাদা মফাংনরবা রাথলগী ঈরৈ মরক্তা ফনা থেঙল ফাওবা লুপ্তুনা লৈরুরগা তপ্না মায়কৈনা ফিজেৎনর' শকওংগুম হোগৎলক্লগা বীনোনা লৈরিবা মিহুত্থোঙক্ল তমনা তপ্না তপ্না চঙশিল্লক্লগা—

বীনো, নহাক্লদি ঐবু তান্থোকপীরে! অদুবু ঐগী থম্মোয়সুংদা তাথ্রিবা সুংশি' মমি অসিবুদি মুত্থৎপীররোইদ্রা? ঐগী থম্মোয়বু অসুক তরা মৈশা লাংহনবীরিবা অসিবু কয়ামুক লঙজরুরবা ইরালগী দগিনোনে বীনো?

অসি হায়রয়গা হন্না য়েংলম্না তৌদনা শরৎচন্দ্র থুনা য়াঙনা চৎখ্রে। শরৎচন্দ্রগী তুংদা বীনোনা অহিকপা খোন্থাংদা—

শরৎ .... .... !

অদুবু শরৎচন্দ্রদি খোঞ্জেল অদু তাবা লৈখিদ্রে। থেঙলবা অহিংগী চীক্লবা মালংগী ঈপোম মরক অদুদা বীনোগী খোঞ্জেলনা তিনখ্রে। নীংযেংনা উরিবা লমদম ফাওবা বীনোনা শরৎচন্দ্রবু থাবলগী ঈপোম মরক অদুদা য়েংদুনা লৈহৌই। অহিং অসিদগী হৌনা শরৎচন্দ্রবু অমুক হন্না বীনোনা উবা ফংখিদরে।

বীনোবু কায়নরম্না অহিং অদুদগী মথংগী নুমিত্তা য়ু কা হেনবনা শরৎচন্দ্র ঙাওরে। হায়রিবা অসি তয়ূক্কী মতমনি। অদুগা সন্ধ্যারাই-রমদগী হৌরদুনা শরৎচন্দ্র মশা ঙমদবা হেরে। অদুগা নোংঙাল্লম-দাইদগী হৌরদুনা শরৎচন্দ্র য়াম্না কন্না নারে। মরোল খঙদ্রবা চোইরোল কয়ানা অসিনি হায়নীংঙাই লৈখিদ্রে। মরোল মরী খঙদ্রবা চোইরোল মরক্তা ময়েক শেংলবা রাহৈ খরদি "বীনো—বীনো" হায়রবা রাহৈ অসিনি। অহল লমনশিংনা বীনো কনানো কনাগী বীনোনো থিরি। অতাবা থূদিংমক উরখিদবা নত্তে। মীপুম থূদীংমক্লা অঙাং ওইরিঙৈদা চুখিবা মচেম বীনোবু নীংশিংলকপনি খন্নথি। রাকম অসি রাজেশ্বর খঙদবা নত্তে। অদুবু কনা অমত্তদসু মহাক্কী চপচাবা রারীদু

লীথোক্লমদবনা চপচাবা রারীচু রাজেশ্বরনা কনাগী মফমদস্তু হায়দোকপা ঙমখিদে।

শরৎচন্দ্রনা নাবা মঙানি চনবা নুমিৎনি। অসোমদা বীনোনস্তু শরৎচন্দ্রগী মরা মপাউ তত্তুনা হংলি। বীনোনা চোইরোল ওইরদুনা শরৎচন্দ্র কন্না নারে হায়বসি বীনোনা তারবদা হায়রিবা মঙানি চনবা নুমিৎ অসিদা শরৎচন্দ্রগী নাক্তা পন্থবা তৌদনা লাক্লে। অথিংবা লৈতনা চঙশিন্নক্লুনা মিৎলুনগী অরৎপা লৈতনা শিন্থরাক্লিবা পিরাংলক্তা তনিক্লবা খোঙ্গেলদা বীনোনা—

শরৎচন্দ্র, সরোজ, বীনো লা ক্লনে! নহক্কী থম্মোয়গী মবেম্মা বীনো লাক্লেনে!!

বীনোবু মীপূম অয়াম্বগী পুরীদা ইচিং চি নদনা ঙমখিবা নত্তে। অদুবু কনানস্তু বীনোবু চহি কয়াগী মমাঙদা মাঙখিবী মচেম বীনোনি হায়বা ঙমখিদে

চোকথরবা শরৎচন্দ্রগী মিৎ অদুনা অমুক্তং তম্না পাঙখৎলম্লগা মোমোন নোক্লা শোন্থাংননা তম্না অরাবা খোন্থাংদা—

বীনো....!

শরৎচন্দ্র বীনোবু অমুক্তং পেন্না কৌজরম্লগা মোমোন নোক্লা নোক্লা পুন্সিগী ওইনা ৮-৯ ঊইশিনখ্রে। বীনোনা শরৎচন্দ্রবু পিরাংনা থ্রুম-হৎলবা মিৎস্নাদুনা চিংনা য়েংলদুনা—

সরোজ লৈত্রবা বীনোগী পুন্সিদি থরায় ম্রাওদ্রবা হকচাং পোলাংগুম্বনি।

অসি হায়রম্লগা ক্ষিজিনা মমায় খুম্নদুনা মপান্দা চেন্থোকখ্রে। ছুইঙক-য়েনঙক চারিঙৈ মহাকপু কনা অমত্তনস্তু থাখা নংহৌদ্রে। রাখল থরগী মখা পোন্না কনাগী মফমদস্তু বীনোনা মহাক্কী চরিত্রদু তাক্লমদে অদুম ওইদুনস্তু মতুংদদি বীনোবু চহি কয়াগী মমাঙদা

মাঙখ্রবী বীনোনি হায়বসি খঙনখি। মুমিৎ!অসিদগী বীনোবু কনা অমত্তনস্থ উবা ফংখিদ্রে।

শরৎচন্দ্রনা সংসার থাদোক্কুনা চৎখিবা মুমিৎ অত্নদগী বীনোগী—

"শরৎ-চন্দ্র····" "শরৎচন্দ্র····" হায়বা খোন্থাংনা লবুক-লম্মাংদা ঙসি ফাওবদা নিন্দুনা লৈরি।



# "পুন্সি হায়বসিবু ফাগিরা ?"

( ৫ )

খিঙ খিঙ ঘিন্নগ্র ধিন ধেন তা তা ধিন ধেন তা তা ধিন ধেন তা তা ধেন ॥

ঘিন্নগ্র ধেন তা ধেন ধেন তৎ তা খিৎ তা ধেন তা গ্র গ্র তা তা তাং খিৎ থেন তা ধ ধ ধেন তা ধ ধ ধেন ॥

রবী....! নঙ ইচেবু ঙাইরম্লিব্রা ? নঙ ইচেবুদি কাউরমদ্রিদনা ! ইমাগ পাবুঙগদা লাল্লে হায়না চঙজরু-লাউনে রবী....!

মতম অদু পঙথেঙ থেঙবমক্তি নত্রি। য়াচঙবদগী হুন্তমক লৈথ-রক্লিবা মতমনি। থাজগী ঙৌরুনরবা লুপা মচুগুম নীংথিনা মপুঙ ফারবা মঙালনা মালেমদা য়েল্লিবা মতমনি। লিরিহুম্বা ঈংলবা মালংনস্থ ওমচারুরবা মালেমদা অঙৈংবা পীনরি। অদুক হাক্লা অথেংবা অহিং নত্তুনস্থ পুর্ণিমা ঙকয়াগী থাবল মঙাল ওইবনা থোইদোক্লা মপুঙ ফানা মেঙই, লুই। ঈংলবা লোইরোই লিরি হুম্লিবা মালংগী শহুমগা লোয়ননা লুরবা থাবলগী ঈপোম মরক্তা তরু তরুরবা পুথ্রী ময়াগী কবোক্লে পাম্বীগী মরুমদা পুংকক চাউরবা মোপ্না অমগা লোয়ননা সাবিত্রী তুমিন ফমদুনা লৈ। মচিন মোপ্না রাহৈ অমত্তা কাঙথোরদে। তুমিন্না অস্থুম ফমদুনা লৈরম্বদগী তোমশাৎ-পোমশাৎনবী কবোক্লে অমা সাবিত্রীনা হেক্লদুনা মদুবু নাল্ল-নাল্লদুনা—

রবী, ইচেমগী ইবুংঙো, হয়েং নঙনা চাউর'মপুঙ ফারগা, শাগী শারেপ তম্নবা মতমদা ইচেম্বুদি লুনা তৌবিগদ্রা?

—উম।

পুংকক চাউরবা নিপামচাদু তেল্লবা পাউখুম অসি পীরল্লগা মপুক্লীংদা অবীবা, মিপাইরবা শকফমগা লোয়ননা মচেদা চেজেৎ কোল্লদুনা—

ইচে !

—করি তৌরবগে ইবুংঙো ?

—ইচে, হৌজিক্কীদু নহাক উহৌত্রা ?

—কনানো ! করিবুনো ?

—ইচে ঐগী ভাব ওইরম্বা তারে।

—নত্তে ইবুংঙো, নহাক্না উহৌববু করিনো ?

—ইচে, কুচু পাল্লবী, মশম-মনা ফারবী মো নহা অমনা ঐবু মথানুংদা কোনগদবগী চঙশিল্লক্লম্বদু নহাক উহৌদ্রব্রা ?

মৌপ্‌্‌বাগী রাহৈ তাবদা সাবিত্রী চিংনদবদি ঙমখিদ্রে। অদুবু মৌপ্‌্‌বাবু অকীবদুদগী কয়নবগীদমক—

ইবুংঙো নহাক্কী ভাব ওইরিগনি।

—ইচে ঐদি য়াম্না কীজরে, চঙলসি ইমুংদা। হয়েংমথৈদি থাবল-ফবা খুদিংগী পুত্রী মপান্দা ফম্বসি তোক্লসিকো ইচে !

সাবিত্রী করিগুম্বা পাউখুম অমত্তা পীবা নৈতনা চৈগুদা শৌরদুনা তপ্না হৌগৎলক্লে। সাবিত্রী মিপাইদবা ঙমখিদ্রে। যৈরেংনরবা রাখল ঙহাক থল্লুরবা মতুংদা মৌপ্‌্‌বাবু চিংনা য়েংলদুনা মিৎলুদগী পিরাংনা খঙহৌদনা শিন্থখি।

ইমুংদা চঙদুনা শুমিদাংগী চরা চাবা লোইরদুনা ঙহাক পোশ্বানরবা মতুংদা মচিন-মৌপ্‌্‌বা অনীমক ফমুং অমতদা হিপথমিন্নরে। থোক্লিবা থৌদোক অদুগী মরীদা মচিন-মৌপ্‌্‌বামক তুমথবা ইয়া য়াদ্রে। মখোয় অনীমক্না অহল-লমনবুদি থোকখিবা থৌদোক অদুগী মরীদা খঙহনবা নৈত্রি। ফনা কুইনা তুমিন-তুমিন নৈনরুরবা মতুংদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী রাফম নত্তনা রাহং কয়ামুক মচেগী মশা নোয়দুনা শোম্থাংননা—

ইচে-ইচে নহাক তুম্লব্রা ?

—তুমদ্রিয়ে করি তৌরবগে ?

ওনশিল্লক্তুনা মোপ্রাবু নুংশিনা কোনশিনবীরদুনা পিরোইনববা রাহৈনা পাউথুমজরকই। মোপ্রাগী রাহৈশিংদুনা সাবিত্রীদি মিৎকুপ অমত্তা ফানা থম্মোয়দু লৈতাবা ওমদ্রে।

—করিস্তু তৌদেদা।

ঙহাক তুমিন লৈরুরগা অমুক—

—ইচে, অপোম্বা লৈরাং কয়াস্থ থকেমন্নুনা মাঙইকো।

চিংনরিবা রাথল মতাগা হায়দোরক্লিবা মোপ্রাগী রাহৈগা থোইনা হেন্নদুম চিংনবগী মৈশারক্তা ইনশিল্লে। নোংমতস্থ অসিগুম্বা রাহৈ রবীনা ঙাওখিবা লৈত্রি। থম্মোয়দুংদা পক্খে য়েনা মোপ্রাগীদমক রাজরবস্থ চিনবাম্মোংদা উংপা লৈতনা সাবিত্রীনা মোপ্রাবু শিৎ নানবীরদুনা—

ইঃ ইপ্রাদি য়াম্না হৈরিপোৎলিনা কবিবু ওইগদোরিত্তা কৈনো? কনানা তম্বীরকই অদুদি?

—ইচে, মিৎশিং'সিবু উহনবীরিবা থোংদাকশিং অদো এবু তম্বীবনি। অদুগনে ইচে, অশাৎপা লৈরাং কয়ানা মালেমথক্তা চোই-জাইনবগুম, পোমশাৎনবী লৈরাং কয়াস্থ লৈমায়থক্তা কেনগুম মীওইব-শিংনা নোংমা কেললিখিনিক্কো। হয়েং শিরবা মতমদা মপোক অমুক পোল্লকখিগদ্রা? পোল্লকবদি অমুক শকখঙনখিগদ্রা?

—খঙনররোই।

—ইচে, ঐদি নঙবু য়াম্না নুংশি। নঙনদি ঐবু নুংশিবীদ্রা? হয়েংমুক মপোক্তা নঙবু অমুক উনররোই থল্লুবনা ঐদি য়াম্না কন্নীংই।

—ইপ্রাবুদি নুংশিদদি।

তৌহৈদেনেহে মসি' অঙাংসিদি! হায়হৈদবা ঙাক্তা হেক হায়-রদুনা। তুমদুম তুম্মুসে!

রবীদু মথা অমুক তারকখিদ্রে। মোপ্রাগী চন্নবা রাহৈশিং অদুদা সাবিত্রী মিৎলু পিরাং কংবা ওমদ্রে। মওল মওলগী রাখল কয়ানা তুমথবা ওমদ্রে। রবীদি রাহৈ খরতু হায়রল্লগা ইশি শিনা তুমথখ্রে।

মথংগী য়ুমিত্তনি। থাবনস্থ অতুম করি। মাঙ্গোল মচি অমদা ফক থারতুনা চাক ভাইবা ওইনা কান্নী মতৌগুম মচিন মৌপ্‌বা কমদুনা লৈ। সুমিৎ খুদিংগীদি লুববা পুণী মপান্দ কবোটে মথোঙদা চীঙ্গা ঈংনা পোথাজগদবনি। অদুবু মচিন মৌপ মক মকমতুদা চঙগদবত্ত হঙ্গেইরে।

—ৱবী, পুন্সি হায়বসি করিনো?

—পুন্সি হায়ববু [illegible] বিবশিনি ইচে।

—অ[illegible]দি পুন্সি হায়বসি [illegible] [illegible]।

—[illegible] ইচ। ঐনস্থ, নহাকস্থ, মীনস্থ কগি অমমম, [illegible] অ[illegible] লেইনা [illegible]। [illegible], ঐনা [illegible]দা অমদি অতৈ [illegible] [illegible] শংদা [illegible] [illegible]। ঐস্থ [illegible] [illegible] নোমদি শাংলস্থ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]গদবনি। অদুনু ঐনা [illegible] [illegible] [illegible]বি। [illegible] থবা লোয়নগদবগুম, [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] নত্রা? নহাকস্থ [illegible] [illegible], [illegible] [illegible]। পুন্সি অসিদা লৈরিবা মীওই [illegible] [illegible], [illegible], [illegible] ঐ[illegible] [illegible] কসিদা নত্রা? মসিনা পু[illegible], [illegible]।

—[illegible] [illegible] [illegible] [illegible], ক[illegible]গুম্বদা থল্লবদি ফাগিগী মীশুক্তীশিংগী [illegible] [illegible] অ[illegible] [illegible] [illegible]?

পা[illegible]।

মবমদি?

[illegible]গী পুন্সি মরক্তা লোন্নবা ঐহ্র কগি [illegible]কচো থাবিরকই। ঐস্থ পুন্সিদা [illegible] [illegible]বিগনি; [illegible] [illegible]রমবিগনি।

—পুন্সি হাযবসি কাগি নত্তে। নহাক্কা পুন্সিবু কাগি ওইনা উরবস্থ পুন্সিসে কাগি নত্তে, ইচেনা হায়বী ৱিবশিনি।

-ইচেনা হায়রিবত্ত ইচেগী মীৎয়েংনি। ইচেনা হায়গনি ইচেনা চুম্মী। ঐনা হায়গনি ঐনা [illegible]। মাগী মাগী মীৎয়েংগী লম্বী

ঙ.দুদ্দা চৎচসনু করি কায়। ঐনা পুন্সিসে ফাগি ওইনা লোগে, ইচেনা ফাগি নত্তনা খনবীয়ু করি হায়বগে ? খরনা হায়গনি অশংবনি, অঙাঙবনি, অমুবনি, অঙৌবনি। পুন্নমক মখোয় মখোয়গী মীৎয়েংনি। ঐনা ঐনা খঙবা উবহুতমক চুম্মী হায়বা য়াদে।

সাবিত্রীনা মৌপ্রাগী রা মরক থৎলদুনা—
নত্তে কদোমদনো পুংখোল অসে ? জগোয় তম্লিবা নত্রা ?
ঙহাক তুমিন তাদুনা লৈরুরগা রবীনা—
উম মাম্নি। ঐদি জগোয়দুম য়াওনীংই।
খিৎ খিৎ ঘিন্নত্র থিন থেন তা .... ....
থিন থেন তা তা থেন ॥
ঘিন্নত্র থেন তা থেন .... .... থেন তা থ থ থেন

হায়রিবা পুংলোনশিং অসি রারী শারম্বগা তোকথোক্তুনা তাদুনা লৈথোক্লে।

—তাওনে ইচে, পুংলোন অসিনা ঐখোয়বু ঙহাক নমথাক তৌদুনা শুমৎপীরম্লগা চৎথ্রিবসে। চৎথ্রিবা পুংলোন অসিদি অমুক হল্লকথিগনি থাজবীরুগনু। মসিগা চপ মান্নবা অতোপ্পা অনৌবা পুংলোন অমদি তাবা ফংবা য়াই, অদুবু হৌজিক তাথ্রিবা পুংলোনগী সুর অদুদি হৌগ্রবনিনে। ঐনা জগোয় য়াওনীংবসু ফাগী মপুং ফানবনি। সংসারদা লৈরিবা লেঙলি-পাল্লিবা, থরায় পানবা পান্দবা পুন্নমক ফাগিনি, নমথাক্লি। নিঙাই চাউরবা অঙাংদা শান্নপোৎ লাইথিবী পুরক্তুনা থেম্বগুম তাইবঙ মপুনা সংসারগী লাইথিবীগুম্লবা পোৎ কয়া ঐখোয়গী মিত্তা উহনবীদুনা ঐখোয়বু মিকুপ খরদং থেম্লি, ঐখোয়বু মিকুপ খরদং পম্থহনবীরি।

রবী, নহাক্না পুন্সিবু ফাগিনি খল্লবসু পুন্সিবু অচুম্বা মওংদা ফাগি তৌ।

—অদুগা ইচে, নহাক্না ঙসি নমান্নবা মীরক তিনবা ফংদনা নখোঙ ন্নাম্ম য়াওত্রবী মথোৎ কায়রুবী লৈশাবী অমা ওইররিবসিনা কন্নিগীনো ?

—বাউগনু ৱবী। মসি পুন্সিগী শক্লোম্নি।

মচিন মোপ্ৱামক চৌগত্নুনা ইমুংদা চঙগিন্নখ্রে। ইমুং য়োৱবদসু মখোয় অনিগী ৱাৱী লেপ্পা নত্রি। মথল মথেল কয়াগী ৱাৱীনি। মচিন মোপ্ৱাগী মতৌ উবদা লাইবক চাউৱবী পলেমনা লোম্না মিৎলুদগী পিরাং শিন্নদবা নত্তে।

সাবিত্রী মখোৎ কারক্লিবী নৈশাবীনি। লাইবক থীবদগী মখোঙ নাম্ম য়াঙদ্রবী, মমান্নবী মীৱক তিনবা ঙমজদ্রবী, নোংমতা ফানা চিনবান য়ারী কাংদ্রবী ৱাখলতদা নোংমতা মিৎলু পিরাং কংজদ্রবীনি। মীরোল নৈজদ্রবী মমাগী মতৌবু উবদা থম্মোয়নদি তেংবাঙনাং, 'খুৎ লাম্থোক-পদি ঙমদ থম্মোয় ঙমচাক্লৱবী সাবিত্রীনি। নাম্ম শোয়ৱগী হৌনশা শক্লা নীংথিরিবসু লময়োবীনি। ইমুংদগী মপান থোক্তে, কোম্থোঙ ৱ'মা লান্দে হায়ৱতনি, তাইবঙপানবগী নাম্ম শেবাৎনৱবী সাবিত্রী, খঙদবা কনা নৈ, উদবা কনা য়াওই? সুংশিবীবা কনানা মচা-মমৌ ওইগে হায়ৱদবা নত্তে। অংবু উনশাতনা কৃপ্লবা মীওইবগী পুকচেল কনানা খঙবা ঙমগদগে? নাম্ম শোয়ৱবীনি, পাঙ্গল শোল্লবীনি নোংমা কাউথোকপীৱকপা সুমিত্তা মহাক্লা চাক্কদবা মৈচাক্কু মমা ওইবীনা উবনা মতুবু য়ারুবা পামদে। সাবিত্রীগী চাক্লবা থম্মোয়গী ঈ'নজফমদি ৱবীনি। অৱা পোত্থানজফম্নি। পুন্সিগী লোয়নরিবসু মহাকনি।

সুমিৎ অদু কালেন্থাগী পূর্ণিমা সুমিৎনি। মপুং ফারবা থাজগী ফিজং মথাদা মচিন মোপ্ৱা অনীমক নিঙাইদনা ফম্লি। লূৱবা থাবলগী ঈপোমগা লোয়নননা ইনক নক্লা জগোয় ৱাস শামবগী পুং ঈশৈগী খোঞ্জেল অমা তায়। মতমনা অসুম থেঙজিন থেঙজিল্লকপগা লোয়ননা জগোয় ৱাসকী সেতার, মোইবুং, বাঁশি কয়াগী খোঞ্জেলবু অসুম অসুম নীংথিজবা হেনগৎলক্লি। জগোয় ৱাসকী পুং ঈশৈগী সুংশিরবা সুর; সুংশিৱবা খোঞ্জেল কয়ানা মচিন মোপ্ৱাগী থম্মোয়বু শুক্কৎখ্রে। মতম্না অসুম কনাবু ঙাইৱম্বা ভৌদনা হৌজিনখিবনা নোংয়াই হেজিল্লক্লে। মখোয় অনী নোংমসু থেঙনা মচঙই। নোংমসু ঙম্না মহঞ্জল্লি।

থেঙই-ঙল্লি হায়বগী মমা মপা ওইবশিংনা থোইনা খুৎ থিংজিল্লুবা তৌরুদ্রে। অসুম ফল্লম্বদগী রবীনা মচেদা মুন্না যেংলদুনা —

ইচে, ঐহাক্কী লীক অদু পুঙ্গী মপান্দা হুন্দোক্লম্লমাল্লে। নহাক লৌশিনবীরকপ্রা ?

—ইহে কাউইনেহে, কবোক্লে মশাদা য়াল্লম্বদাই। অযুক্তি মীনা লৌখিবসু য়াই, মমল য়াম্বা সনাগী লীক্লি। লৌশিল্লুসি ইথন্তা চঙবদি হঙ্গোইরে।

— নত্তে ইচে, ইচে অহুম ফমদুনা লৈবিয়ু। ইনক নকপা, অশোঙবা উরক রারকসু নত্তবসিবো কৈদোই হায়বগে। ইচান ঙাল্লা উরিবসিদি। য়েংউনে, লূরবা ঈশিং অসিদা ঙাংনা ঈরোয়দুনা শাংবগী ঈপোগ লাংহল্লবা ঈমাংদা থাজগী মায়থোংবু তাবদা থাজ চাগ চামনা লগজেন তাম্নবগুম তনিক-তনিক লৌংথিবিবসে। ইচে অহুম ফমদুনা লৈবিয়ু ঐ লৌরুগে।

অসি হায়রমগা রবী পুঙ্গী মপান তম্না পরপ পারপ চেনশিংগ্রে। পুঙ্গী মপান্দু য়োরদুনা লীক অদু লৌগে হেক তৌবগা য়াংবা খেঙ্গেনদা রবীনা —

ইচে !

অসুম্না লাউরম্বগা লোয়ননা রবী চেংনা হাইথখিবদু সাবিত্রী মমিৎমক্না শং-শঙ উহৌই। পাখৎখিবনা খোঙ্গেল ঙনিরা—

রবী! রবী!! করি তৌরবগে ?

মৌপ্বাগী মৈচাক্না মখোঙ নাম্ম য়াওদে হায়বা কাউথোক্লুনা মাঙ্গোলদগী চোংথরকপদা উপথুননা তুশিল্লে। তনশৌ হৌগত্তুনা চৈঙুগী মতেঙ লৌদুনা মৌপ্বাগী মনাক তম্না হোৎচিল্লক্লে। সাবিত্রীনা কাউ-থোংলিবদু ইমুং তানরক্লুনা মমা মপাসু চেংহোক্লরক্লে। সাবিত্রীনা মৌপ্বাবু ফনা কৌজদুনসু রবীদি অমুক্তসু থুম্নকখিদে। মৌপ্বাবু পম-খৎলুনা মমায় হাইগৎলগা য়েংবদা নীংথিরবা শকফম লোয়ননা ইরেক লেকথরদুনা ময়াদগী ঈথেং তারম্বদু উরে। মফম অসিদা নোংমা

সুমিদাং মোপ্যানা তমখিবা অকিবা শকফমগী রারী অদু নীংশিংলকই। ঙোরবা লাইবক্তা চমাং মরীক মরীক কারম্লিবদু সাবিত্রীনা নাম্ববীমদুনা কপ্প-কপ্পদুনা—

রবী, মসিরনে পুন্সি হায়ববু! পুন্সি হায়বসি ফাগিনি হায়বদাই নহাক্না? ঙসি নহাক্না তৌরিবা অসিবু ফাগিরনে? নহাক্না ঐবুতা নত্তনা পাবুং অমদি ইমাগী মফমদস্থু নমথাক তৌরিরনে রবী। পুন্সিসে ফাগ গদে, পুন্সিসে ফাগি নত্তে। অমুক ফাগি তৌবগনুনে রবী। অমুক ফাগি তৌরগনুনে!

সুমিৎ কয়ানি লেপ্লে সাবিত্রীনা সুমিৎচুপ্পগী অরা সুংঙাইগী লম্বীদা চৎনিংঙরম্বা রবী ঙসিদি লোয়রদ্রে। রবী লাকখিগনি খন্না সাবিত্রীদি শিংথাংদনা কপ্পা কপ্পা ঙ ইবি। "রবী শিদে, রবী শিদে, মহাক অমুক হল্লকখিগনি" হায়ব রখল অসিনি সাবিত্রীনা খল্লিবা। "মহাক্না হায়রম্বা রাই, মহাক্না ঙাংলম্বা রাঙাং ঐগী নাকোংদা ঙংলি, ঐগী মিত্তা শংশঙ উরি, রবী হল্লকখিগনি রবী হল্লকখিগনি।"

রবীন লৈদিপ্রবা তুংদা সাবিত্রী সু ঙাইফম ইখঙ খঙদ্রে। সুমিৎ চুপ্পগী সুমিদাংনা ওঙশিল্লকপদা পুথ্রা মপানগী কবোক্লে মখোঙদা রবী লৈত্রা খন্ন মূনা মূনা য়েংজে। সুমিৎ খুদিংগী ধুপ-থাওমৈ; বত্তি, লৈ শু কৎলি। ঙসি ফাওবদা মোপ্যানা দমক মিৎলুগী পিরাংনা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎপা লেপত্রি। কবোক্লে মখোঙদা পুথ্রী মপান্দুদা রবীগী মোংফম্নি। সুমিদাং ওইরক্লুনা থাবলনা মপুং ফারকপা খুদিংগী রবীবু নীংশিংই। রবীবু কোয়না থিজৈ।

সুমিৎ অদু য়াচঙবতমক মঙায়রি। মোংফমদা ধুপ থাওমৈ কৎননবা সাবিত্রী চঙশিল্লকই। মপুঙ ফারবা থাজস্থু মেঙনা ঙান্না হুন্দোরক্লে। সুমিদাংরাঃ রমগী লিরি হুম্বা মালংনস্থ লিরি হুপ্লি। মালংগী লিরি হুম্বা শাহুমলক্তা শোঙ্খাংনরবা খোঞ্জেল অমনা—

সাবিত্রী মখুত্তুগী ধুপ-থাওমৈ তাখিবা খঙহৌদে। খোঙ্গেম্না তাখিবা মায়কৈ ঙদোমদা য়েংথোকখিবদা মশেন-মরাংলবা শককমদা পুথ্রী পনবানগী রাংমদা রবীনা বপ্পচুনা মচেবু চিংনা য়েংচুনা লৈরম্মু উই। ঙক্লবা শককমদু উবদা খঙহৌদনা শোম্নাংননা সাবিত্রীনা—

রবী! নঙ ইচেবু ঙাইরম্লিব্রা? নঙ ইচেবুদি কাউদ্রিদনা! ইগাগা পাবুঙগদা লাল্লে হায়না চৎজরলাউনে রবী। নহাক্না ইচেবু লুনা তৌগনি হায়খিবদাই। অদুগা ইচেবু থাদোক্কুনা কদায়দা চৎলুরিবনো? চঙশিল্লকউ লাউনে, করিগীনো মঙুদা লেল্লিবা?

—ইচে ঐদি চঙবা য়াদে। ঐনা ইচেবু থক থাদোক্কুনা চত্তে। ইচেগী নতুং ফুমিৎ চুপ্পদা ইঙ্গরি। ইচেবু ঐনা ঙাক শেল্লি।

—রবী পুন্সি হায়বসি ফাগি নত্তে। ইচেবু ফাগি তৌগনু।

—পুন্সি হায়বসি ফাগিনি ইচে। ঐস্থ ফাগি মপুং ফারমদ্রি। মপুগী অঙদা তিনহনা হানগ্রে। শল্লোন নাইরবা পুন্সি হায়বসি ফাগিনি।

অসি হায়বগা লোয়ননা সাবিত্রীনা রবীবু ভমুক কম্না উখিদ্রে। রবীবু উত্তরবদা—

রবী, পুন্সি হায়বসি ফাগি নত্তে, পুন্সি হায়বসি ফাগি নত্তে— ইচেবুদি ফাগি তৌগনু।

অসি হায়বগা লোয়ননা সাবিত্রী তুথগ্রে। সাবিত্রীনা জ্ঞান তারকপদা মীনা থিঙৌ ফৌরম্লিবদু উরে। জ্ঞান তারকপগা লোয়ননা— "ঐনা তৌরিবসিবু ফাগিরা? পুন্সি হায়বসিবু ফাগিরা?" অসি খন্না খন্না সাবিত্রী তপ্না হৌগৎলক্লে।

( G. P. College Magazine– 1971 )

---

কুন্দো পরেং ?

# “কুন্দো পরেং”

## (৬)

মৃণাল-লৈকোল-নংগী [illegible] ওইরল্লবী, ইনথংপা হৌরল্লিবী মথোং নারল্লিবী অমনা [illegible] খাখলশিং অসিনু করি ওইরমগদগে ? [illegible]। তুমইৎ [illegible] মনোগুম থবক ইনখাংগী চৈরক্তা চরৈ তম্মাং ফিশ [illegible], [illegible] চিবোন চিবোন [illegible] ? মশা নানবী, মশক [illegible] হাইদোক্তুনা [illegible] য়েংলিবদিনা করি ওইরিগবা। মথোং [illegible] রারীশিং অদু ইমুংগী ওইজ-ওইথক্কী [illegible] থমি।

[illegible] দিরানবী ওইগে তাম্নজরিবা মথোং [illegible] য়াওজরিবা প্রেমচন্দ্রনা। [illegible] পুন্সিগী [illegible] অমুক্ত মমিৎ থীংনা য়েং-জনীংলিবা অমদি পুন্সিগী [illegible] ওইরবস্থ লাইবক য়েংগে খঙ্গরিবনি।

মোমোন লোকপা মীনোত্তনা খোৎলুরবী, মহাক্কী মীনোক অদুতনা তাইবঙবু শুন্দংহ্মাই ওইরবী, মহাক্কী মীৎয়েং অমনা মায়াগী ঈপাক্ত। ঈরারহল্লিবী, লোরারেনগী জগোয় শাবীগুম নীংখিজরবী, অমরাবতি লৈকোলগী লাইরেম্বাগুম নীংখিরবীদুনি প্রেমচন্দ্রনা লৈচন চানা নাচোম শেমদুনা মহাক্কী নাপদা থেৎচনীংলুরিবা। নীংঙমদ্রবা মহাক্কী খম্মোয়না ওন থোইরিবা অমদি তেংথারিবস্থ মহাকথক্কীনি।

কুলৈ কুচু লময়োবী, সুপীজা অমনা চেনকম থোকপা গুণশিংনা লৈতেংলবী মহাক অহুবু কনানো হায়বা রাহং অসিনা তত্তনা হংলি

তত্তনা ঙংলরি প্রেমচন্দ্রগী লোম্থোক্তবা থম্মোয় তম্না। প্রেমচন্দ্রনা মখল মখেল কয়াগী রাহং কয়া হংজক্ৰনসু লোম্থোক্তবা মহাক্কী থম্মোয়না খক খুম্নকপা লৈখিদরে। মহাকথক্কী রাখল ঈরৈদা কপ্লি - ভেংথারি ওম্না থোইনা। ফুম্বংননা মফাংনরবা রাখলগী হিনাউনা চেম্থরি ফৈনা য়ুংনা লমথুংকম খঙদনা। হোৎত্রে অম্নম্না মতম কয়া মশীং নাইদ'। পল্লেপ পন্থুংকম খঙদ্রবা প্রেমচন্দ্রগী রাখল লমথারক্লিবা কুইরবা মতম্নি। ঙসি ফাওবা পন্থুংকম খঙদ্রি। করম্বা মতমদা পন্থুং লমদাং য়োগবা। মীওইবগী পুন্সিদা য়োগদবা পন্থুংদি অমত্তা নত্তে। হায়কম খঙদ' মশীং নাইদ্রবা পন্থুং লমদম কয়ানি। অদুবু য়াম্নবা পন্থুং লমদমগী মরক্তগী অমবু য়োগে তাল্লিবা প্রেমচন্দ্র অরাবা কয়াবু নংপবা, মতম কয়াবু লেনগবা।

ফাথবা ঙমদ্রবা মীওইবগী থম্মোয় ঈথক্লি। কারক্লিবা থম্মোয়গী ঈথকপু কনানা থিংহনা লৈবা ঙমখিবগে? মতৌ অসিগুম ফয়না হৌবা কুমগী নোংহৌগুম কারক্লিবা প্রেমচন্দ্রগী থম্মোয় ঈথক কয়াবু কুহনা থিংহনা লৈবা ঙমগদগে? থিংবা ঙমদ্রবা থম্মোয়গী ঈথক্লা লমজিংলহনা নোংমতম্ন লৈকায়গী মচে-মচন কনাদা ইচে-ইচন হায়না কৌবা ঙমখিদ্রবা প্রেমচন্দ্রগী পাঙদ্রবা থম্মোয়না অনৌবা থৌনা অমগা লোয়ননা। নোংমদি শকখঙদ্রবী মহাক্কী মকাদা চয়বা থম্মোয়নুংগী ওইবা রাহৈ খরনা নুংশি শৈহৌরুরি। হায়রিবী অসে প্রেমচন্দ্রগা হৌখিবা নিঙোল চাকৌবা নুমিত্তা উনখ্রবী চন্দ্রলতাবুনি। মথংগী নুমিৎ কয়াদসু চন্দ্রলতা অমদি প্রেমচন্দ্র থিলহৌ কয়ারক উনথ্রবনি। অদুবু মতম অদুদদি প্রেমচন্দ্রগী থম্মোয়দা মহাক্কী মকাদা করিগুম্বা খরদং কোংদোকে হায়বসি খনখিবা নত্তে। চন্দ্রলতাগী মিথয়েং-নায়েং কয়াদগী প্রেমচন্দ্রবু নুংশিবগী রাখল খরদং লৈরব্রা হায়বসি প্রেমচন্দ্রনসু থাজবা পোক্লবনি।

নুমিদাংরাইগী ফুদোংলবা সনাগী মচু মাল্লবা নুমিৎকী মশেক্লা মালেমদা ঙাল্লিবা মতম্নি। চন্দ্রলতা নাকলদা সনাবুল অমা য়েপ্লহনা

তুরেলগী ওয়বা লৈরায়দা ঈশিং শোকলুবদগী কাখৎলক্লিবহু প্রেমচন্দ্রনা উই। মুমিৎ অদু প্রেমচন্দ্র মথন্তনি অহুগা চন্দ্রলতাস্থু মদোমতনি। প্রেমচন্দ্রনা মথম্মোয়নুংগী ওইবা মুংশিবগী রাহৈ খরদংদি মকাদা ফোংদোক্লম্লগে হায়বসি মহাক্কী লেপলবা রাখলনি। অদুবু চন্দ্রলতাগী মকা য়োৌবদা করিগুম্বা মুংশিবগী ওইবা য়াহৈ অমত্তস্থু কাওথোকপা ওমদরে। থম্মোয়নুংগী চন্নবা—“ঈশিং শোকলুরিব্রা চন্দ্রলতা” হায়বা রাহং অসিমত্তদি চন্দ্রলতাগী মফমদা থম্মোয়নুংগী রাহৈ অমা ওইনা হায়বা ওমজহৌই। প্রেমচন্দ্রহু চন্দ্রলতাগী মফমদগী করিগুম্বা মতীক চাবা পাউগুম অমত্তা ফংখিদে। নোকপদদি মোমোন নোক্লম্মী।

অস্থুম্না মুমিৎ কয়ানি হৌখ্রে। নোংমত্তস্থু মপুংফানা চন্দ্রলতাগী মফমদা ফোংদোক্লীলিব রাহৈ খরহু ফোংদোকপা ওমদরে। খল্লরুবা রাখলপুম্বা ফো ওমদবনা অরেম্বদা তারগদ্রা রাদবা ওমদে। ফোংদোক্তনা অস্থুম্মক মহাকথক্কী খল্লুরিবা রাখল অহু লোইশিঞ্জগদবস্থু প্রেমচন্দ্রনা পাম্মজে। ফোংদোক্তবা মুংশিবনা থম্মোয়নুংগী অমকপা লৈত্রবা মুংশিবা হায়বহু ওইগদৌরিব্রা? থম্মোয়নুংগী ফোংওমদ্রবা রাখলশিং অসিবু অস্থুম্মক অরেম্বদা কংদুনা লৈমন চন্নবা থম্মোয়নুংগী লৈরাং ওইহনথ্রসিরা? ফরে অহুমওায়রে, মহাক্কী নাপদা থম্মোয়নুংগী লৈরাংনা ইখুৎমক্লা থেৎচবমক ফংজদ্রবস্থু লৈনমতদি তাহল্লম্লগে। মহাকথক্কী রাখলতদা ঐগী থম্মোয় লৈকোলমুংশিদা মুংশিবগী লৈরাং চারা অমত্তং হৌজরি হায়বসে মহাক্লা খওবিবা ওইরসনু। অসিগুম্বা রাখল ময়াম অসিগা লোয়ননা প্রেমচন্দ্র চন্দ্রলতাগী মফমদা মুংশিবগী রাহৈ খরদংতদি ফোংদোক্লম্লগে হায়না চপ য়ুংনা খনখ্রে।

চপ চানা ফোংদোক্লগে হায়না খনখিবা মুমিৎ অসিগী মতুং মুমিদাংরাইরম অমদি মফম মতম চানা অনিমক উনরে। চন্দ্রলতা হায়গীগুম ফিবম ওইরমদে। তরু তরুরবা ফি মতেক অমা ইল্লহুনা মশা তনান তনাম্না কোম্থোংদা লেপলহুনা লৈরম্মী। মহৌশাগুম প্রেমচন্দ্রনা

লাকপবু চন্দ্রলতানা উরবদা নুপীমচা অমগা লোয়ননা মপান্দা থেংলক্লে। চন্দ্রলতাগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা প্রেমচন্দ্রগী থম্মোয়না ঈকায়-খুম্নোইবগী রাংমদা লৈদ্রুনা রাহৈ থরদি মপুঙমক ফাদ্রবসু ফোংদোক্লগে থাদুনা লৈরিঙৈদা চন্দ্রলতানা নোকপি নোকমি চঙশিল্লকপা লাইজ ঈরোম্নুংদগী তাইবঙ ঈপান ফাওরকপদা ঙায়রিবা অপোম্বা থম্বাল অমা প্রেমচন্দ্রগী মফমদা পীরম্লগা তলহন-হন্ডিনখ্রে। ঙসি হৌরিবা অসিবু কনি মতেং নো হায়না প্রেমচন্দ্রদু ঙেকচানদুনা লৈরিঙৈ বরিগুম্বা রাহৈ অমগুম্বু হায়বা ঙমহৌদ্রে।

মথংগী নুমিৎ অমদসু রাহৈ মচেং অমত্তা হ য়রমদবমখৈ অপোম্বা গুলাপ অমনা প্রেমচন্দ্রগী 'থবাক্তা থেংপীরম্লগা অঙম্বক মচৎপ। প্রেমচন্দ্রনা চন্দ্রলতাগী মথমদা রাহৈ থবদং ওইরবসু হাংহোননা ফংনা বম্না লাম্বনি, তদুবু অরেম্বা প্রেমচন্দ্রগী রাখল ওইরে। প্রেমচন্দ্র মহাক্না তাইবঙলা হায়ফম থঙদরে।

নোংমসু নোকপদ মনোরম্মী। নোংমনা অপোম্বা থম্বাল, নোংমনা অপোম্বা গুলাপ, বরিনো মহাক্কী মতৌ অসীবু। পোমজরিবী লৈরংনি হায়রিব্রা? মহাক্কী রাহৈ অমত্তসু ওপিনাওবা ঐগী ইফমদা কাংবা লৈত্রি। অদুগা মহাক্কসু ঐগী রাহৈ থরদা ফোংদোক্লবগী খুদোংচাবদ্ পীবা লৈতে। বরিগুম্বদা মখোবা থোক্লবসু ঐগী পাঙ্গল লৈখিদে। মহাক্না রাখলশিং অসিবু ঐবু লঙংগে থল্লিব্রা? মহাক্কী অথীবা মাচৈতা ওইরবসু ঐগী ইফমদা মহাক্না হায়ফম থোক্লক্রা? মহাক্না ঐগী ইফমদা খোঙ্গেল থোক্লবা থম্মোয়গা লোয়ননা পীরিবা খুদোলশিং অসিনা বরক্না তর্গনো? অসুম্না খুম্বংনরবা লমথুংফম থঙদ্রবা রাখল ঈচেল মরক্তা প্রেমচন্দ্রগী রাখল হিনাউনা মফাংননা কৈনা যুংনা তাউথরি।

থোক্লিবা থৌদোকশিং অসিগী মতুং নোংমা নুমিদাং রাইরম মমঙ-মথা ইচোই-চোই বরিবু থোক্লবগথনো থন্ন-থন্না হান্নগী মতৌগুম চন্দ্র-লতাগী নাক্তা লাক্লে। লম্বীমত্তদা চন্দ্রলতানা নোংমা অপোম্বা থম্বাল পীরম্বা নুমিত্তা লোয়নরবপী নুপীমচাদু প্রেমচন্দ্রনা উরে। ফনদুম তাঞ্জা

চারে অশেংবা অমা নুপীমচাসিদা হংলগে খঙ্গা চৎশিন্নবগী লোয়ননা নুপীমচাদুনা রা হানখ্রে। নুপীমচাদুগী মায়থোংদু নীংবা বায়বগী শকফম্নি। তনৌরবী মায়থোংদু অরাবগী লৈচিলতনা কূপ্পগী মতৌনি।

প্রেমচন্দ্রগী মফমদা তংহানবমক্তদা নুপীমচাদুনা— ইচে চন্দ্রলতানা পীরকপনি হায়দুনা চপ্রা অমগা মৈতোল অমদি চেঙ য়াওবা ময়োম অমা পীরে। ময়োম অসি পানখোক্লা অমদা য়োমলক্ষ্মী। অদুগা অকোনবদনা অপোম্বা কুন্দোতনা লেংলবা কুন্দোগী পরেং অমগা পীরে। প্রেমচন্দ্রদি ঙকপদা থেংলে। নুপীমচাদুনা পিরাংনা থুঙ্কৎলবা মিৎম্লাদু প্রেমচন্দ্রদা হঙ্গৎনা য়েংলদুনা—

তাচৌ, নহাক্লদি ইচে চন্দ্রলতাবু ঙসিদগী কাউবীগনি। মহাক্লা পীরম্বা অপোম্বা লৈরাংশিং অমদি কুন্দোগী পরেং অসে মীরায়বীগম্নুবো! মসিনা নীংশিং খুদম ওইবীয়ু! নহাক্লা ইচে চন্দ্রলতাবু নুংশি কাই-রৌবদি তাচৌ নহাক্কী ওইজবা তান্নবগীদমক্তনি। অদুবু নহাক্লা মখোঙদা ঝিংর থাংগে খঙ্গা চেক্লাদু ঙসিদি পাইথোকহনবনিনা ওইজবা লৈত্রে খন্দুনা ইচেগী মরমগীদমক রাখলগী মরীক অমত্তসু খনবীগনি হায়বা থাজদ্রে! ইচে চন্দ্রলতাদি অচান-মীরায় নাইরবা মপুগী খুৎশেম মরক্তা অমুক হন্না লৈনীংদরে হায়রদুনা.... ....

নুপীমচাদু পিরাংনা থুঙ্গৎপনা প্রেমচন্দ্রবু মশেন মরাংলক্লে। চন্দ্রলতাগী নুংনাং-রাখলদা কৈয়েং খৎপা পোল্লক্লে। প্রেমচন্দ্র নুপী-মচাদুগী রাহৈশিং তদুনা লমজাউখোম্না চান্নবা থাম্বা মৈরীনা রায়বগুম থম্মোয় মৈচাক ফংলে।

—অদুগা তাচৌ, তাচৌগী নফমদা রাহৈ মচেৎ অমা ফাওবা ইচে চন্দ্রলতানা হায়রমদবগীদমক রাম্নৌবীগম্নুকো। পুম্নমক লোম্নোক্তবীগী দোবনি। তাচৌ, ঐহাক থীম্লে ইচেগী সংস্কারগীদমক .... .... .... .... অসি হায়রম্লগা নুপীমচাদু চেনশিনখ্রে। নুপীমচাদুবু তাম্লপ প্রেমচন্দ্রনা য়েংলদুনা তবি-তবি ইম্নখ্রি। মরক মরক্তসু প্রেমচন্দ্রনা নুপীমচাদুবু য়েংজবগী লক্ষ্মীদা অপনবা অমা ওইররি। অসুম চঙশিনবখিবদা

প্রেমচন্দ্রনা তাম্নপ হাণ্ডলবা মালংদা যজ্ঞগী মৈথুনা তিনখি্রবদু উরে। মীকপ খোঞ্জেল কয়াদগী চন্দ্রলতাগী সংস্কারনি হায়বা থগুলে। মসিগা লোয়ন-লোয়ননা অপোম্বা কুন্দোগী পরেং অদু মণ্ডকশমদা তপ্না হুক-চিঞ্জরে। মোংকমগী শয্যা তম্না মতেক থরদং চণ্ডশিল্লমগা খোঞ্জেল পীরূপ— চন্দ্রলতা···· হায়না কৌরম্নগা তপ্না ফমথরক্লে অদুদগী মশা অদু অতুম্মক লেকথখরে।

রা রা চেল্লিবা নুঙ্গায়রকী তুরেল' ঈচেলনা অরা' মপাউবু মফম থুদিং থুংনা য়েল্লি। নুঙ্গায়রকী ঈরাওখোল অমদি মীকপ খোঞ্জেলবু সুংশিরব। হৈনম-লৈনমগা ঈরোয়ননা মালংনা য়েল্লি মফম থুদিং থুংনা। হৈরাং লৈরাংগী মনম্ন খোগংলবা খোইমু খোইরেল কয়াম্ন অর' শৈহেক তম্লক্লে। ঈয়ায় 'থক্তা শাচ্চবী থরো, ঈবোন্নংগী থারীকথা কয়াম্ন অরাবা মালংগী শহুম ফংবদা চোইজ.ইননা তারে। অরা' শকফমশিং অসি উবদা সংসারপুম্বা মৌন-ব্রত তৌরে।

## "অভ্যাস"

## (৭)

অঞ্জলী মখুত্তা লৈগী পোলাং মচা অমা পান্নরদুনা খুঙ্গংগী মচি খচি খুদিংদা লৈ থিবা মুমিৎ খুদিংগী কোয়না চৎলি। অঞ্জলীগী পেঞ্জবা হায়রববু মহাক্কী পীক্লবা পোলাং মচা অদু মখল মথেল কয়াগী লৈরাং পরেং লেংজদুনা মহাক্কী পীক্রবা থাংপোকশঙগী অশেংবা মফন্নি খঞ্জরবা মচি অমদা পুল্লপ তাশিন্দুনা থমজিঞ্জবা অসিনি। মমাগী রারক রাহৈ, মপাগী চৈরাক অঞ্জলীনা নোংমতম্মু নাচুংখিদে। করিগীদমক্লো অঞ্জলীনা লৈবু অমুক পামজরুরিবা অমদি নুংশিজরুরিবা! মহৈগী যুগতা অঞ্জলীনা মহৈ-মশিং তম্বগী মায়কৈদা মিকুপ অমত্তম্মু মতম কাইথোকনীংখিদে। মিকুপ অমত্তা মহৈ তম্বগীদমক্লি হায়দুনা হুমাং মরীক অমত্তা চাদিং তৌনীংখিদে। মপাবুংগী অপাম্বদি অঞ্জলীবু মহৈ-মশিং মপুংফানা তমহন্দুনা মতীকচাবী অমা ওইহনবা হায়বসিনি। খুঙ্গংদা লৈদুনম্মু অঞ্জলীগী মপাবুং খুঙ্গংগী মচিন তোংবা মীশক্লি। খুঙ্গংগী রাফমতা নত্তুনা সহরগী মচিন তোংবা মীশকশিংনা মহাকপু খঙবীদবা লৈতে। মতমগী চৎনবী মতুংইন্না মসিগী ঈচেলদা তাউথবা হায়বসি মপাবুংগী অপাম্বনি। নৌরবী অঞ্জলীগী থম্মোয়দা খল্লিবা রাখল অদু কনানা মদু য়োনা খনবা ঙমখ্রবগে? রাকচীংথাগী মাকমৈদা শাৎপী লৈরাং গুলাপলৈগুম নাইতোম শাৎপী অঞ্জলী মালংগী শহুম ফংদুনা খাঙ্ থক্কা কেনবদা মপিঙ্গা লৈরাংশিংনা তেংথাদনিঙাই লৈব্রা?

নোংমদি অঞ্জলীগী মপাবুংনা পীরম্বা থৌদা অমবু থৌওইবা তৌদনা মহাক্কী অপাম্বা মওং মতুং ইন্না লৈগী সেবা তৌদুনা লৈরিঙৈ মপাবুং হঞ্জিল্লকপনা হাল্লদুনা অঞ্জলীদা মহাক্কী কান্নদ্রবা মতৌ অদুগীদমক নিন্দা তৌরদুনা রাহৈ খরা হায়রকই। অঞ্জলী মপাবুংবু কিদবদি নত্তে। মহাক্কী

মরাল অমদি নৈরে হায়রসি অঙ্গৌ খংদবা নত্তে। অদুবু মহাক্কী সুংশিজরবী লৈশিংগী সেবা লোইভ্রিদৈ মহাক্লা কনাগী চৈরাকপু থোৎইদে, কনাগী থোদাবু মাঙওইননীংদে। মথুদো পায়রম্বা লৈরাংগী পরেং অদু শিৎ-শিৎ নাল্লদুনা মপাগী মীচৈ তাদুনা লৈ। অসুম্না তুম্মিন লেপ্পুনা লৈরঙ্গদগী ওকু-ওরুনা বোয়রাওনরবী অঙ্গলীগী মিৎন্না থম্বাল অনীদগী পিরাংনা অথিংবা লৈতনা শিন্থুরদুনা—

পাবুং নাইতোম শাংদ্রা লৈরাংশিংসে মপীভাবক্কা তিনহনবশিনু পুণ্য নত্রো? অরেম্বদা চোইজাইনবা মাঙথিগদোরবী লৈরাং কয়াগী পুক্কিবু লংশুং লংলানা চেনা পুনশিনবীদুনা অৎপা লৈত্রবা কেনবা লৈত্রবা লৈরাংগী পুক্কি অমা ওইহনবা হায়বসি লৈরাংশিংগী উপবার নত্রবনে?

পীক্রিবী অঙ্গলীগী রাহিংশিং অসি তাবদা মপাংগী চিনবান্দগী করিগুম্বা রাকৈ মচেৎ অমত্তা বাথোবখিদবন্থু অঙ্গনীনা অপাঙ্গনক তোরসন্থু করিগুম্বা অথিংবা অমত্তা পীররোই খনখে। গৌজিক অঙ্গলীগী পুক্কিনা করম্বা পুন্সি অমা ওইরকপগে হায়বদু মীপুম খুদিংনা খোরাংনা ঙাইনবা তাবনি।

লৈগীদমক কপ্পা ওদ্দী, লৈগীদমক লেনপা ওদ্দী লৈগীদমক পেঙবী, হে অঙ্গলী নহাকপু লৈগী লাইরেম্বীরনে।

—ইমা, নহাক্কি লৈবু সুংশিবা পোক্কু? লৌরবী অঙ্গলীগী রাহংনি। মমাগী মযামদগী করিগুম্বা পাউখুম অমত্তা যংদ্রবী অঙ্গলী নীংবা কায়না মহাক্কী লৈরাংশিংগী নাক্কা চৎনকুনা বংশিনবা লৈরাং পরেংশিংদু অমমমতা ওইনা থাজকুনা পেম্না হেংকৈ। লৈরাংগী রারীদা, লৈরাংগী কুহ্মদা অদুং ওইরিবী অঙ্গলীগী পুন্সি অদু লেনজৈ। মমাগী অম্পাক্কা নাউথী শাজিবা, লাইথিবী লুবাক মিতাজবা অঙ্গলীগী লমচৎ নত্তে।

ইমা লেংলিবা লৈরাংগী পরেংনা অদুনা লৈমায়থক্তা চোইজাইনা তাবা সুমিৎ অদুদা মপুগী খেবশমদা শিন্নিবা লৈরাংগী পরেংলক্কা লৈখল

ওইরিবা অঞ্জলী ঐস্থ চোইজাইননা তারনি। মতম অদুদা নহাক্তি অমত্তা ওায়জরবী অঞ্জলীবু লুংশিবীররোইত্রা ইমা ?

অঙকপতনা থল্লবা অঞ্জলীগী রাহৈনি। নাইতোম শাৎচবী লৈরাংগী পুন্সিগুম্নবী অঞ্জলীগী রাহৈ তাবদা অমত্তা পোকচবী পম্রেম্না মিৎলুদগী পিরাং শিন্থখিদবা নত্তে।

নোংমতম্থ লৈগী কল্লনা রাহৈ কয়ানা নীংথিরবা ঈশৈগী অফাবা সুরদা ঙংখিদবা লৈত্তে। তাইবং অমদি মঙলানগী পুন্সি অনীমক্তা লৈতবু নীংশিংজবী অঞ্জলীনি।

*           *           *           *           *

হৌজিক অঞ্জলী মপুং ফানা চাউরক্লে। মসিগা লোয়ননা লৈরাংতগী সেবাদা, খুঙ্গংগী মফম কয়াদা কোয়না চত্তুনা মহাক্কী লৈগী পোলাং মচাত্ত থলহল্লদুনা লৈচল চানা শেমদুনা লৈরাং পরেং শেম্বগী চাংস্থ হেনগৎলক্লে।

ইঙা ইঙেলগী নোংনা থিৎলি-চুবা মতমনি। নুমিৎ অদুমদি খুঙ্গংগী খর তাম্নবা মফমদা অঞ্জলী লৈ থিবা চৎলম্মী। মহাক্কী অনীংবা অপাম্বা লৈরাং অমত্তা ফংদ্রবদা খোঙনা থাংবা মায়কৈদা রাখলনা চিংবা লম্বীদা অস্থম লাকপনা চীংয়া অমগী লম্বী য়ৌরক্লে। চীংয়া নাপোমদা যনা লৈনা থেকনা চৎলব তুংদা নীংথিজরবা মপুন্সিগী অমুক্তা উখিদ্রিবা মশক মমিং খঙদ্রবা লৈ অমখক অঞ্জলীনা ফংলে। অদুক পাক-চাউরবা চীংয়া নাপোম অদুগী মন্থংদা নীংথিরবী লৈরাংনা নাইতোম শাৎলম্বদু উরুবদা অঞ্জলী মোমোন নোক্লা মপুক্নীংবু পেঞ্জখিদবা নত্তে। অয়ুক্কী চম্না চাক্সি, মুংথিল চারেন্ন তমত্রি হায়বা রাখল লৈখিদ্রে। য়ুমদা অহল লমম্ম কম্নি খল্লরমগদগে হায়বা রাখল মচেৎ অমত্তম্থ থনখিদ্রে। নীংথিরবী লৈরাংগী মিকাবদা অরাম-খোরাংবা হায়বদু অঞ্জলীগী মফমদগী খাপ্পা চেম্মোকখে। লৈগী রাখলদা ফনা থেঙল' মতমদু ফাওবদা অঞ্জলী ইমুংগী রাখল থোইনা খল্লমদে। লৈতগী রাখলদা, লৈতগী

অপাম্বদা ককঙাওনরুরবী অঙ্গলীনা নুমিৎনগা তাশিল্লকপনে নোংমা থিংলি-চুবনে ঈংবনা চিনবান তমুনা থক থক নীক্লবী অঙ্গলী মুমলোয়রগী থক্লবদা মিপাইবা ৱৌরক্লে। মিপাইরবা খোঙথাং লোয়ননা পায়রিবা নীংথিরবা লৈরাং অদুদা অমুক য়েং তাল্লবা লম্বীগী মায়কৈদা অমুক য়েং লাক্লে।

ও! ঈশ্বর লৈত্তে থক্লবা অয়ানবা ওইয়ম্রে। অঙ্গলী লৈগী লাইরেম্বীনবু চানবীরত্রা—মংলম্বা নোংগী মপৈ কয়া মালংগী শঙ্গম্বা হুমদোকথিদুনা অভিয়াদা নুমিৎকী চোকথরবা মশেক থরদং উবা কংজরিঙৈ ময়ুম মায়কৈ তম্না অঙ্গলী চোকথরবা হকচাংত্থু পুদুনা চীংয়াঙ লম্বী লাম্বোয়রক্লে, তমগী লম্বী য়াংবীথক খোঙনেৎনরক্লে।

নুমিদাং ওইরক্লকাওবদা অঙ্গলী হল্লকপা লৈত্রবদা অমত্তা পোকপী পলেম পক্সৌ অমিদি রাবনা মিপাইনরে। মহাকপু পোকপী পলেম পম্বৌতা নত্তনা মপিজা কয়াম্থু অরাবা অদুদা শরুক ম্যারদবা নত্তে। মতম্না অসুম খেঙজিল্লকপগা লোয়ননা অরাবগী চাংম্থু অসুম অসুম হেনগৎলক্লে। মী পুম্নমক লৈতা লেঙদন থঙনদ্রে। অসুম্না মরাং মরাং তৌনরিঙৈ চৈরক্তা নোকমিরবা মায়থোং লোয়ননা অঙ্গলী মথুত্তা নীংথিরবা লৈ অমা পায়রদুনা লাক্লে। মহাকী মায়থোং উবদা শাউনরম্বা শকফমশিংত্থ হায়গীগুম হজিম্লরে। অঙকপনিকো নহাকসে হে অঙ্গলী! নহাকী মায়থোং উবদা শাউনরম্বা পুম্বা তেথহনবা ঙম্বী-নিকো নহাকসে! লৈগুম নোজবী, লৈগুম নোল্লকচবী, লৈগুম নিত্তি নুমিৎ খুদিং মোমোন নোকচবী হে অঙ্গলী. নহাকী পুঙ্গি অসি কল্লকনিংঙাইনি। অপাম্বা, মিহৌবা, কল্লকপা, য়েংথিবা হায়বত্থু পঙ্কবনিকো নশাদা!

নোংমা অঙ্গলীনা চীংমা অমদা লৈ থিবা কোয়না চৎলুবদগী হজিল্লকপা লৈত্রবদা মিপাইনথিবা অদুদগী অঙ্গলী মনিংতম্বা থরদি মরাথলে। হৌজিক অঙ্গলীনা অনৌ অনৌবা লৈরাং কয়া থিজরুরগা পুজা কচ্চবগী খুদোংচাবত্থু কংত্রে। ইমুংদগী মপান থোকহল্দে হায়বা নত্তে। লৈকায় পনলায়া লৈ থিবা হায়বত্থু তৌহন্ত্রে হায়বনি।

ইংখোয়্‌ংদা লৈ থিবতনদি অঙলী পেল্লক্লন্দুনা লৈকায় লাম্না লৈবু মিতৌবগী রাখলদু কম্না লাক্লে। নোংমা খোকথিবা থৌদোক অদুনা অঙলী মুমিৎ থরনিদি পলেম পম্হৌবু কিবদগী লৈকায় লাম্না চত্লুনা লৈবু মিহৌবগী রাখলদু কনা পোক্লনম্ তুম্মিন লৈরম্মী। অদুবু ওইখিবা থৌদোক অদু মতম্না মরোল নাইনা কূপশিনখিবগা লোয়ননা অঙলী মহাক্কী থম্মোয়বু খুদুম চন্দুনা লৈবা ওম্লক্লে। মী অমগী থম্মোয়বু মী অমনা খুদুম চন্দুনা থম্বা হায়বসি অঙলী কম্না পামদে। মমা মপাগী অপাম্বনি অঙলীবু লৈকায় লাম্না চৎহন্দবা হায়বসে। অসিগীম্ মথক্তা অঙলী চহি ১৪/১৫ হায়জিল্লকপগা লোয়ননা পুংকক চাউবী লৈশাবী কারক্লবীনি। অদুগা অমরোমদনা লৈকায় লাম্না চত্লুনা লৈ খিবা চৎচবা হায়বসিনা অঙলীগী অপাম্বনি। হৌজিক অঙলীনা মমা-মপা ওইব-শিংগী থম্মোয় অমদি মহাক্কী রাখল অনীসিগী মরক্তগী করম্বগী খোইনশিনবু ইনবা তাবগে? মমা মপাগী অসিগুম্বা রাখল অসিদা অঙলী পেল্লক্লবা কম্না লৈবদগী নোংমদি মমাগী মকমদা হায়রকই—

ইমা, খিংবা ওমত্রবা মীওইবগী থাক্তা ঐখোয়গী থম্মোয়বু খুদুম চলহন্দুনা থম্লগত্রনে? নখোয়না ঐহাকপু লৈকায় পনলাম্না চৎহনবা পামদে নত্রা ইমা? ঐবু ওসি অফা-অপুন্নবগুম্না থম্লিবা অসি নখোয়গী অপাম্বদুগীদমক্তি হায়বদা করি অকায়বা লৈবগে? ইমাখোয়নসু থম্মোয়গী অপাম্বদু লাকশিনবা ওমদবদগী ঐবু অসিগুম্বা ফিভমদা থম্মীরি। ঐহাক্তি মতৌ করম্না থম্মোয়গী অপাম্বা অসিবু ফাখদুনা থম্বা ওমগদৌরিবনোনে ইমা? ঐহাকসু ওসিদগীদি অপাম্বা থম্মোয়গী তৌথক অসি অমুক হন্না খিংদুনা লৈবা ওম্লরোই। ইমা, ঐহাক থম্মোয়বু নীং-খা তমহনবা পাম্মী, থম্মোয়বু নীং-খা তমহনবা পাম্মী। থম্মোয়গী অপাম্বনি হায়দুনসু শাগী লমচত্তি নত্তেদনা ইমা।

মিৎলুদগী শিন্থরকপা পিরাংগা লোয়ননা লেম্না লৈত্রবা রাহৈ খর মমাগী মকমদা হায়রম্লগা অঙলী ইমুংদগী খোকখিদুনা কোম্হোং রাংমা লানত্রে। অঙলীনা তৌরিবা মওং অদু মমা ইবেম্মনা রাহৈ মচেৎ

অমুত্তা হায়বা লৈতনা য়েঙ্বুনা লৈকোই। কাম্বত্তবা রাখল থন্ন অকনাবক-হুৎকু ধন্দুনা লেপ্পরগা মিৎগ্গী ঊবাল অমাদগী শিরাকনা অঙৈথনা লৈতনা শিঙ্বা হৌরক্লে।

মহুম তৌনা মমাংগী মকমদা নোংমতন্থু মাওথী শাজরক্কনা চাউখরকপা অঞ্জলীনি। মত্তমনদি কনাবুসু ঙাইহিবিবা নত্তবনা হৌজিক লাঞ্জলী থাজ-য়োজবগী মতম ওইরক্লে। মহাক্কী অসিওম্বা লৈচই অসে সংলারবগী অনোবা খোঙচত্তা অঞ্জলীবু চিংশিনহনবীরগা থম্বি শাকদর্কত্রা থন্দুনা অঞ্জলীবু থাজননবা থৌরাং তৌরক্লে।

মম্ম মপাগী অসিগুম্বা রাখল অসি হেক থঙলকপা মুখিৎ অত্তুদগী অঞ্জলী মুমদগী পান লাম্থোকখে। মতুংগদি অঞ্জলীবু কনা মত্তনম্থু ঊবা ফংখিদ্রে। হৌজিক অঞ্জলী মকম কৈদা লৈরমগদগে হায়বসি কনা মত্তনম্থু হায়বা ঙম্মবনি।

ইমুংদগী মপান থোকখিবা মুখিৎ অত্তুদগী হৌজিক অঞ্জলা মুন্দা হাজনবগী রাখল তৌদনা মকম খুদিংদা কোয়চৎ চত্তুনা লৈবা হৌরক্লে। সহরদা নত্তে, খুংগদা নত্তে। শুক্লবা উমংদা— সহরদগী তাম্নবা লমদমদনি। চহি কম্মা কৌথ ফাওবদা অঞ্জলীবু থংবা লৈত্রবদা অমত্তা পোকপী পলেম পুন্থোদি অঞ্জলীনা থমজরম্বা লৈমন চন্দুনা কংলবা লৈগী পরেংশিং অদু য়েংজবগা কপচবা নত্তনা উপায় লৈজদে।

কনাগী মকমদম্থু অঞ্জলী পঙ্খবা তৌদনা কোয়না চত্তুনা মুখিৎ মণীং লাকগুমদ চরা হেন্নকপনা মশা অত্তু চোকখরে, মথেঙ থাংবা থোক্কুরে। অম্মা উমং-রামং কযাদা নোংজু মুংশা অমদি খুলোংবীবা কম্মা নংলবুত্তদা পলেম-পম্থোবু মৌথৌনদা শাংলংলক্লে। মীগী অথা পোম্মা লৈবম্থু মহাক শাম্মদে, মুমদা অমুক থাজনগনবম্থু মহাক হাজিনীদে। অম্মাদি মহাক কবি তৌবা তাবনো? জীবপুথা মহাকি মহাকী অনাক-হুতনা লাং ওইনা পুনম্মক্কনি। অঞ্জলীম্থু অসিমত্তাদী মহাকী অপাম্মত্তনা লৈকম ওইবা তাবমি। হে অঞ্জলী! কানবা রাখলদী অপাম্মা নহাক লুপ্পবা?

লাংবন থাগী লৌচি কোয়বা ঙমত্রবা মতম্দি, খুংগাগী মৈশানা মক লাউনা শারবা। মতম কুইনা চারক-থক্লক্লবগী অরাম-খোরাংবনে, খুংগাগী মৈশানা যাকপনে, নৌপবী শিঙেলগী মপোক্কগা লাংওনজুবনে, পোমশাংনবী লৈরা গা ওইবনে খোউথাং মঙম শাগ্রে। খোঙথাং থুনিং চপ চপ লেপ্লক্রে। তুঙাঙলবা লাইবক্কী হুমাং মরীক্লা মায়থোং-পুন্না চাংগোক্লে। লমশাঙ চংপনা নৌরবী মহাক্কী খোঙলক থুরা পুন্না উফুল-শিঙোই বয়না চাথংপনা খোংথাং খোক্তুবী অঞ্জলী—পল্লেপফম খঙদনা চংলি। লমৌদা থেংনবা লৈরাংমখৈ অমত্তা চিংথদনা কেক্লক্তুনা মশাপুন্নত্তে মশিন্দ্রে। লৈগী বুঙ্গ ওমগুম নীংথিরে। খুংথিলগী মতম লোইশিনক্লে, অনম-অঙান শিনবদ্দোরে। মফম মরাং খঙদনা অমুম লাকপনা অঞ্জলীগী মখুঙ্গ খোরক্লে। খুথিদাংরাই শাম্নবুংদা শারুবদগী চোবথদনা মখুম মাইকৈ পাংলক্লবা খুপাংচা খুপীমচা কয়ানা অঞ্জলীবু অঙাঙলীনি খন্দুনা শিঙ-ফিনা শাখনুনা অমদি মথরায়দগীসু হেম্না লুনা নীংজরিবা লৈগী লৈকা কয়াবু লাক্তুনা লক্লবীবা হোরক্লে। ফিজি ফিনা পায়বগী খোয়শাঙনবা থম্মোয় লৈরংদে; লৈরাং-লৈকা শেংনা চোয়না খিক্তোক্তুনা করেম্নরক্লবা মতমদদি হিক্লা হিক্লা কপ্পা হোরক্লে। জ্ঞান তারবশিংনা অঙাওবা অঙাংশিংবু চৈক্তুনা অঞ্জলীবু অপনবা অমুক পীরুবা তৌত্রে। অঞ্জলীবু কনাগম্তনা মশক খঙবা নত্তে। অঞ্জলীগী পলেম অহুতদি অঞ্জলীবু অঙাওবী অমগী শকফমগুম উরবসু মহাক্কী থম্মোয়দা ঈচেল অমা তত্তনা ফাওবা হোরক্লে। অহবু মচিন অহুনা “ইমাগী ইবেম্মা” হায়না কৌবা ঙমখিদরে। অঞ্জলীগী মায়কৈদসু ঈফুং অহুনা কন্না ফাওরক্তুনসু “পলেম ইমা ইবেম্মা, নচাবু কাউরক্লনে” হায়না হায়বা ঙমখিদরে। খুমিৎ তাশিল্লকপগা লোয়ননা মহৈ মহৈ চঙনত্রে। অঞ্জলীসু মচি অমদা কমদুনা অমুম লৈ। অঞ্জলী ওহ্যা বাখল তৌদুনা উখাদা অমুম ফম্নবগী তুমখথিবা খঙহোত্রে। কাকি মথৈ ওইরক্লবা নোংঙাল্লমদাই শজিক্লা তরং-মায়থোং-লোয়নরক্লবা মঙ্গমদা খোয়েন মঙলানচানদা পলেম মানবী, লম্বীদা উনথুবীবু ম্যাংলানি

হায়না মওফাও তয়ক্লে। মতম অসি অঞ্জলীনা ময়ুম থাদোক্তুনা চৎখিবা মতুং চহি ১৫ মুক্কী রানি। মীকপ খঙথোক থোক্তুনা হৌগৎলকপদা অহিং মমৈ ওইরম্লে। থাবলগী মঙালনা মালেম পুম্বা সরুক্পা মচুনা লৈত্তেংলম্লে। কোয়না হাইরপ য়েংলম্লগা পরপ পরপ চৎখিত্তনা অচৌবা লম্বী অমদা হাইজিনলগা লৈকোল অমগী মায়কৈ তম্না চঙশিনখ্রে। লৈকোল অমনবা অচুদা শেম্বীদবনা লৈশাৎ নীংথিনা তম্নমত্রবা তিঞ্জং-কায়জংলবা লৈরাংশিং য়েংলগা অঞ্জলী হীক্লা হীক্লা কপ্পা হৌরক্লে।

ঐহাক্কী মপোক অসিবু অরেম্বদা তারব্রা? মীওইবা সম জগী করিগুম্বা উপকার অমত্তা তৌবা ঙম্লমোইদৌরিব্রনে ঐবু। নীংজবা অপাম্বগী মতুংইন্না লৈরাংগী থম্মোয়গুম ঐগীসু ওইননবা অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা রাখল অসি খল্লমদনুনসু হৌজিক ঐহাক্লা চহি কয়া অভ্যাস তৌদুনা নৈনজরে। খরদংতা ওইরবসু ঐগী থম্মোয় অসে লৈরাংগী পুকচেল লৌবা ঙমজরে। অদু ওইরবদি অসিগুম্বা পুকচেল অমদি থম্মোয়না লৈত্তেংলবা ঐহাক্কী লেমহৌরিবা পুক্সিগী মতম খরদংসিদা করি তৌকম থোকপগে? পুক্সিগী অয়ুক অসিদগী মতম খরদং হেক লৈশিনখি-বদা ঈশ্বরগী মায়কৈদা খোঙ থাংবা হৌরক্লগনি। ঈশ্বরগী মায়কৈদা মায় ওনশিনখিবা মতম অদুদদি সমাজগী উপকার তৌবা ওইথোক্রে। অনীংবা অপাম্বা অমত্তদা অসুম য়ুংদুনা পুক্সি লোম্বা ঙাইবদি ঐহাক পামদে। অমর লৈত্রবা মীওইবগী পুক্সিদা লেঙদবা মিংচৎ থম্বা হৌনশা নত্রব্রা? থবক অসি পাঙথোক্কে হায়রবদি সংসারগী মমা মচা ওইবগী মরী অদু থদৎতুনা অনৌবা সমাজ অমবু সুংশিবগী মিৎয়েংনা য়েংবা তাবনি। অদুবু অরাবদি। লাইরিক লাইশু হৈএবা, ইরল পায়-ত্রবা মীনা অঙাওবীনি নীংনরবা ঐনা অসুক লুরবা লাঞ্জং অসি করম্না চঙগদৌরিবা। করে মসিদা ঐহাক্লা নীংহম্নগদবা নত্তে। ঐগুম্বা থম্মোয়গী— মীনা মচিন চৎপা, লাঞ্জংথৌবা মীওই কয়া লৈরি। মখোয়গী মরক্তা য়াওদুনা ঐনা ঐগী অপাম্বা অসিমক পুকচেল শেংনা য়াওরগনি। সমাজবু সুংশিরবসু সমাজগীদমক সমাজবু থাদোকপা

তাবনি। রাখল অসিগা লোয়ননা অঞ্জলী মমা মপা ওইববু অমুকহন্না নীংশিংলুবা লৈতনা খোঙকাপ শাফু তন্নক্রে। চৎনা চৎনা অঞ্জলী খন্নকই—

ঐহাক্না অমুক লুরবা পুন্সি তানকমগী লাঞ্জং অসি চঙত্রিবৈ চাংয়েং অমত্তং দরকার লৈত্ররা? ঐগী থম্মোয়গী চাংয়েং ওইনা ঐনা করি তৌকম থোকপগে? করি তৌবা তাবগে? অপাম্বা, মীহৌবা, কন্নক-য়েংথিবা, কাখৎলকপা থম্মোয়-ঈহৌ পুন্নমক থাদোকপা তাত্রা? সুজা ওইবীগী মপোক্তা লাংওন্নুরবা ঐহাক্কী থম্মোয়না নুংগুম কনবা হৌনশা ওইগদৌরিব্রা নত্রগা ঐগী অথোৎপা অমেঙবা থম্মোয়না পুন্নমকপু লাকশিনবা তাত্রা? ফনা লুবা রাহংনি। চেপশি পৈয়া অমেঙবনা চাউর' শী'বুন লাকপগুম অঙাওবা ঈরৈনা ককঙাওনহন্নবা সমাজবু অমেঙবা সুপী ওইবীগী থম্মোয়না লাকশিনবা তাবনি। রাখল অসিগা লোয়ননা অঞ্জলী সমাজ সংস্কারগীদমক থৌরাং তৌরক্রে।

---

লৌথোক্লকপা -

১৬শুবা মতাং

# "কনাগী মরালনো"

(১৮)

মরূপ মপাহ কয়াগী [illegible] বান্ন [illegible] মৈশা লালবী সুরমা লৌশিংথে [illegible] অমদি সুরজীৎকী অহল লমং [illegible] মীরৈবাক্কগী মবৈবাক লমদম [illegible] লাল্লিঙৈ অসিদা অ [illegible] লোয়ননা লুহোংনন [illegible] বগা [illegible] কী মন্নুংদা অসিগুম্বা অমা [illegible] খংদে। [illegible] থোক্লবদি সুরজিৎকী মথমদা [illegible] থোক্লমগদবনি। সুরজিৎকী মপা [illegible] মচাগী অদুগুম্বা লৌচং অদু কনাদসু খংহল্লিদবনা। সুরজিৎ ক [illegible] কনানো অমদি করম্বা মীশক্নো হায়বদি সুনিতানসু অঙা ওইরিবৈগী পীনরবা মীশক অমনি হায়বা নত্তনা থোইদোক্না কুপথবদি খঙবা নত্তে। মথক্তসু পঙথে সুনিতা হায়বসি সুরমাগী মম গা পোকমিন্নবা মন্দোন-মচাগী মনাওনুপীনি হায়না। মসি সুরজিৎথোয়গী অহল লম্মমদি খঙদবা নত্তে। সুরমা অমদি সুনিতাথোয়গী ইমুং অনিসি চংথোক চংশিন তৌ-রমন্নুনা সেগা-মাইগা তাথোক তাশিন্নরম্নবদি অমগা অমগা ইহো হোনা থোক্লিবশিংদু উনবমগদবনি। অদুবু অসুম থোকউ তমখিবনা ইমুং অনিসে পুকচেল খোইজেল তিন্নদে। অসিগীসু মথক্তা অমনা মরল মথুম লৈবা, মীনা পথান ভোবা ইমুংনি; অদুগা অমনা লায়রবা

হায়বা ভীল অতুনা চীকথৎপীরবা ইমুংনি। সুরমাগী মন্দোনমচা কামিনিনদি সুরমাবু মাগী নাক্ত পাউ হেক তাবগা থমগে থনবনি। অদুবু মপুরোইবগী মতোতুদা রাহৈ অমত্তা কাংথোকপা ঙমখিদে। তৌজিক্লি লমচৎ নাইদবী অমনি হায়বসি পুম্নমক্কা থঙনরবদা মতুগী রাখল অমুক কামিনিনা তৌখিদরে।

সুরজিৎন থোক্লকপগা লোয়ন লোয়নননা কান্তনা সুরমাবু শিন্নগে থল্লতুনা লম্বী থিবা হোরক্লে। সুরমাবু কান্তনা শিন্নগে থম্না লম্বী খিবক্লিবসি ফনা কুইশিল্লক্লবা মতম্নি। অদুবু পোৎ অমা করি অমা শিংগে হায়বদি নত্তবনা পাক হেক হায়রুবা য়াদবনা মতম্মা অস্রুম ইখিনখিবা নত্তন অতৈ উপায় অমদি লৈতরে। সুরমানসু থল্লি—মমাগী পায়েন্নতুনদি কান্তনা হোৎনবদা অরেম্বদা তারগনি হায়বসে। মশা না উপায় অমা য়েংতুনা সুরজিৎবী মকাদা রাহৈ থরদি ফোংদোকংগে হায়বসি সুরমাগী লেপ্লবা রাখলনি। ইকায়বা মীনোক মৈশা লাংবগী হায়রুরবদি সুরমা অত্থাঘাট তৌবা য়াববনি : অদুবু সুরজিৎকী মথক্তা নোংমা নত্তগা নোংমদি মহাকপু লৌনম লাংনা কুপ্নীবগীদমক থোদোক্লা নত্তবস্ত রহৈ থরদংনা লম্মন শিংলমগে হায়বা রাখল অসি থল্লুবদগী আত্মাঘাটকী রাখল থল্লুদরে। করম্বা খোইয়ুম মাগী থৌইনশিন্নো নোংমতা শিগে-নাগে থনখিদরে।

নোংমগী সুমিদাংনি। পুং তরেৎমুক্কদি তাররিগনি। কান্তগা থে ইনা হেম্না লুনা তিন্নজবা বসন্ত কৌবা ইনাক কৈরাক থুল্লবা মমান্নবা অমগী ময়ুমদা থবক অমা মায় পাকপগীদমক বসন্তগী মরূপ মপাং থরবু চাক্কৌই। চরা চাবা লোয়নরগা নিংথিনা শেম শাতুনা থম্নবা কা অমদা বার্ত্তন হংতুনা লাক্লিবা ভদ্রলোক পুম্বা অরা পোথানরি। ভদ্রলোকশিং অতুগী মরক্তা সুরজিৎ অমদি কান্ত য়াওদবা নত্তে। মথল মথেলগী রারী অস্রুম শানরম্বদগী হন্দক্তা ইনৌ নৌনা থোক্লিবা সুরমা অমদি কান্তগা থোদোক অতুগী মরীদা কান্ত অমদি সুরজিৎপু খঙবীদবা মীওই থরনা কম্না রারী শাবা হোৌগৎনরক্লে। মন্নাম অতুগী

মরক্তগী সুরজিৎ অমদি কান্তবু মশক খঙবা মীওই খরনা লোন্না ঈগিৎ পীনদুনা রা-মেনবা লাক্লরি। কান্ত অমদি সুরজিৎপু খঙবীবা মীশকশিং অদুগা অতোপ্পা লাপ্লক ফম্লিবা মখোয়না কান্ত-সুরজিৎপুদি মশক খঙদবা, অসিগীসু মথক্তা তাম্লনা। লোম্ম' পীবা ঈগিৎকী রাংমদা লৈথিবনা কনানসু রামেম্লরুদ্রে। মখোয় খরদুসু মনিং তম্না ঙাংনিংবতা ঙাংবা হৌখরে। মখোয় মখোয়না ফোংদোক্লিংবা মত কয়াসু কোংদোক্তুনা সুরমা অমদি কান্তগী ওইরিবা পুন্সিগী উপন্যাসত সমালোচনা তৌবা হৌগৎনরক্লে। কান্ত অমদি সুরজিৎপু মশক মুন্না খঙবা মীওইশিং অদুসু কাঙবু অদুগী মতৌবু য়েংলদুনা ফনদুম নুংঙাইগদৌরি বুমৈরুম য়েংশি হায়না মমিৎ খৎনরদুনা নুংঙাইনা তাদুনা লৈথোক্লে। অদুগা নাকল অমরোমদনা কান্তদি হুমাং কাংবা হোরক্লে। ময়াম্না মহাক্কী মতৌবু উরগা খঙখিবা যাই খল্লদুনা থৌ-রা শাদনা মহাক্না যেংগদবা লাইরিক অমা অসুম য়েংদুনা লৈ। কান্তনা ময়ামগী মত সুরমা অমদি মহাক্কী মরীদা করি লৈবগে হায়বদু য়েংথোক্লগে খল্লদুনা মখোয়না ঙাংশক্লিবা অদুদা মুন্না 'পূক্লিং লুপশিন্না তাবা হৌরক্লে। নিটিক তৌরিবা ভদ্রলোকশিং অদুগী মরক্তগী অমন—কান্তগী পুনচেল থাগৎনিঙাইনি অমদি তমজনিঙাইনি। ঐহাক কান্ত হায়বসি কনানো অমদি করম্বা মীশক্লো হায়বমক খঙদ্রবসু মহাক্কী ওইরিবা কিবমগী রারী রাখোঙদি উত্তম কৌবা হৌজিক কান্তনা মপাগা খৎনদুনা থোক্লক্লবা মতুংদা লৈরিবা ইমুং অদুগী মীশক অদুদগী অকুপ্পা মরোলমখৈদি চপচানা খঙজে। সুরমা হায়রিবীসি কান্তগী হৌখিবা পুন্সিগী খোঙচত্তা নুংশি খোঙলোই ওইমীন্নরকপী নত্তে। মতৌ করম্না মীরোল্লবী নুপী অমবু লৌশিল্লরিবনো হায়বা রাহং অসি লাকপা তারবদি কান্ত মতম অমদা মীহাৎপা তারি, লমচৎ নাইত্রবা মীশক অমা ওইরম্মী। মহাক্কী অসিগুম্বা লীচৎ অসি সুরমা মহাকথং ওইত্রিবা লীচৎনি। কান্তগী মনে অমগী মচানা লৌবা নুপীগী মনাওনুপীনি সুরমা হায়রীসে। সুরমানা কান্তগী লীচত্তা অমকপা মমি তাত্রিবশি মহাক্কীদমক্তা তাত্রিবা অমকপা

লীচৎকী মমিনি হায়বা খঙলবদা ইচম চম্বা মবুং অমগুম মুংশিবীদুনা মহাক্কী লীচৎপু শেমখিবনি হায়। রাক্ষম অসিদা ময়ামগী রাখলদা মুংশিবগী লম্বীদা খোঙদামিন্নসি য়াদবী মহাক অদুনা মতৌ মওং করম তৌমা অদুগুম্বা মীশক অদুবু লমচং শেম্বা পামগদৌরিবনো হায়বা রাংং অসি হংনিংবা য়াই। অদুবু মী মীগী পুকচেলনি। সুরমাগী মফমদা কান্তনা মপুক্লিংগী রাহৈ কয়া ফোংদোক্লুত্তনসু অমদি সুরমাগী মফমদগী কান্তনা তমর্থারবা মীচৈ কয়া ফংখিত্তুনসু মতুং তারকপগী পুন্সিদা কান্তনা সুরমাগীদমক ফত্তবা রাখল থনখিদবা অমদি অচম্বা রাখলভগা ঈরোয়নখিবা অসি সুরমানা চপচানা খঙিঙ। অসিত্তনসু মরম ওইরত্তুনা অমদি মহাক্কী মরমত্তনা মী অমগী পুন্সিবু মাঙননবগী মচাক ওইবত্ত পামদবনা কান্তগী লীচৎপু শেমখিবনি হায়রি। সুরমাগী মপুন্সিদা অচেৎপা রাখল অমদি— মহাক্তনা মরম ওইরত্তুনা কনা'মত্তগী পুন্সিবু লৈখা তাহল্লগ্রোই হায়বা রাখল অসিনি। অদুম ওইনমক মহাক্কী রাখল অসি লৈত্তুনসু সুরজিৎকী মফমদা মপুন্সি কথোক-হুবী সুরমানা মহাক্তগী মরমত্তনা পুন্সি মাঙলবা তাম্বা লৈবা শক-থঙদবা মীশক অমবু করিগুম্বা উপায় অমনা হায়বদি মহাক মশামক্কী পুন্সিবু কথেকখ্রবা মীশক অদুগী মায়কৈদগী মায় ওন্না চথোকপা লৈতনা অতোপ্পা পাম্বে অমনা মী অদুগী পুন্সি কনবা ওইথোক্লগ্রোই-দবনি। অদুবু কাগুদি মত্তুমকসু থোক্তে। পীক্লবা মরী অমসু লৈরি। অসিগুম্বা মরম কয়াদগী কান্তগী মাঙথরক্লবা লীচৎপু ইচম চম্বা মওংগী ইরায়-লায়বা পাম্বৈনা কান্তবু খুত্তুম চন্দুনা থম্বা ওমথি। কান্তগী লীচৎপু সুরমানা খুত্তুম চনবা মুমিৎ অত্তুমক্তদা সুরমাগী পুনসিদা করিগুম্বা মতম অমদা খুদোংথীবা নত্ত্রগা পুনসি মাঙবা য়ারবা থৌদোক অমবু থোক্লকপা লাক্লবদি মহাক্লা কনগনি হায়না রাশকথি হায়রি। অদুগুম্বা শকখিবা রাশক অদুগী মতুং ইন্না মীরোল্লবী মুপী অমবু ইচম চম্বা রাখল অমগী মখা পোন্ন লৌশিনবীবনি।

নিপা অসিগী মত মতুংইন্না মহাক্লা তৌরুরিবা থবক অদুগী অচুম্বা

মশক অতুদি ময়াম্না খঙবীবোইরে হায়বা রাখলদা থরা নুংঙাইথোকপা ঙম্মে। সুরজিৎতি নাকোং শিংজেপ য়ৈবগুম থোক্লে। অদুবু মহাক থোইদোকপা চিন্দি কাংথোকপা লৈত্রি। কান্তনা অমুক্না হেন্না খঙ-নিংবা অমা পোক্লদুনা মহাকপু মশক খঙবীদ্রবা মীওইশিং অদুদা অশেংবা মশক উৎপা লৈতনা—

মরূপদি তাকপীরি : হৌজিক পনবীখ্রিবী সুরমা কৌবীত্রবু কান্তনা লোয়নবী অমা ওইনা তশেংনা লৌশিনবীখ্রব্রা নত্রগা করম্বা মওংদা···· ?

—মরূপা মুন্না তাবীহৌদ্রবননি, হায়না পঞ্জখি্রদুনি। ঐহাকসু থোইদোক্লা উরুবা খঙলুবগী রাফমদি নচ্চদে, মরূপ অমগী মচিন্দগী থোক্লকপা রাফম থরহু ময়ামদা অত্তক পঞ্জবতনি। অদুবু মরূপ্না তাবীহৌদদুন হংবিরক্লিবা রাহংগী প উথুম ওইনা ঐহাক্না তাজবদা— তশেংনা সুরমাবু লোয়নবী অমা ওইনা লৌশিনবা নত্তে। কান্তসু হৌজিক ওক্তবী অমা পুশিল্লকই হায়দুনা মপানা তাম্লোকপীদুনা উত্তমগীদা লৈরি হায়না তায়। সুরমা অমদি কান্ত য়ুম্ন অমত্তগী য়ুম অমদা লৈদুনসু লৈখিবা নুমিৎ অদুদগী ঙ'সি ফাওবদা নিংথিনা রা ঙাংনজবা ফংজদে। করি মরমদগীনো হায়বদু নুপী ওইবীগী সতীত্ব ধর্ম্মবু কায়হন্নিংদবদগী অমদি ময়ামগী মীৎয়েংদা অচম্বা মওং অদু উৎননবগীদমক। হায়রিবা রাফম অসি লৈকায়গী মীওই অয়াম্বদি খঙবা নত্তে। মখোয়গী মত হায়ববু সুরমা কান্তগী নুপীনি হায়ব-সিনি। সুরমানা ওক্তশিংদা চনবসু কান্ত মরমগীদমক্নি হায়বা অসিনি। কান্তনা শীল্লিবা থেওংসু মসি তাননবনি। মরমদি ময়ামগী মীৎয়েংদা মদুম্না উহল্লগা সুরমাগী ইকায়ববু কন্দুনা লোম্না থুপ্না হোৎনদুনা সুংদা লৈরিবা অঙাং অদুগী অশেংবা মপা সুরজিৎ হায়রিবদুগী মকমদা শিন্নগে মদু ওইথোক্লিফাওবদি মহাক্না লোয়ননা সুরমাবু লৈমিন্নবগে হায়বা কান্তগী রাখল লৈ।

কান্তবু মশক খঙবীবা মীওইশিং অদুদি য়াম্নমক নোক্লিংলকলে। মখোয় মশেল মমিৎ মমিৎতমক য়েংলৈ। রাদি ঙাংনদে। বসন্তদুদি

থোকঅবা অমা লাকপা তারে খন্দুনা মিপাইদবদি ঙমদ্রে। অদুবু ঙাঙনরক্লিবশিং অদুনা হৌজিকমক্তি ব্যবহার কায়নবা লৈত্রিবনিনা থোইদোক্লা শক্লুদে। অদুবু তুং কোইনা ঙাঙনরকপা তারবদি রাকায় অমর্দি লাকপা য়াই হায়না বসন্ত খন্দবা ঙমখিদরে। সুরমা অমদি কান্তগী উপন্যাসতা সমালোচনা তৌরিবা সমালোচক অদুদা হেকমক ৰম্মা অওইবা ওইনা শিদৎ-তৎপমখৈ সুরজিৎনা য়েংখৎলক্রে। অতৈ ময়াম অদুস্ত কুম্মৈ মুঙাইবা তারেদা খল্লদুনা থোইনা পুক্লিং লুপশিনবা হৌরক্লে। সুরজিৎস্ত য়াওখৎলক্লবা অদুদদি বসন্ত রা কায়নরকপা তারে হায়না মিপাইদবা ওইথোকপা নত্তে। মহৌশানা সুরজিৎকী ঙিংগৎ-কল্লবা পুকচেলবুদি বসন্তনা চপচানা খঙি।

রাফম অদুদা য়েংচনীংবদি কান্ত হায়রিবা মীশক অদুনা সুরমাবু তশেংনমক মহাক্কী নুপী অমা ওইনা লৌশিনগ্রবনি। সুরমাবু হুন্দোক-পীরম্লবা মীশক অদুনা সুরমাবু হল্লা য়েংনীংখিদরে। মরমদি মহাক্তি লমচৎ নাইদবী তামনি হায়না খল্লদুনা। মহাক্কী লমচৎ নাইদ্রবী থোওং কয়াবু হুন্দোকপীরম্লিবা মীশক অদুনা উরদুনা অমদি পুকচেল লেপ্তুবী রাখলগী মায়য়োক্তা লমন অমা ওইনা মহাকপু নোংমতংদদি ইকায়বা পীগে হায়বা রাখল খনখি। সুরমাবু ইকায়বা মৈশা লাংহল্লিবা মীশক অদুনা সুরমাগা লোয়ননা নুংশি ঈচেলদা চেস্থমিন্নরিঙৈ কান্ত কৌবা মীহাৎপা জ্বারী অমগা, সুরমাগা মরী লৈনবগী মওং অমা মীশক খঙবা মরমদগী সুরমাবু ওক্তবী অমগী লম্বীদা পুশিনগে হায়বা রাখল পোকখি। হায়রিবী সুরমা অসিনা লোম্ব্‌প্পনা নুংশিনরিবা কান্ত হায়বা অদুগা থিলহৌ কয়ারক হৈরাং লোঞ্জানখি, লৈরাং লোঞ্জিন্নখি হায়বসি থাজবা য়ারবা মমান্নবা কয়াগী মফমদগী মতীক চারবা প্রমাণগা লোয়ননা খঙবা ঙমখি। সুরমাবু ওক্তবীগী লম্বীদা চিংশিনবীবনি — হায়রিবা মীশক অদুগী মরাল নত্তে সুরমাবু ওক্তশীংদা চলহনবগী। মরাল লৈরিবদি কান্তনি। কান্তগী দোষনি। সুরমা চপচানা ওক্তবী ঙহাক্তংগী

ওইবা রাখলনা তুংগী আশা উদ্রবী, অপাম্বা মুংঙাইবতনা থম্মোয় থুঙ্কৎপী মীশক অমনি হায়বদা থোইদোক্লা হেঞ্জিনবা রাকৈ ওইরোই।

সুরজিৎকী রাহৈশিং অসিদা কান্তনা খল্লম্লিবা অত্নগা শাথীনা তাইওম্লরম্লবদা য়াম্না চীং লেম্না পেন্দ্রবা থম্মোয়গী খোম্লোক্তা কান্তনা হায়রকই। সুরজিৎ হায়রিবা মীশক অসিগী চপচাবা শকফম অত্ন কান্ত খঙবা নত্তে। সুরজিৎস্ন অত্নমঙায় কান্ত শনানো হায়বা খঙবা নত্তে। খঙনদবা মশেন মথৈত্তনি রারী শানরিবসি।

নত্তে নত্তে, মতুম্না মুপী ওইবীগী সতিত্ব ধর্ম্মন্ কায়জদ্রবী মুপীমচা অমবু চুম্নতগী মপাম্বোংগী মীংয়েংদা রাখল থনবীরগা মরাল শীবিগন্ন। হায়রিবা কান্ত সুরমা অমদি সুরজিৎকী লৈনরিবা ঈচেল শত্নগী মবীদা শৈহৌদগী হৌরদুনা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ফিবম অংমক য়াম্নগক হেম্না কুপথনা খঙজি হায়বদ হেঞ্জিনবা রা ওইবোই। ঐহাক্না অহানবনী রারী তম্বীখিবা ঐথোংগী মরূপ অসিদা হংলুবা রাকং অংদি ঐহাক্না খঙলিবা অসিগা খেন্নবা করিনো খঙনীংলুবদগী থোকখ্রিবা ঐগী থম্মোয়-মুংগী ওইবা রাহংনি। মরূপ অসিনা খংবীরম্লিবা অমদি তাবীরম্লিবা রাকম অসিমক অচুম্বমকনি। সুরমানা কৈদৌম্নুংদস্ন সুরজিৎ নত্তনা অতোপ্পা মীশক অমবু হৌখিবা মহাক্কী পুন্সিদা অমদি হৌজিক ওইরিবা মহাক্কী পুন্সি খোঙচত্তা লোম্নপুরবা মুংশি লৈপুন অমত্তা শেমখিদে। কান্ত হায়রিবা মীশক অসিনা হৌথিবা পুন্সিদা সুরমাগী মফমদা মুংশি-মুংওনগী ওইবা রাকৈ কয়ানা কয়ারক হম্না হযহ্খি। অত্নবু কান্তগী রাখল অরেম্বনি; ইকায়বা লংজবা নত্তনা অতৈ অমবুদি ওইখিদে। হায়রিবা মতম অসিদা কান্তনা সুরমা অমদি সুরজিৎকী ঈচেল খঙবা নত্তে। তাবমথৈদি নিনফুং নিনফুং তাবা জাংনি। অদুবু চপচাবা অরেপ্পা অমা খঙদবনা মরম ওইরদুনা কান্তনা সুরমাগী মফমদা কয়ারক হম্না হায়জখিবনি। কান্ত মীহাৎপা জ্বারী অমা ওইনা মমা পুরুংদগী লোয়নরকপা নত্তে। সুরমাগী মফমদগী ইকায়রবা তমথীরবা রাহৈ কয়াবু থাঙবা ঙমদ্রদুনা অমদি মমাম্নবা কয়াগী মমাঙদা চাং তাবনা

মরম ওইরদুনা কান্তগী নোংবা লৈরাংগুম থোংলবা মপুন্সি অদু নেশাগী অমদি ওক্রুবা থবক কয়াগী য়ুথল মরুমদা থুপচখিবনি। মসিনা মরম ওইরদুনা মুংপা নাইদ্রবা "কান্ত মর্ডরর—কান্ত মর্ডরর" হায়না ভাঙনরিবসিনি ঙসি ফাওবদা।

"কান্ত মর্ডরর—কান্ত মর্ডরর" হায়বা খোন্থাং অসিগা লোয়ননা টেবিলদা মথম্মোয়গী লুয়বা খোন্থাংদা মখা চীরা খুত্তুম্না দক দক শুরদুনা হ যরকই। মহাক্কী ফাবা ঙমদ্রবা থম্মোয়গী ওইবা ঈথক অদুদা অতৈদ্র কান্তবু হাইরপ চিংনবা পোক্রবা ঙমদে।

কান্তগী লীচৎ অসিবু সুরমানা মগুংলাংগী রাখলতনা ওইখ্রিবনি হায়বসি খঙলদুনা ইচম চম্বা লৈকাই মবুং অমা ওইনা খনবা রাখল অদুগী মতুংইন্না অচম্বা পঙলবী মহাক্কী উপায়না কান্তবু ফত্তবা লমচত্তগী কনগে খপ্রদুনা কান্তগী মফমদা চিঠি অমা ই। হায়রিবা কান্তগী ফত্তবা লীচত্তগী কনগে খল্লিবা মহাক্কী রাখল অদুমক পাঙথোক্লে। সুমিৎ অসিদগী কান্ত ফত্তবা লম্মীগী মায়কৈদগী খোঙ থাংদোকপা হৌরক্লে। হায়রিবা সুমিৎ অসিমক্তদা কান্তনা সুরমাগী মফমদা সুরমাগী মপুন্সিদা করিগুম্বা খুদোংথীবা অমা লাকপা মতমদা মহাক্না কনগনি হায়না রাশক অমা লৌখি হায়বসে ঐখোয়গী মরুপশিংগী মরক্তগী মরূপ অমনম্ব হান্না পনবীখে. অদুবু ঐহাক্না অয়ুকহন্না হায়জরিবসিনি হান্না হায়বীখিবা মরূপ অসিগী রাক্ষম অসিমক অচুম্বনি হায়না। হায়বিবা সুরমা হায়রিবী অসিগী পুকচেল অসিবু মরূপ অমদি ঐহাক্কী ইচে নক্লগা ইচল অমনা চেনবা ঙমগদবা পুকচেল্লা! হায়রিবা মমাঙদা পনখিবা মতম অমদা কান্তনা রাশক অমা লৌখিবদুগী মতুংইন্না মাঙথরক্লবা সুরমাগী পুন্সিবু কন্নবগীদমক, ইকায়ববু অমদি সুপী ওইবীগী ধর্ম্মবু ভাক্লনবগীদমক ঙসি কান্তনা সুরমাবু লৌশিনবীবনি। মহাক্না হৌজিক হৌজিকমক সুরজিৎকী মফমদা সুরমাবু শিননবগী থৌরাং কম্না পায়খৎলি। অদুনা মরূপ! সুরমাবু ওক্তবী অমনি খনবীরুগনু। মহাক্তিনে ঈচেল কাংদ্রবা তুরেলগী ঈচেলগুম্বীনি।

য়াম্না নীংথিনা মুন্না করিদা শোয়খিগদগে হায়বগী মতাংগুম তারবা মতুংদা—

ঐখোয়গী মরুপশিং হায়বীরি। ঐ অমুক করিগুম্বা থরদংগা হায়জগে। কান্ন হায়রিবা মীশক অদুগী মফমদা নুপী ওইবী অমনা থোইদোক্পা মরী লৈনবা মীশক অসিংশু নত্তনা অসিগীশু মথক্তা মরূপ্না কান্নগা সুরমাগা সুংশিবগী মরীশু সুরজিৎ নত্তনা লৈনদে হায়বীরি অদুগা লম্লানবা মীশক অমবু লমচৎ শেমদোক্নবগীদমক পাউজেল চৎপা অসিবু করম্বা ভাবনোনে মরূপ? সুংশি-সুংঙনগী লোন্তুপ্নরবা মরী অমা থমগে হায়বা রাখল নত্রনে? মসিনা সুরমা হায়বীসে পুকচেল লেপতবী অমনি তাক্কন্রা? মরূপশু রাখল অমুক্তা তৌবিয়ু।

—হোয়. অদোম্না হায়বীরিবা অদু য়াম্নদি চুম্মী হায়রবু মখাং অসিদদি চন্নবা য়াত্রবা রাকম অমা ওইরে। মসি তায় হায়দুনশু রাবোবদি তৌবিগনু। করিগুম্বা কান্ন হায়রিবা মীশক অদুগী পুনসিনা মাঙলবা পুনসি অমা ওইরম্লদ্রু সুরমাগী মরমতনা মাঙবা ওইদনা সুরমানা অমাঙবা অদুদগী কনগে হায়না করিগুম্বা থল্লম্লবা অমদি লাপনা তাম্লনা মরী অমা নত্তনা লৈবা মীশক অমবু কান্নবা ওইরবা মতমদা সুরমানা কান্নগী লীচৎপু কনগে থন্দুনা কান্নগী মফমদা হায়রকপমক ওইরবদি মরূপকী রাকমদুমক থম্নীংঙাইগী মচাক ওইরবা অমদি ফজরবা চেম্লিংঙাই লৈত্রবা রাকম অমা ওইরমগদবনি। মদুশু থোক্কে কান্নদি। মরী মতা অমা ওইনা ইচম চম্না অতিংবা থম্মোয়না কান্নগী ওইরিবা মতৌদুদা সুংশিবীবা পোক্রদুনা লমচৎ শেমগে থন্দুনা শেমখিবগী রাদনি। অদুবু করিগুম্বা সুরমাগী মরমতনা কান্ন হায়রিবা মীশক অদুনা লমচৎ মাঙখিবসি থঙলমত্রবদবু সুরমানা কান্নবু অমাঙবা লমচৎকী মায়কৈদগী কন্নে হায়বা রাখল পোক্লমগত্রা? মসি থম্নবা য়াবা রাকম অমনি। মরূপশু অমুক্তা থনবীয়ু। ঐনা হায়জরিবা অসিদা থাজবা পোকপীত্রবশু উত্তমকুমার এডভোকেটপু শক্থঙনবীরবদি য়াগীদা অমুক্তং

নোংমা লেঙবীরু। অদুগা মনুংগী কুপথবা রারম পুন্সদু হংবীরু। মসিদা সুরমা গমদি কান্তগী লৈনরিবা ফিভম অদু শোয়দনা উবীগনি।

কান্তগী মরীক চুম্বা রাতা-কৈদাদ সুরজিৎ "মসিবু কান্ত হায়বদুরা" হায়না চিংনবা পোক্লে। কান্তনসু হীরম অসিদা অতত্তাই ওইনা য়েংলক্লিবা অসিদা চিংনদবদি ঙমদে। সুরজিৎতু ময়াম মমাঙদা খজিক ইকায়বা পোকই। অদুবু মহাক্কী মায়থোং অদু কনাদসু উৎপা লৈতে। সুরজিৎনা মখা শমথরদুনা —

হীরম অসিদা মরূপনা য়াম্না মুন্না কুপথনা খঙবীবগী মওং অমা ওইনা উই। হায়রিবা কান্ত হায়বদু খঙনবীব্রা?

কান্তনা মসি খঙনৈ হায়না পুম্নমক্তি খঙনবীদুনা মহাক্কী সপোর্টতা ভাঙলবীনিদনা হায়রক্লগনি খল্লদুনা—

থোংদোকপা খঙনবদি তৌভদে। অদুবু কান্তনা লৈরিবা য়ুম অমগী য়ুম্নু কান্তগীসু মরূপ ওইরিবা উত্তংগী মফমদগী চপচাবা রারী অদুদি খঙবা ঙংজে।

মরূপ, অহোম্বা অমগী মফমদগী রাগী খরা তাবীবগা য়াম্না হৈজিংবা শাবিবা অসিদি কয়া সুংঙাইজদে। অদুগা সুরজিৎ হায়রিবা মীশক ভদো ঐনি হায়বসে মরূপনা খঙবীবা লৈরে। ঐগী পুন্সিগী ইতিহাসতি অহোম্বা অমনা কনা পিক্তিন-হুমাজন তৌদুনসু ঐগী পুন্সিদা থোকখিবা থোদোক অমা ওইবনা ঐহোন্দগী হেন্না মরূপনা খঙবী-রমগনি হায়বসিদি অঙকপা রাফম অমনি। মসি ওইথোক্তবা রাফমনি। হোয়, চুম্নগী মপাম্থোংগী ওইবা খরগী মথৈদি খঙবীবস্ল য়াই, অদুবু লোন্থুপনরবা রারমদি মরূপনা খঙগে তাল্লবসু খর রান থোক্লগনি।

অপঙবা যুংদোরক্লবা সুরজিৎকী রাতাদু তাবগা নোঙ্গাংবা পোল্লবা থম্মোয়গা লোয়ননা য়াংনা চৌং লেম্না —

মরূপ, রারোবীরমাল্লে, রারোবীগনু। ঐখোয়না ঙসি তাম্নবিবা অমদি নৈনরিবা রাফম অসি খংনগে অমদি শাউনগে নৈনরুবা হীরম নত্তে. চুম্নবা রাগী রাগী মতাং ওইনা পঙহায় হায়নবনি। এড্ডবৈশনগী

মায়কৈদা মপুং ফানা মঙাল লৈনরবা ওাক্কি। অদোম সুরজিৎ হায়বদুমক অশেংবা ওইবীরবদি চহি কয়া অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সিদগী হৌনা মীরৈবাক্তা চহি কয়া ইহৈ-ইশিং তম্বীরুরবা অমদি অসিগীসু মথক্তা এফ, আর, সি, এস-কী লংলবা ডিপ্লোমা অমসু পায়বীরবা মীশক অমনি। অদুগুম্বা লৌশিংগী থোঙদা রাৎপা লৈত্রবা মীশক অমনা করিসু লৈত্রবা হীরম অসিগীদমক অঙাংগী মতৌগুম ঙংখৎনখি, খুৎ থোক্লদে হায়বতা খাকখি হায়নবদু ঐহাক পামজদে। মসিদি তান্নবনি, অচুম অরানগী মশক লেপ্পা ওন্নবা হোৎনবনি। অকল-অরেং শীংনবা নত্তে। অদুগা করি মরমগীদমক মরূপ্পা মরাল লৈজদ্রবী নুপীজা ওইবী অমবু বৈথেলদা য়োল্লিবা লাইফদিবী অমগী পান্দম লৌদুনা শান্নপোংকুম খনবীরুরিবা। অদোম্না অদোমগী মরূপশিংদগী সুরমা হায়রিবীসিনা অমকপা লমচৎ চৎলে হায়বগী মতীক চাবা খুদম অমদি প্রমাণ ফংঙি হায়বদুনা করম্বা মখলগী খুদম অমদি প্রমাণ ওইবীরবনো ? ঐহাক্না অসুক কুপথনা হংঙি হায়দুনসু রারৌগনু। তান্নবনি খন্দোকপীয়ু।

—খুদম হায়ববু কান্তগী মফমদা নুংশি-লৈপুল শেন্নবগীদমক পীখ্রিবা চিঠিদুনা অমদি সুরমানা ঐহাকপু থৌওইদম্না মতৌ কয়ানা—

—মদুতনা মরম ওইরদুনা অসুক রাংপ্রবা হিন্দু শাস্ত্রগী মনুংদা লৈরিবা নুপী ওইবীগী আদর্শবু অদোমনা লৈখা তাহনবীরিবা ?

—নত্তে ঐবু মদুম্না হায়বীদুনা নুপীজা ওইবী অমবু পংওৎ ওৎপা মীশক অমা— অমদি হিন্দু শাস্ত্রগী নুপী ওইবীগী আদর্শবু মাঙহনবা মীশক অমনি খনবীগনু।

—ফরে, মদুগী রাদু তোক্লসি। ঐ রাহং অমত্তংদি হংজখিবা তাই। কান্তগী মফমদা চিঠি অমা পীখি হায়রিবদু মীগী মচৌন্দগী ফংবিবা পাউরা নত্রগা মরূপমক্না থেংনবীহৌবরা ?

—অহোই, ইশামক্না থেংনজহৌই।

—মতৌ করম্না ?

সুরজিৎনা লৌনম তৌরবা রাশেমগী পাউখুম পীদুনা কান্তবু ইকায়বা পীরগে খল্লক্লে। কান্তবু রাশেমগী পাউখুম্না ইকায়বা শোয়-দনা পীরগনি হায়বা রাখলদুতনা থুঙ্কৎখিবনা "মসিবু কান্ত হায়বদুরা" হায়না সুরজিৎনা চিংনবগী রাখল লৈখিবা অদু নীংশিংবা পোকখিদ্রে। কান্তগী মরূপ ওইরমগদ্রা হায়বসু খন্তুকবা তৌদ্রে।

কান্ত হায়রিবা মীশক অদু থোইদোক্লা লুনা-চান্না তিন্নবা মীশক অমমক নত্রবসু ঐহাক্না মরক মরক্লা চঙথোক-চঙশিন তৌদুনা লোইন-বগী মতম লাকই। সুরমানা কান্তগী মফমদা চিঠি পীখ্রে হায়বা তারবা মতুংদা নোংমা চঙলুই কান্তগী কাদা। কান্তনা ড্রেসিং রুমদা মফি মবোল শেংলিহৈঙ ঐহাক্না টেবিল মথক্তা লৈরিবা লাইরিক অমবু ফাক্তোক্লুবা মতমদা সুরমানা পীখি হায়রিবা চিঠি অদু থেংনরে। ঐসু চিংনবা অমা লৈরিবনিনা লোম্ন তাঙ্গা য়েংদুনা পাথোকচহৌই চাউরাকপা অমা। 'সুম তৌনা চিঠিদু থেংনজহৌবনি।

পঙলবা ওইথোক্লুবা সুরজিৎবী রা অসি তাবদা কান্ত নোক্লবা ঙমদ্রদুনা ইশি-শিনা নোক্লে। কান্তবু মশক খঙবা খর অদুসু অমদি বসন্তসু তুমিন্না ইকায়খিনি মতাগুম নোকপা খাঙলদুনা মমায়দু মহৈ মহৈ লুকথনরদুনা লৈরি। সুরজিৎকী কান্তবু মশক খঙডি হায়বা রাহৈ অসিমক মচৌন্দগী থোক্লয়োইদবনি, অদুবু সুরজিৎনা কান্তগা শকমান্নবা লমদম অতান্দদগী মীশক অংবু হাইরপ খঙডি। মদুনি খল্লুবনা লৌনম লাংনা কৃপ্নদা কনানসু খঙলরোই খল্লুবনা রাহৈশিং অসিমক থোক্লকপনি। মহাক্কী চোপ্পু, ইকায়বা নংঙু হায়বা তুমিৎতু শুবনা।

মরূপ, লাইবক ফবদগী চিঠি অদু থেংনবীহৌরবনিনা করি করি মরোলদি থেংনবীহৌবগে ?

কান্তনা পায়রিবা লাইরিক মচাদু ফাক্তোক ফাক্তোক্লদুনা নোক্লিংববু ফাথবা ঙমদ্রদুনা নোকখি নোকখি মমিত্তি য়েংখৎলকপা লৈতনা হংলকই। মথুৎনা অসুম লাইরিক্তু, ফর-ফর ফাক্তোকপদা সুরমানা মমাংঙৈদা পীরকপা চিঠিদু ইপৎ পৎনা য়াওরম্বা থেংনরে। মান্নি খন্দুনা

হাইরপ কাম্থৎতুনা য়েংলুবনি। ওইরম্লবদুদদি অনৌবা থৌনা অমগা লোয়ননা লাইরিক্কু শৎ খুমজিল্লে। সুরজিৎনা হায়রিবা শেমজিল্লবা সুঙাইরবা চিঠি মরোলদু মুন্না তাদুনা লৈরে। সুরজিৎপু চিঠিগী শেমজিন শাজিল্লবা মরোলবু পেন্না হায়হল্লবা মতুংদা কাস্তনা সুরজিৎপু ঈংনা চিংনা য়েংলদুনা—

অদোম্মসু হায়রীখরে। অদোমসে শান্নরিবা লীলা অদুগী নায়ক অমনি হায়না। অদুগা ভোলুমদা য়াওব্রবা বা ডাক্তা শীজিংবীরিবা করিগীনো? সুরমা অমসুং অদোমগী লীলাদা ডিরেক্তরনা তম্বীখিব্রিবা ভোল্যুমগা চুনব্রবা এক্টীং করিগী চথবীরিবগে? ফরে মসিদি রারেল্লি। অদোম্না কাস্ত হায়রিবা মীহাৎপা জ্বারী অদুগা শকখঙনবীসু পনবীখ্রে। থেংনবীরুবা চিঠিগী মরোলসু তাকপীরে। অদুবু পুম্নমক অসে ওইখ্রসনু। অদুবু মরূপপা অমুক নৌহৌননা সুরমাগী অশেংবা লংচৎ করম্বা মশক্লো হায়নন্তু অমুক্তা থিবিদুনা সুরগাবু লৌশিনবীবা ফৈ ঐ সুরমাবু মশক খঙজদে। চুম্নতা তারুবা পাউদগী নুংঙাইজদদুনা অঙক হায়-জবতনি। খনবীবা য়াই—“মী অমগী মচীন্দগী অচুম্বনি অরানবনি হায়বা খঙব্রবা পাউ অমা তারগা ওক্তুবী অমবু হেক লৌশিনবীয়ু হায়বা অসিবু করম্বা মীনো” হায়না। অদুবু পাউ অদুনা মরীক চুম্ননবদুদা থম্মোয়গী ওইবা রাহৈ খরদং থোকচখিবতনি। রারোবদি তৌবীগনু। লৌশিনবীদবা য়দে হায়বগী ঈতিক অমদি অধিকার লৈজদে। চুম্নতগী ইচম চম্বা রাখলগী খোম্থোক্লি। তৌবতদি এগী মত মকুং ইম্নদি অদোম্না সুরমাবু লৌশিনবদা থোইদোকপা অমাঙবা ওইগনি হায়বদি থাজদে। সুরমাগী মরমদা হংলুবা মীপুম খুদিংদা খঙব্রবদি খঙদ্রে; অখঙবা য়াওরবদি ঙসি ফাওবদা এখোয়গী মরূপ নন্তুনা অতৈদি মহাক্কী থোইদোক্লা নুপা অতে অতৈদা লাং-ফাং তৌদুনা অমকপা মমি তাবা নত্তে হায়বা পাউখুমতমক তাবা ফংজে। অদুগা অদোমগী পুন্সিদা সুরমাবু লৌশিনবিবনা খুদোং চাবা হেনগনি আশা তৌজে। হয়েং মতম অমদা নীংঙমদবগী মৈচাক্লা মরূপকী

ওইদবা অমদি থাকবা হৈত্রবা রাখলনা মুক্ষম ওইদুনা লেমপ্রবা হকচাং অদু মৈরী থোক্লা চাকথেক্লকপা য়াই।

সুরজিৎনা কাম্বগী লোইরমদাইগী রাঙাঙ-শাঙাঙদা চিংনবা পোক-লদুনা—

অদোম্বু কনানো? সুরমাগী সপোর্টতা ভাঙবীম্নিবা অদোমবু করম্না মীশক্লো? ঐনা ভাঙলিবা ওইদবনা করম্বনো; খুদম অমদি মতিকচাবা প্রমাণ পীবিয়ু।

লৈরিবশিং অদু রাকায় লাকপা তারেদি খন্নে অদুবু কনা'মত্তা চেক-মোক লাউনদে।

—ঐহাক থোইদোকপা সুরমাগী মায়কৈদা তোংদুনা রা ভাঙজবা নচদে। সুরমাবু অদোম্না থাজবা পোকপীদবগুম ঐবুম্ধ থাজবা পোক-পীদ্রব্রা? অদুগা অদোম্না ওইদবা রা ভাঙই হায়বগী প্রমাণ থোইদোকপা দরকার লৈরোই খল্লি।

কাম্ববু মশাক খঙবীবা মীওই খরনদি সুরজিৎসি মহাক্কী মুমিৎ শুরমাল্লে, চোপ্পা তারে খম্নয়ে। "হোয়দা মত্তুদি হায়মরমুসিদা শাউনবা ইকায়বা থোকপা য়াই" অসুম হায়রদুনা মহৈ মহৈ থামজিল্লবা হোৌরক্লে। খর অসিগী রাঙাঙদা সুরজিৎ অমদি মহাকা লোয়মরকপশিং অদু য়াম্না শাথীনা ইকায়বা নংলে। মরমদি ময়ামগী পুক্লিংদা সুরজিৎনা লাল্লে মতাগুম ভাঙলক-শক্লকপত্নুদা। রাখল অসিগা লোয়ননা সুরজিৎমা কাম্বদা মতিক চাবা খুদম. প্রমাণ পীবু হায়গনবা সুরজিৎকা লোয়ম-রকপশিং অদুনা সুরজিৎতা ঈঙ্গিত পীম্রি। মখোয়গী ঈঙ্গিত মতুংইম্না -

ঐহাক্লা ওইদবা রাঙাঙ পীজিন্নবগী প্রমাণদি? ময়াম অদুম্ধ সুরজিৎকী মরীল লৈখৎলক্লিবা মতৌদুদা কাম্ববু খঙবীবা কাঙবুনা মতীক চাবদু হায়নমবা এনকরেজমেন্ট তৌনরক্লে।

—শাউবা লৈঙনা ঈংখত্নুনতা লৈরম্নবা কাম্ব অরানবা ওইদবা রানা মুক্ষম ওইনা অচুম্বা শক্লক্লবা হোৎনবদু উবদা শাউরংননা—

অদোম্না অরানবা ওইদবা ঙাঙভি হায়বগী প্রমাণদা অহানবা ওইনা – কাম্তবু মশক খঙভি, চঙথোক-চঙশিন তৌই হায়বা রাকমদু। অনীশুবদা – চিঠিগী মরোল অদুমা। অদোমগা শক খঙনৈ, চঙথোক-চঙশিন তৌই হায়রিবা কাম্তনদি অদোম্বু নশক খঙবীদে। মরূপ অনীগী মপুংদা নাকল নামতগী ওইবা মরূপ অসিবু করম্বা মওংনো? কাম্তবু শকখঙনৈ হায়না ঙাঙবীবা অসিদি য়েৎনরক্লিবা হৌরম অসিদা অঙম তাক্লরুবা পঙহায় হায়রকপনি হায়বদা করি অকায়বা লৈবগে? কাম্ত হায়রিবা মীশক অসিনা অদোম্বুদি চপচানা খঙবীদে, অদুবু মরূপপুদি খঙনৈ হায়বীরি; মসি মরূপপা চিঠি অদু অমুম্না থে নৈ হায়না পুখৎ-লকপা য়াননবগী দমক শেমজিল্লকপা রাকম নত্রা?

ঐহাক্না তিমজবা মরূপতা অদোম্না "মরূপ অনীগী মপুংদা নকল নামতগী ওইবা মরূপ অসিবু করম্বা মওংনো" হায়দুনা অয়েৎপা পীবি-রিবসিবু করি অর্থনো?

কাম্তনা অদোম্বু নশক খঙবীদে হায়বগী খুদমদি ঐহাক্না অদোম্বু শক খঙদে। ঐহাক করম্বা মীওইগী মীশক্নো হায়বদুসু অদোম্না খঙবীদনা ওইদবা কয়া ঙাঙদুনা অঙাংমচাগী মতৌগুম ঙাঙবীরিবা করিগীনো? অদোম্বু রাখল খরদং খন্থনবগী মচাক লৈবীদ্রব্রা? অদোম করবসু কত্রবসু হৌগৎলক্লিবা Dr. অমা নত্রা? অদুগা করিগী অদুক রাখল লৈবীদবগে? ঐহাক কাম্ত হায়রিবা মীশক অদুনি। ঐহাক্তি অদোমগুম পুকচেল পীকপা মীশক অমা নত্তে হায়বসি অদোম্না খনবীগদবনি। অদোম্না লোখৎপা য়াদনা লৈখা তানা মুপী ওইবীগী লমচৎপু মাঙহনবীরবী মুরমা লৌশিনবীদ্রবসু কাম্ত হায়বা মীশক অমা ইচাউ চাউনা লৈরিঙৈ কৈদোম্মুংদসু মুরমানা ইকায়বগী মৈশা লাংদুনা অরাকমদা তাগদবা নত্তে। অদুগা অদোম্না হায়বীরিবা চিঠি অদুদি মরূপকী মঙগ্রেম-হাগ্রেমরবা মঙলান্দা থেংনবীবা চিঠি ওইরিগনি। অশেংবা চিঠি অদুদি মসিনি।

অসি হায়বগা লোয়ননা লাইব্রিক মনুংদুদা থাওরম্লিবা চিঠি অদু পুথোক্তুনা টেবিল মথক্তা থাদদুনা থম্লে। সুরজিৎ পাক খুনগৎতুনা য়েংদে। কান্তনি হায়বা খঙদনা ঙাঙলুরিবা ওইদবা কয়া অদুগী মরীদা ইকায়বনা মমায় ফাওবা পুবা ঙমজদ্রে। মহাক্কা লোয়ননরকপশিং অমদি অতৈ অদুনা চিঠিদু য়েংদুনা লৈ। সুরজিৎকা লোয়ননরকপশিং অদুসু সুরজিৎকী অঙাং মানবা রাখল অদুদা য়াম্না বারৌনরক্লে। কান্তগী অশেংবা মশক অদু মহাক্কী রাঙাঙ-রাতাদা ময়াম খঙনরক্লে। বসন্তনা ইকায়-খাঙদগী খুৎ থোক্লবা তাৱে খম্দুনা ফনা থেমজিগ্গরে।

থেমজিন-থেমজিন্না চিঠিদু ময়াম মমাঙদা থাদরম্লগা কান্ত, বসন্তগী মফমদা চৎলগে হায়না ঙাক্লম্লগা মহাক্কা লোয়মরকপা মরূপ-মপাংশিং অদুগা লে য়ননা মপান থোক্লক্লে। মখোয়না থোক্লকপগা লোয়ননা অতৈ অদুসু মরি-মরি মুশুক-মুশুক থোক্লিবা থৌদোক অদুগী মরীদা র রী শার-শারদুনা থোক্লরক্লে। অসুম্না পার্টি অদু লোইশিল্লে। সুরজিৎকা মুক্লরুবা অসিনা কান্তগী অরানবা অমনি। মরমদি থৌদোক অদুনা সুরমা সুরজিৎকী মফমদা শিন্নবা হায়বসি ওইথোক্লবা অমা ওইহল্লে। অদুব মুক্লদবসু য়াদবনি। সুমিৎ অদুদা কান্তনা মুক্লরমদ্রবদবু অচুম্বা মশক অমা ময়ামগী মমাঙদা পুথোকপা ঙম্লমগদ্রা ?

* * * * *

কান্তগী মফমদগী ঈকাইবা নংথ্রবা সুরজিৎনা কান্তগী মফমদা মদুগী মতীক ওকপা লমন শিংননবগীদমক খুজীল থোরাং তোবা হৌরক্লে। কান্তগী পুন্সিদা হৌজিক করম্বা খুদো থীবা থোক্লকদগে হায়বদু ময়াম্না ঙাইনদুনা লৈবা তাবনি। সুরজিৎনা থাক্লকদৌরিবা লাং অদুদা কান্ত নোংমা মক্রগা নোংমদি শাদানবগী লাংনা লাংগোই চল্লবা য়ারো শজিগুম ওইরোই হায়নীঙাই লৈতে। কান্তদি নোংমা সুরজিৎকা মুক্লখিবা সুমিৎ অদুদগী নোংমতসু হক য়ৌশিনবা রাখল থনখিদ্রে। অদুবু সুরজিৎত্তি লমন খুম্নীংবগী রাখল অদু নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপা

ফজনা মাউথিবগী ৱাদি লৈত্রে। মনিপুরীগী মরমদা থোইদোক্না খল্লুদবা অসিনা কাঙ্গলী থাইদগী হেন্না খুদোং থীনিংঙাইগী মওক্নি। লমহুইগী মরাক্তা অনিসু ঐখোয় ওসি দৈত্রবনিনা ঐখোয়সু মখোয়গী লমচৎ অক্ষম থোকই। ফজনা মখোয়গী ৱাখলগী লাংদগী মতৌ করম্না ঐখোয় নাম্মোকপগে খনবা তাবনি। লাং অদুদগী নাম্মোক্নবগীদমক্তা ঐখোয়গী ৱাখলসু মঙুং মপাল নাইবা তাবনি।

হৌজিক স্বরমা উত্তমগী মুমদা লৈন-লৈন অঙাং উনরে। মথক্তসু পঞ্চত্রে স্বরমা করিগুম্বা থরদং স্বরজিৎকী মফমদা পাঙথোক্লীংবনা আত্মা-ঘাটকী ৱাখল খনখিত্রে হায়বসে। হৌজিক মহাক্কী ৱাখলদা অনীংবা অত্নমক্তংনা আশাগী মঙাল অমা ওইনা নোক্না নোক্না লেনবা ঙম্লক্লে। স্বরজিৎপু মহাক্কী থম্মোয়সুংগী লন নোংমা নত্রগা নোংমদি ওইরখিনি হায়বা ৱাখল নত্তে, নৌনা ফজরিবা মপাগী অদুগী মপান্না নোংমা নত্রগা নোংমদি মমাওইবী মহাক্না নংখিবা অরাবা, ইকায়-মৈশা পুম্না স্বরজিৎকী মায়য়োক্তা লমন খুম্নখিনি হায়বা ৱাখল নত্তে। অদুদি ঐখোয় পুম্নমক য়েংবা কনবা তাই। লৈরাং লৈয়োন্দগীসু হেন্না থৌৎলবী স্বরমাগী থম্মোয়না করি ওইরকফম থোকপগে হায়বদু।

লোইরবা।